MANIPUR UNIVERSITY MAGAZINE



VOL XIV, 1996-97

MAGAZINE PUBLICATION COMMITTEE

Manipur University
1996-97

EDITORIAL BOARD

Dr W Vishwanath (Dean of Students')	*Adviser*
Dr L Dinamani	
Dr T S Kangjam	
Dr S Imoba	
Dr P Gunindro	
W Ratankumar (President MUSU)	
P Tolen (General Secy)	
L Khumansana (Presidential Committee MUSU)	
K Sunil	*Editor*
L Jagajit	*Joint Editor*
L Jiten	*Asst. Editor*

Cover Design
Thoidingjam Tombi

Photographer
Niken Seram and Jiten (Boby)

Edited & Published by
Karam Sunil on behalf of Manipur University Students' Union (MUSU)

Printed at
Purnima Publication Press, Borthakur Mill Road, Ulubari, Guwahati-7, Ph-522963

With Best Compliments to ______________________

____



MANIPUR UNIVERSITY STUDENTS' UNION
OFFICE BEARERS 1996 - 97

President MUSU Wakambam Ratan Kumar Singh (MCA)

Secy General --Potsangbam Tolen *(Pol Science)*

PRESIDENTIAL COMMITTEE

1. T Khumansana (Earth Scs.)
2. A C Sidam (M Phill)
3. W Pisananda (MCA)
4. Kh Gopen (Lib & Inf Sc)
5. Ch Brajakishwor (Chem)

ASST GEN SECY

N Bimeshwor (Geography)

MAGAZINE

1. Editor- K Sunil (Linguistics)
2. Joint Editor- L Jagajit (Hindi)
3. Asst Editor- L Jeeten (Education)

INDOOR SPORTS

1. S Somarendro (Anthropology)
2. N Surbala (Statistics)

OUTDOOR SPORTS

1. S Romesh (Commerce)
2. Th Toni (Maths)

ACADEMIC COUNCIL

H Santosh (History)

CULTURE

M Guni (Manipuri)

LITERARY

N Jeeten (Bobby) (English)

LIBRARY

1. W Phulindro (Physics)
2. S Sanjit Ph D (L S D)

N S S

W Bhubon (Philosophy)

MEN'S HOSTEL

Y Surjit (Life Sc)

LADIES HOSTEL

N C Sundary (D C A)

CANTEEN

Th Ingocha (Economics)

COUNCILLOR

1. Ph Shamundi (M B A)
2. Th Gagan (Bio-Chem)



GOVERNOR OF MANIPUR

RAJ BHAVAN
IMPHAL



MESSAGE

I am glad to learn that the Manipur University Students' Union, Canchipur is bringing out of the XIVth Volume of its Annual Magazine for the year 1996-97

Extra-Curricular activities such as the publication of the Annual Magazine helps in harnessing the talents of the students Literary content apart, such magazines become useful vehicles of information and help in enhancing the level of awarness among the students and widening their mental horizons which acts as a vital in-put in moulding the personality of students and making them into responsible citizens of the country

I convey my best wishes for the success of the publication

(O N Shrivastava)

Phone 220245 (R)
220239 (O)



K Babudhon singh
SPEAKER
LEGISLATIVE ASSEMBLY MANIPUR





The University is expected to be the apex Centre of academic pursuites and academic excelence

Peaceful academic atmosphere is the supreme pre-requisite for academic pursuites Such atmosphere is imposible where mutual suspicion, back-stabbing genocidal killing among brothers sisters and friends on minor difference in approach, strategies, objectives ethnicities etc, have ruled the roots

The youths and Students of North East and more particularly of this State have a key role to play in restoring normaly in the region and in Self guarding the aged old territorial integrity of the state in strategic North East to enshrine the Unity in Diversity of the Nation

It is a matter of great pleasure to learn that the Manipur University Students Union in bringing out the XIVth issue of its annual Magazine for the year 1996-'97 It is hoped that over and above the normal features of a Magazine / publication of an academic Institution, will go a long way in reflecting the aspiration of the people of the State

I wish the Magazine of the Manipur University Students' Union (M U S U) a grand success


Sd/-

(K. Babudhon Singh)

© 220 350 (O)
221 854 (R)



T MANGIBABU SINGH
MINISTER
CO-OPERATION AND ARTS & CULTURE
MANIPUR



Date 17-10-97

MESSAGE

I am glad to know that the Manipur University Students' Union is bringing out the XIV Volume of its Annual Magazine for the Year 1996-97 very shortly

I hope, this Magazine will focuss and enlighten the ideas and thoughts of the students community as a whole. As the students are the enheritors of the future of our country, they will have a vital role to play for the social, economic Development and fraternity among all communities

I wish the publication of the Magazine and endeavours of the Manipur University Students' Union, Canchipur all success

(T Mangibabu Singh)

Phone 220972 (O)
221133 (R)

TH Debendra Singh
MINISTER
(WORKS AND LAW & LEGISLATIVE AFFAIRS)
(MANIPUR)

IMPHAL
26-10-97



MESSAGE

I am very glad to learn that the Manipur University Students' Union is bringing out the XIV Volume of its Annual Magazine for the year 1996-97

The purpose of education is not just to impart reading and writing skills But is to tansform a person into an enlightened individual

I wish every success in their endeavour

(Th Debendra Singh)

Manipur University
Chanchipur Imphal 795003
Manipur India

Vice-Chancellor's Office

No 1/1/VC-MU/97
October 4 1997



MESSAGE

I am pleased to learn that the Manipur Unversity Students' Union will soon bring out the fourteenth Volume of its Annual Magazine for the year 1996-97

The annual magazine provides an excellent platform to bring out the best literary talent of our students Its also help the students to express their views artistically on various walks of life, culture, development, science and technology, etc , I look forward to reading with pleasure the creative expressions of our talented students

I wish the Magazine and the Students' Union all success

IS Khaidem
Vice-Chancellor

(Th. Joychandra Singh)
MANIPUR UNIVERSITY
CANCHIPUR IMPHAL 795 003
MANIPUR INDIA



6th October 1997

MESSAGE


Although it has been customary to give a message to the publication of the Annual Magazine of the University, it is hoped that the message will be read and sentiments there of will be appreciated as an appeal. In the XIV volume of the Annual Magazine to be published by the Manipur University Students Union, it is the expectation of all that the students' who are inmates of the highest institution of learning in the State will show their high academic standard. The future of the Manipur University and the future of education in the State are in the hands of the young generation. It is hoped that the Annual Magazine will be upto the expectation of the people of Manipur who are desirous of academic excellence in addition to the excellence of our boys and girls in sports and cultural activities.

I wish the endeavour of the students a success.

(Th. Joychandra Singh)
REGISTRAR

Manipur University
KANCHIPUR 795003
MANIPUR

Dr. W. Vishwanath
Assoc Prof Of Life Sciences
Dean, Students Welfare



Tel 0385 220787 Ex 230(off)
0385 330132 (res)
Fax 0385 221429

March 9 1998

MESSAGE

I am happy that the Manipur University Students' Union (MUSU) is publishing the XIV volume of the Magazine of the University


I hope this issue explores the creativity and potential of our youths and scholars and inspire young learners in understanding the value of life I am confident that the issue will project our academic and related achievements an thus elevate the moral of the University

I wish the MUSU and the Magazine all success

W VishwanathSingh
Dean, Students' Welfare

© 220787
284,22149
TELEX - 0296211

**MANIPUR UNIVERSITY
STUDENTS' UNION**
CANCHIPUR



'SAJIWA JAIL'
27TH MAY 1998

MESSAGE

I am very glad to know that the 14th Volume of Annual Magazine for the year 1996-97 is going to be published under the supervision of the Editorial Board

I wish a grand success of this volume to reach the students and the scholars, in time


May this volume brings a light to the readers and unity of the students community

We, the students, have to know the artificial calamities caused by the untoward incidents like the burning 'Sanamacha Disappearance Case'

Lastly, we have to understand where we live and how

Sd/-
(Wakabam Ratankumar Singh)
President, MUSU
Canchipur

© 220787
284,22149
TELEX - 0298211



**MANIPUR UNIVERSITY
STUDENTS' UNION**
CANCHIPUR

A Little Thought

I am very delighted to learn that the XIVth volume of its Annual Magazine for the session 1996-97 is going to be published by the concerned incharge members of our Manipur University Students' Union.

It is a great opportunity for students' to show the talent in art of writing and academic freedom with skilful. Apart from writing articles, I assure the magazine will coverage curricular and extra curricular activities achieved by the students in the fields of art, culture, sport and academic. Many achievement and development during the short academic period by the lonely university.


We the students of Manipur University "Let us not ask What the University do for us and Let us ask What we can do for the university". Let's stop communal riot, we are all brothers and sister. Let's keep peace to our homeland.

I pray the **MUSU** and the Magazine all success.

**Sd/-
Tokpam Khumansana Singh
Presidential Committee
MUSU 1996-97**

220787
284,22149
TELEX - 0298211

**MANIPUR UNIVERSITY
STUDENTS' UNION**
CANCHIPUR





Secy Gen MUSU

It gives me extreme pleasure to have an opportunity for giving a message to all the students of Manipur University about the experiences that I come to realize as a Secy Gen of the students' union of this only highest educational institution of Manipur through this annual Magazine of the session 1996-97

I would like to remind that the publication of Magazine is an important part of students' activity in both academic and extra curricular life It gives good avenue for people in the academic area to make a proper expression of their literary and statemanship aspirations with the coming upon of which we are likely to be transcended As such an all out effort and sincere involvement of both students and teachers to make publication of our Magazines for the times to come also, remarkable success are what to be felt true deep inside our heart

So, I, lastly, would like to rquest to all the students of M U to give full corporation in discussing valuable matters particularly that of maintaining academic calender of M U , the only hope of future of our "Mourning Mother"

"LONG LIVE MUSU"

Potsangbam Tolen
Secy Gen , MUSU
1996-97



পুক্নিংগী পাউদম



মনিপুর য়ুনিভর্সিটিগী তাংগবা চহী অমগী মনুংদা লেপতুনা অমুক্তং MUSU না পুথোকপা অবাম্বিত্তবা চেফোং (মেগাজিন) ১৯৯৬-৯৭ অসিবু পাবিশাদৌবিবা, পীবীশাদৌবিবী তাইবং মহৈরোকাঙ্গী মহৈরোই খুই পুন্নমকপু এদিটর ঐখোক্না অহানবা মীংথে খমজবি।

চেফোং (মেগাজিন) থুগবদি তোতান তোতানবা লোন, থীম অমদি মাবেং খোবেং কয়ামুক্তা পুন্নগা লেপ্না মহৈরোইশিংগী মাখল লৌথিংবু মতিক মগুন মাথৌনা ঙৈনা অক্কুবা নীমম অমগী মথাদা নীংতম্না ফুবা মহৈরোইশিংগীদমক খোংবা চেফোংনি।

চেফোং (মেগাজিন) অসিবু খবা ডজন পুথোক্লবা থোংনাউজ অদুবু চেফোং অসিগী মথবাই মথী ওইখাদৌবিবা থুগবদি আর্টিকল অমদি মেসেজশিংবা মতম চানা ফংবা ডমখিদবনা মতম চানা পুথোকপা ডমজখিদ্রে মসিগীদমকসু তাইবং মহৈরোকাঙ্গী মহৈরোই পুন্নমক্না মাবোৎবীবোই নীংঙৈ।

পীবকপা আর্টিকল খুদিংমক এদিটোরিয়েল বোর্ড না মাপ্না কুপ্না খনজি পীথৎপিবকপা আর্টিকল খুদিংমকসু লোইনা থাপনবা থোংনাউজ অদুবু শাইবক খিবদি লোইনা থাপ্লগী খুদোংচাবদি ফংজখিদে। তোঙ্গমসু খাবিমখৈ চাওনবা থোংনাউজ পুবিবদি ফন্দগী লোক্তিনগা মহুননীংবা তোঙ্গমসে অমদি থাপনীংবা আর্টিকল খুদিংমক্তা থেংগুবগাদ "থাক্নুগী মগোৎ হাবোইদা থাপ্লগুম লোকই" মসিগীদমকসু মহৈরোইশিংনা ডাকপীজনি।

চেফোং অসিবু পাবা মানবা অমদি পুথোকপা মানবগীদমক আর্টিকল খুদিংমকপু বাখি ঙৈনা অমদি লেমদোক লেমজিন তৌদুনা মতেং পাংবিবকপা এদিটোরিয়েল বোর্ডকী ওজাশিং অমদি মেম্বরশিংবু থাগনীংঙাই লৈতনা থাগৎচবী। অদুগা লোইননা চেফোং (মেগাজিন) সিবু পুথোক্লবা থোংনবদা চাওবা মতেং পীবীবকখিবা Hon'ble Vice-Chancellor, Registrar F.O. Dean of the Students' Welfare অমসুং মবি ঙৈনবা চাংথাবিটি, ষ্টাফশিংসু ইকাই খুম্নজবি। লোইননা চেফোং অসিবু কদাইদা কবি লোইখিদাম থুগদুনা পাউতাক পীবিবকখিবা তাইবং মহৈরোকাঙ্গী যৌবুবেল অমসুং কাউন্সিল মেম্বরশিংবুসু মতেং পাংবীবগী দমক্তসু থাগৎপা ফোংদোকচবি।

অবোইবদা MUSU না পুথোকপা চেফোংসিদা মশাগী অমাং অতা থীদনা মশাগীনী খন্দুনা থেম অসিনা মীদাং লৌথিবা 'পুনিমা পাব্লিকেসন্স'গী ওফিসিয়েলশিংবুসু থাগৎপা ফোংদোকচবি।

MUSU না পুথোকপা চেফোং অবাম্বিত্তবা তোঙ্গম অসিনা মহৈরোই খুই পুন্নমকী মফমদা ঙানগী/ লৌথিংগী মৈবা খবদং ওইরবসু পিবা ডম্না ওইরসনু। অদুগা মথংগী চেফোংশিংদা কুরাপিটি ঙৈনা পুথোকপা ডম্না ওইরসনু।

তাইবং মহৈরোকোননা শাইকরে
তাইবং মহৈরোকোন মীয়ামগীনি
তাইবং মহৈরোকোন তুংগী মীরোলগীদমক্কী
শাইফবা ওইসনু MUSU

কারাম সুনিল
এডিটর
এম.ইউ. মেগাজিন '৯৬-৯৭

 220787
284,22149
TELEX - 0296211

MANIPUR UNIVERSITY
STUDENTS' UNION
CANCHIPUR



L JITEN SINGH
Asst Editor
M U Magazine 1996-97


A few words I Assistant Editor

The XIVth issue of Manipur University Magazine is being presented to the Student community of Manipur University, Canchipur This publication is brought out in time with the valueable helps and co-operations of Students, teachers, Councillors and other members of the MUSU.

I am very grateful to all for the success of this publication

Canchipur,
dt 26-3-98

Report from the Sport– in-charge (OUTDOOR)



MUSU

মীয়ামগী অমদি Department কী থবক থৌরম থবা তৌকনবগীদমক ঐহাকপু Department কী Councillor ওইনা খনবগীদমক Department কী মকল-মশাংশিং, ছাত্র-ছাত্রিশিংবু ঐহাক্না থম্মোয় শেংনা থাগৎচবি। লোইন লোয়ননা ঐহাকপু MUSU গী Sport-In-charge (outdoor) পুহনবগীদমক্তা অতোপ্পা Depattment কী Councillor শিংবুসু থাগৎচবি।

ঐহাক্না Councillor ওইবিভেদা পাংথোক্লিংবদি Manipur University campus দা Inter college Cricket tournament অমা পাংথোকপা অমসুং department কী থবক থৌরম, অরাং অপা মেনশীনবদা শকক য়াবা। অহানবগী Cricket Tournament অসি ময়ামগী co-operation গা লোয়ননা মাইপাক্না পাংথোকপা ঙমজল্লে। লোয়ন লোয়ননা মতুংদসু পাংথোকপা ঙম্মা ওইসনু হায়না হায়জবি। Department কী থবক থৌরম অমদি অরাং অপাগী মতাংদসু শকক য়াজখি। থবক খবদি MU গী Engineer দা পন্দুনা লৈবে। Engineer section অসি Process খবা তন্নি হায়জনীংঙি খবা থুনা তৌবিনবা হায়জবি।

Sport-In-charge ওইবিভেদা ঐহাক্না পুন্না MU-PG-classes কী Sport Event মশিং ঙনবা শকক য়াজকই। Fund য়াম্না লৈতবা মবমনা Sport Event মশিং ঙনবা শকক য়াজবা ঙমখিদে মসিগীদমক ডাকলিগীনি। শকক যাজকবা Event শিং অদুদা M U PG Classes না মনা কয়া লৌবকখিবগা লোয়ননা East Zone Inter University গীদমক ছাত্র কয়া অমসু Selection তৌবিবকখি।

মতাং অসিদা ঐবু লমজিং লমতাক পিখিবা অমদি মতেং পাংবাখবা ওঝা W Vishwanath Dean of student Welfare Ksh Sugeshwor ADS অমদি Sport Department কী Staff Dean Office কী Staff খুদিংমকপু তৌবিমল খঙবা উংচবি।

ঐগী থবক থৌরম খুদিংদা মতেং পাংবিখীবা ঐগী মকলশিং Tolen Basanta Brajalashwor Roshan Premananda Shanta Dhanjoy Sajahanta Ritikumar Arun David Surjit অমদি অতৈ মযামবুসু ঐনা শিংঙমদ্রবা লমন কয়া তোনশিনজবে।

Thank You Friends

SOME PERFORMANCE IN THE FIELD OF SPORTS			
Sl No	Name of EVENT	Position	ORGANISED BY
1	IIIrd Dhanamanjuri memorial Inter College Cricket tounamaent	Runners-Up	D M College of arts
2	M U Inter College Cricket Tournament 1996-97	Semi-Final	Degree College of Physical Education and Sports, Yaralpat
3	Asem AArun Kumar M U Inter College Table Tannis	Winner (Women)	D M College of Arts
4	M U Inter College Chess Tournament 1997-98	Third Position	L M S Law College
5	1st M U Invitation Inter College Cricket Tournament	Runners-up	Manipur University Stuudents' Union

S. Romesh Singh
Sport- In-charge
(Outdoor 1996-97 MUSU)

CONTENTS

4. ENGLISH SECTION (POEM)

5. ENGLISH SECTION (PROSE)

6. HINDI SECTION

MEITEI MAYEK SECTION

[illegible]

By - ***Kh Bobi Singh***
Final Year
Dept of History

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

* ✪ *

[illegible]

By - *Karam Sunil Singh*
Linguistics Department
Previous

[illegible]
[illegible]
[illegible]

[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]

[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]

[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]

[illegible] ?
[illegible] !
[illegible]
[illegible]

* ✪ *

[illegible]



HIGHLIGHTS OF WORKS UNDERTAKEN BY P.W.D
MANIPUR

1 Road connectivity of various villages under Basic Minimum Services Programme
2 Sports Complex at Khuman Lampak.
3 Library-Cum-Archives Building at Electricity Colony, Imphal
4 I N A Memorial Complex at Moirang
5 D C and Departmental Complex a Lamphelpat.
6 Session Judge Court at Bishnupur.
7 Construction of bailey Suspension Bridge over Barak River at Katang
8 Construction of Family Court Building at Lamphelpat.
9 Re-construction of Sugnu Bridge
10 Construction of Heirangoithong Bridge
11 Construction of Keisampat Bridge.

[illegible]

By :- *M. Riturani Devi*
Linguistics Department
Previous

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

"[illegible]"

"[illegible] ... "

[illegible]

[illegible]

* ✪ *

GENERAL INFORMATION
TO ALL THE FARMERS OF MANIPUR

FOR THE GENERAL INFORMATION OF THE FARMERS STAYING ADJOINING TO THE R.L.I SCHEMES TUBE WELLS IRRIGATION FACILITIES ARE AVAILABLE FOR GROWING FIRST CROP OF PADDY, RABI AND KHARIP CROPS AS SUCH TO BOOST UP FOOD PRODUCTION IN MANIPUR. FARMERS ARE REQUESTED TO AVAIL THE IRRIGATION FACILITIES FROM R. L. I (RIVER LIFT IRRIGATION) SCHEME TUBEWELLS AND DEVERSION SCHEMES. IT IS ALSO AFFIRMS THAT ASSURED IRRIGATION WILL BE PROVIDED DURING THE EAST PERIOD OF CROPS

MINOR IRRIGATION
DEPARTMENT MANIPUR

[illegible]

MANIPURI SECTION

হিংশি নীংতম্না

জিলা লৈশাংথেম
মণিপুর য়ুনিভর্সিটি

ঐখোয় অমত্তা ওইনা
তাম্না চঙশিনখ্রিবা থবায় কয়াগী
মুশিববা কোজললগী মমি য়েংনা
থেঙথখ্রবদি ফংলরোই খোজূলসিগী
লাউজবম্বনি মখোয়না য়াম্না ৱানা
থেংলে মিকপ থোকলো, মিকপ থোকলো
ইশাগী শোয়ফদা ইথৌদাং লৌবসি
লুকক্রুবিবী ইমাগী মতেং পাংলসি
খুত্তা য়োংকী, য়োংলেন পায়দুনা
লেংদবা থৌনাগী, কাংখুল কাঙলসি
হয়েং, তুংগী যুম্ব্রিবেল ওইনবা
অফবা, শোয়দবা চবাশিং লিংলসি
ইপা, ইপু, মকপ, পাথৌশিংনা থম্রমবা
শিদয়াই, নাম্যাই মক থিদুনা
খুৎফম চেংনা, চেংনা পায়বসি
খাওফম খুনাম মুম্না য়েংলসি
অবিবা পুৱাবি চৈথারোল কুম্বাবদা
মুংনাইদনা ময়েক শেংনা ইবম্বগুম
অঙাংবা মচুগী অশেংবা ঈবিক্লা
য়েক্তুনা থম্রমসি, তুংগী মীবোললনা খংনবা
হিংশি ঐখোয় ইনীং তম্না ।
চঙশিনসি ঐখোয় নীংতমবা ফংনবা
ঐখোয়গী হকচাংগী অঙাঙবা ঈগা
কংথোক্রবা থবায়গা, অনীশিনা পোম্বা ওইবসি
নাবক্কী লৈবাং কেতুকি
লৈনম্না লৈকায় শাংপগুম
চীংনুংগী লৈবাং উথম্বাল
লৈনমনা চীনুং হুংপগুম
ইমা লৈবাক কাংলৈপাক
কোলোয় মিংলেন নুংশীবি
মিংলোম্না পৃথি থুংহলশি
নীংতম্না হিংলি খঙহনশি
ঐখোয় পুম্নমক অমত্তা ওইনা
অমুক্তং হৌনা, লাউশি
ইনীংতম্না হিংগনি ঐখোয়
মীখা পোন্দনা লৈগনি
ঐখোয়গী খেল্লেল তারগা
ম্যাংচেং মচি লাং, লুকক্রুরিবী ইমানা
খুত্তা মৈরা পায়দুনা
খোজূলগী মমি তাক্কনি, শাজল থৌনা হাম্বীনি
নীংশিংশি ঐখোয় অমুক্তং পুম্ন
নীংতম্নগী লম্বীদা মনীং তৌনা লেম্রমবা
ইপা, ইপু, পাওনা, থাজাল, টিকেন্দ্রজিৎ
পাথৌ লময়ানবা জ-নেতা ইরাবোৎ
শীবসি ঐখোয়সু ইহকচাংগী অঙাংবা ঈ
থবায়না পোম্বা ওইবদা নীংহলবা তৌনুশি
ঈ মশেল ঐখোয় মশেল
অমত্তা ওইনা অমুক্তং পূনশিনসি
মীতোপ মীয়ানগী তংকী খাউজাও পায়দুনা
মিকুপকী, মরনাই ওইবা বাখলদা
লময়ানবা শানা নীংতম্বু রাখলদা
লমদমশিদা থমনুশি, মরু ফংনা ফুক্রুশি
মীতোপ মীয়ানশিংগী শেংদবা ঈবিক্লা
মীংকী মিমাঙদা শেংনা ঈতিম্রকত্রিঙে
চবাম্বরা নোংশাগুম, ঈথৌলাংবী কৈ অযোমগুম
লাউনা খোংনা, খেক্লো ঙংনা তুম্না মাঙহন্ধসি
ইশাদা চেল্লিবা হকচাংগী ঈগা
নীংহম্নবা লৈতবা কংথোক্রবা থবায়গনা
পুন্সী পম্বুং ওইবা মিকুপতা
ফংগনি শোয়দনা ঐখোয়গী নীংতমবা
হৌবো মিকপ থোক্লো মতম হেনখিদৌরে
থেংথখ্রবদি ফংলরোই, অমুক ফংবা রাগনি
ঐখোয় মশেল ঈ মশেল
অমত্তা ওইনা পূনশিনসি, ঈ শীসি, থবায় কংসি।
নীংতম্নবগীদমক। □

চৎনবী

হিজম নূতনকুমার
এম এ প্রিভিয়স (ইকো)
মণিপুর য়ুনিভর্সিটি

(১)
লাকলে লাকলে চৎনবী
চৎনবী ঐখোয় লৈবাক্তা লাকলে
য়ৌশিল্লকলে ঐখোয় লৈকায়দসু
য়েংনরকলে মঙোন্দসু মীয়াম্না
পাম্লরকলে মহাকপু মীয়াম্না ॥

(২)
চৎনবী ঐগী থোজাল চঙলকলে
চৎনবী শুমাঙ য়ৌশিল্লকলে
অঙাংশিং উখিবা তাখিবা তাবে
চৎনবী চুরিদা লেপল্লরে
কৌরকলে ঐবু খোল্লেল হৌনা।

(৩)
তাবিববো মমা নহাকপু
চৎনবী লাকলে কবমতৌনি
নঙনা ফনবা ঙাঙনহৌরো
চেল্লগে ঐদি মনিঙথোঙলোমদা
চেল্লে চেল্লে ঐদি মনিঙথোঙলোমদা। ❑

মমি শাম্লক্লবদা

ব্রোজেন্দ্রো সোবোকখাইবম
এম এ (মণিপুরী)

ঙর্মলিব্রা হায়য়ুনে
লৈকোয়পুংসে অহিংসানা নাউকোনবা
নীংথিবা থাবলগী মমিদি
পীক্লবা থম্মোয়দা ফাওই।
অঙাংবা ঈখেংদুদি উদ্রে নত্রা
চেহ্লবকপা শিংলি খুদিংদগী।
সিবু কবেম্লবিব্রনে
খোঙজেল মাঙলে অশাবা নোংলৈগী
ফুক্তুনা হুমখিনবা।
নোংমতসু হায়খিদেদো
অশোনবা থম্মোয়না তূমদুনা
অদুননি ।
অদুনদি । ❑

সনা

উনবীয়া
মণিপুরী ফাইনেল

নোং-ও চুরোনে,
হনুবী হনুবা তাওথরোনে,
লাংজিং মতোন থূমলোনে,
পাৎশোই নূরাবী তাওথরোনে,
মণিপূর সনা লৈবাক
সনা মতোন যোমলেনে,
চাওখংপদা খম থেংলেনে।

সনাগী লৈবাক সনালৈবাক
মণিগী লৈবাক মণিপূর
সনা থমফম লৈত্তরে
শুম্মাংদা, লম্পাক্তা চাইখাইহরে,
মপান্দগী সনা ফংদবা কয়ানা
সনা চাইনা লৈবা উরগা
সনা লৌবা লাক্লরে।

সনা খোমলে থমফম লৈতরে,
ময়ূম লমদম অতায়বদা হোন্দোকলে ,
ময়ূমদসু থমকম লৈতরে
সনা লৈবাক মণিপূরনা
সনা য়াম্না পীবদগী
য়াথোক ওইরে সনাগী।

সনা খীরে সনাখীরে,
মণিপুর চংনিঙদরে লৈনিঙদ্রে
সনা লেম্না পীথোকলে
সনা লেম্না লৌহৌরে
চাইরে সনা শুম্মাংদা
চাইবে সনা লম্পাক্তা।

সনাগী নোংমৈ শারকলে,
সনাগা ওন্নরে মরুগা,
সনাগী য়া ঙাংনরে,
সনাগী মী হাংনরে,
সনাগী মী শিরে,
সনাগী অঙাং ফাগ্রে,
সনাগী লম মণিপুর
মণিগী লম মণিপুর
নোং-ও চুরোনে
হনুবী হনুবা তাওথরোনে
লাংজিং মতোন থূমলোনে
সনা পূম্নমক তাওথখরোনে। ☐

ইম্ফাল তুরেল

এস. এইচ. মাঙলেম সিংহ
এম এসসি (আর্থ সাইন্স)

পুকচেল তপলবী
ইম্ফাল তুরেল
মকম কয়াবু লান্দুনা
লেপ্পা লৈতনা চেনথরিবী
ইম্ফাল তুরেল।
অপনবা-অথিবা কয়াবু
নমথাইদুনা চেনথখবো
অরেপ্পা লৈতনা
মায়কৈ শীনবা থুংনা চৎতুনা
ইম্ফাল সহরগী যৌদোক কয়া
অমলুবো ইম্ফাল তুরেল।
মৈতৈ চনুগী যৌনা,
কঙলাগী য়াথোক,
অমলম্মু মকম খুদিং
চৎতুনা ইম্ফাল তুরেল।
থেক্লা খোয়না চেনদুনা
কাচিন কোয়া থুংনবা
চৎতুনা ইম্ফাল তুরেল
অমলম্মু মৈতৈশিংগী যৌনা,
খঙহনলম্মু মীয়ামদা
মৈতৈগী যৌনা হনদবি,
য়েক্লবা কয়া মাইয়োক্লখিগনি,
লম্না তৌখিগনি,
মুৎপা লৈবোই মৈতৈশিং
পুকচেল তপলবী ইম্ফাল তুরেল।
অমলম্মু মকম খুদিং চৎতুনা
মৈতৈশিংগী যৌনা তাক্লুনা
চেনথখবো ইম্ফাল তুরেল। □

নিজবা

হেলেন ওইনাম
এম এ এডুকেসন প্রিভিয়স

নীংশিংলকই ঐনা নঙবু
অময়ম-অঙান শিন্নরক্লবা মতমদা
মালেম লৈমবু খুন্নরলা
নিজখি তাইবঙ মপূদা
অহাবা, অনাবা, অকিবা
থোকতবা নহাক্কী নকমদা
ঙসি কৌরো নুমিৎশিদা।

নীংশিংলকই ঐনা নঙবু
লাইরিক ঐনা পারিঙৈ
খঙহৌখীদে ঐনা শাগৎখীবা
কীনথনি-কীনথরোই খঙগ্রবা
অহাঙবা দলাল অতিয়াদা
নঙগী য়াথল থক্লুবদা।

নীংশিংলকই ঐনা নঙবু
চাক-ঐনা চারিঙৈ
ইথুংনা নুংশিনা ইন্দুনা
শীজনিঙখি হাউরবসু থৌগ্রী থোংবা।

নীংশিংলকই ঐনা নঙবু
তৃপ্তিংবনা খাঙওমক্লবা মতমদা
অকি তুক্লুংনা কিরবা
অহীং নোংয়াই চনুক্তা
কাউথোকখি অদুবু অকিবা
শাগৎখিবদ দলাল অক্সাংবা
নঙগী য়াথল থক্লুবদা॥ □

নীঙোল চাকৌবা

এ. পিতম সিং
এম এ (ইংলিস) ফাইনেল ইয়ার

ঙসিদি নীঙোল চাকৌবা নুমিৎনি
ময়াম পুন্না চাক চামিন্নে
ইমুং খুদিং বা-বা নোকহৌই
মচীন মৌপ্রা পুন্না নোকমিন্নে।

নোংমদি পুন্নগি ইমুংমদা ঐখোয় ময়াম
খন্না খৎনা খন্না চৈনা লৈমিন্নবদা
উন্নদনবু লৈবা ঙমনবগে ঐখোয় কয়াম কুইনা
মবুং মৌপুন্না, মচীন মনাও, মমা মচা ?

ও ! ওনথোকপনিদা,
মমা কায়নখ্রবী কনা'মনদি
হীক্রা তেংথারি লাইওইখ্রবী মমাবু কৌদুনা
ঙসি নীঙোল চাকৌবা নুমিৎসিদা।

লায়বক থীবী নঙবু ঙসি
চাক চাবা লাক্লিব্রা ? নত্রগনা
লাইওইখ্রবী পল্লেমগী মোংফমদা লেপ্তুনা
হীক্রো তেংথা নাওইববু লাক্লিব্রা ?

কনা অমগী চাকখুমদনা তেংথাহৌই
"ইচেমগী ইবুংঙো ইদু নিঙথৌ
হাক্লুমদনি ইপুন্নাগা চাক চান্মিন্নখিবা
কুমসিদি উন্দ্রে ইপুন্নাগী নুংশিবা চেংলৌ।"

শিবগদি লোইরে মীওইবা
অশিনা খায়দে লায়রা ইনাকখুনবা
অদুবু অঙলবা ইমাগী খুদোলসিদা
কদোমদগী খঙহৌদা হৃমজিন্নকপা নোংলৈনো ?
ঐপোয়বু মশক থীহল্লিবা,
দক্ষিনাগী চংনবী হায়বসে ? ❑

কদায়দনো শৈরাংবা

দব্লিউ. ভুবোন সিংহ
দিপার্টমেন্ট ওফ ফিলোসোফি

হে লৈবাকমচা
মৈতে পোকপীগী থাজ-ও,
কক্তবা থম্মোয়গী মরুপ্রোই
নোংথক্তা পাইথিব ছেক্লো-ও
মীংকুপ'মতদি কাইদোংলখো
কপ্লিবা থম্মোয়গী যৈবাথক্,
পাউমেনজহৌগে নফমদা
মল্লবা থম্মোয়গী অবুনুংদা
কুইনদৈ লোৎচবিবা ইপাউসে।
পলেম নীংব মরুপ্রোই
মৈতে লৈকোলগী লৈবাংবা
কদায়দনো পাইগে থৌবাংলিবা ?
মৈতে পোকপিসে য়েংলখো
ইমাগী খুয়া শেংলখো
মল্লবা শন্নল নমথাইদুনা
নঙগী লৈকোল' শেংলখো,
কাউরববা শৈরাংবা
লৈবাং হেক্রে হায়রগা
লৈথোং শেংলমদবা হৌনদবনি।
অদুই মতুং তাবদা,
মক্রুবা থম্মোয়দে পীহুরকপ'
শেংলবা পিবাংগা লোয়ননা
ইমাগী শৈরোল শক্রম্মু,
পলেমগী মীনোক উরগা
ইমাগী য়াথং কংলগা
নুংশিবা লৈনম ফংলগা
নুংশিবা লৈমম মবক্তা
নীংথিব লৈকোল লাম্দুনা
পৃক্লিংগী নীংবা থুংনবা
তম্ন'মুক্তা পাইখোকো।
হে পলেম নীংবা!
করিগুম্বা মতম অমদা
লৈরাংগী মগুন চাউদুনা
য়েংশ্নীংথাগী মতমদা
শিংজেল্পন ফুগায়না শাংপকান্,
মালংনা পীবি হুমদুনা
লৈরাং লৈনম হরগা
মালেম লৈকোই পীহুংনা
নঙগী খোঁজুল পীসনু। ❑

দেশভক্ত কনানো

এম. ইবেম্মাহৈবী

এম এসসি (প্রিভিয়স)

আর্থ সাইন্স

হে নহাবোল ! লৌশিং শিংলবা
হে দেশভক্ত ! পুকচেল চাউবা
    কনানো দেশপ্রেমিক অথৌবা,
    কনানো দেশভক্ত অশেংবা ?
কবিগীনো নখোয়না থাজম্রিবা,
যাদু মন্ত্রবু থাজম্রিবা,
পাল্লবদা যাদুনা মশাদা,
নুংশিবগী মন্ত্রনা থম্মোয়দা
কনানা পুকচেল শেংগদৌবিবা,
কনানা সাধু ওইগদৌরিবা।
মন্ত্রনা শুমহৎলবা পাজলসে,
যাদুনা পাল্লবা নশাদো,
কবম্না চামথোকনি, মন্ত্রদো,
কবম্না থদংক্কনি যাদুদো,
কান্নদ্রবনি নহাক্কী মপোক্তো,
লংজম ফিজেৎ মশক্তো !
মাঙনবা ফিদম ওইবনি।
লংজম মতিক মাংলনি,
ভক্ত নেতা শাবগা,
লংজম সিলাই শেৎলগা
অহিংসা চিনবান্দা লাউজরবসু,
সত্যাগ্রহী তোয়না ওইদুনসু,
দেশভক্ত থম্মোয়না শেংম্রবদা,
যাদু মন্ত্রবু কিম্রবদি,
নুংশি মঙলেন চুম্রবদি,
নশাগী ওইজবা তানবদা
অসুম অসুম হৌম্রগনি
চেন্নমবা দেশপ্রেম নথম্মোয়দা
শহিদকী পুকচেল ঙাখলদা

পুংজা পুংজাগী শিথরক্কনি
থৌনা পুকচেল মাঙলক্কনি
ঙাংনা ঙাংনা খল্লম্না
থম্মোয় কিজেং শেংলমবা
নেম্না নেম্না অবক্কনি
ওইজবা কয়া লাকপদা
মাঙদা মণি উবদা,
মিংচৎ মাবু কিসিরা
তাইবঙ য়ুমগীবু থনগদবা
চাবা থকপা চেংনাইবা
তুম্না হিম্না চাংনাইদবা
শহিদ পুন্সি অঙাবা
দেশভক্ত পুকচেল অনেম্না
কনানা খাঙবা হৈগবনো
কনানা পুবা ঙমগবনো
ঙাখলনা অসুম খ্লকপদা
তানজা অসুম লাকপদা
নুংশিগী তেন্না পাল্লবদা
শহিদকী থম্মোয় মাঙলবনি
ভক্তগী পুকচেল চেনম্রবনি।
    হে নহারোল ! শহিদ শৈদম্না
    হে নহাবোল ! দেশভক্ত শৈরাংবা
কনানো ভক্ত ওইগদৌরিবা
কনানো শহিদ শাগদৌরিবা।
তুলসি মচুম থক্তুনসু
তাইরেল পুংফাইনা হাইদোক্তুনসু
হকচাং মনুংদা শেংম্রবদা
ঈশিং নুংশিংনা চাংনাইদ্রবদা
অনাবনা ফবা ওইথোক্তবনি
হিদাকপু নুংদা ঈশিং চয়বনি
হে যোহেনবা, অথৌবা।
মতমনি অথোইবা খঙহুকো
যাদুনি নুংশিবা হায়বসে
মীনম্বনি মহাক্কী সংসার।
মহাক্কী মন্ত্রনা পাল্লবদা
কনাগী লৌশিং, থৌনা
কনাগী পুকচেল চাউবা

শহিদভক্ত নেতা
লোইনা অঙাওবা লাইচুমনি।
খুত্তা পায়বা ঐহাক্কী
য়াদা হুকপা ইতাওগী।
মহাক্কী নক্কনা পুনবনে
যাদুগী তেন্না থাবনে
কাউগনু লাইরানি মন্নসে
য়োইবু য়োহেন অল্লকপদা
চঙলুগনু মহাক্কী মনাক্তা
লৈখোঙদা চঙদুনা লোথারুনু।
মীকোক খোংগে খল্লকপদা
হৈরাং - লৈরাং চিল্লুনু
পুক্কিং মুবা লৈনমদো
লৈকা ফম্মা শাংপনে।
শুক্লাংপগী মশক ওইরবা
নুক্কা মাগী মায়থোংদো
কাউবা ইয়া য়াদবনি
য়োইবু য়োহেন অনবশা।
শীঙেন লৈরাং ফজবী
যোমোন নোকপা মীনোব্বনা
মীংচিনা হায়কেৎ য়েংবদো
নঙগী থম্মোয় কায়গনি
শুক্লাংকনি নুংশি মন্নবা।
ইকায় ইকি খঙলক্লোই
শীঙেন লৈনম্মা চুম্রবদা
লৈহী চেনবা লৈরাংগী
মাঙলগনি বাখল অপূমবা।
হে নহারোল ! অযৌবশা
হে দেশভক্ত ! পুকচেল চাউবশা
শহিদকী মৌনা মাঙখিনি,
ভক্ত পুকচেল হোংখিনি,
হে ! য়োহেনবা অযৌবশা।
হোরি যাল্লেল চোংলিবা
রাহে অসিতধি হায়রমগে
থম্মোয়দা য়েক্কুনা থমজিল্লু
চঙলুগনু চঙহৈনবা লৈবাক্কি
য়োহেনগে অল্লকপা মতমদা
পুন্সি মথোক কারকপদা।
নশাগী নহৈ লৈতনা
নহৈগী মমল য়াওদনা
নুংশি শৈরেং লেংউনু।
যাদু মন্ন থিরুনু
তাইবঙ যুমলেপ অল্লুনু
যুমলেপ চার অল্লিবা
ফিজেৎ ফিগাই শেত্তুনা
নুংথং জগোই শাজনি।
য়োহেনবা কনানা নমান্নবা
লানগুম ফিরাল থেংলগা
নহাক্কা সড়ক য়াংবীদ
নমীংকী পিরাং চেনদুনা
ইকাই ফিরুক খুমদুনা
শম্ভৌ কনানো খঙজিল্লু
পলেম করিনো থিজিল্লু
পারি পুরি তুইনবনি
যৌনাই নাইশং নাইবনি।
শবম চুম্মা চংলগদি
মীখা পোনবা নরেবাকসু
শঙগী পাজল লৌশিংনা
য়েক্ত শাক থোংগনি
নিঙথৌ অদুম ফংগনি
চাউনা লৈবি ইতিহাসতা
নেপোলিয়ান, পুরুগী পুন্সি
পাওনা, টিকেন্দ্রে কয়াগী
মৈত্রবাক কনবদা চংখিবা
মশাগী মথরায় য়োম্দুনা
হে ! নহারোল য়োহেনবশা
অন্নবরা নখোয় অঙাংশা। ❑

মীকপ থোকপা

লৌরেম্বম নোরেন্দ্রো
মণিপুরী বিভাগ

চন্দ্রমুখি নত্তে নঙ, ঐগী
দেবদাসসু নত্তে ঐ, নঙগী
অদুনা, হৈথরক্লনু হুন্দো ঐগী গ্লাসসিদা
পীথক্লনু ঐঙোন্দা পঙথনবা
হোংনগনু ঐবু খুদুম চন্নবা
শকউ য়াকাইহৌরোল ঈশে
তুমদনা তুম্লিবশিংবু মীকপ থোক্লবা
"ঈশাম খাগ্লী মৈহৌরে
মৈরীনা লাংগোই চন্নক্লে
ইমাগী পারী মযোমশা
খোম্রেন মীকপ থোক্লোনে
খাগ্লী মৈকল্লরোনে"।
খঙই, নঙসে মীত্রং হৈবীনি
নঙগী মীশুমদুদনি ঐনা ঙাউবিবসু
নঙগী মীনোক্কুদনি পঙথরিবসু
লৌহৌরগে হায়ত্রা ঐগী পৈশাশিংসে
হাঙহল্লগে নিঙলত্রা ঐগী ফুরিংখাউসে
খঙউ, নহাকসে অহৈবঙগী মমানি
নীংশিংউ নঙসে জগৎ শেম্লিবনি
অদুঙে, অশাউবনা মৈরী থোক্লবা হায়রাবনা
মালেমসে থুগাইহনবা থৌরাংলকপদা
শাউ নঙসু মীশুম জগোই
থেমজিল্লু জেখায় অনিঙবা নচাশিংবু
পোকহল্লু অমত্তা ওইহবগী রাকল।
অদুনা, হাইম্লু নঙগী নাউশুম লেশুনা
অকউ, মদোম হিংনিবশিংদা
লেপহল্লু চীংজাওশুম অমত্তা ওইনা
য়েক্লবগী মৈরী ঙাকথোক্লবা।
হাংলে ঐগী গ্লাস হৌজিক্তি
লৌশিং লাক্লে পঙথকল্লবদগী
পুবক্লো নীংঅম্লবগী মৈরাদো,
হন্দোকখ্রো লীক্লিদো নখুৎতগী
হোংনরনু শীথক্লবা অমুক
শাবো জগোই নোংথাংলৈমশুম
লৌয়ো দূর্গাগী শক্লোন
লেপ্লয়ো শারুগী শক্তমদা
মুল্লয়ো গ্লাসসে ইখুৎতগী
থারোই নঙোন্দা খুশাক্লা
লৌরোই দেবদাসকী অকিবা শক্তম। □

মীৎকপ থোক্রকখিগনি

জয়চন্দ্রা সারাংথেম
এম এ প্রিভিয়স (কেমেস্ত্রী)

থাবলগী থেংলবা অহীং অসিদা
মীচিক মীরাওখোল তাম্রবা মতমসিদা
অহীং মীৎশেং খাণ্ডদুনা
নুংঙাইবা রাগদা অউদুনা
শাগৎলি নহাক্কী নীংথিজবা শক্তম
ঐগী পূক্লিং লৈকোলসিদা।
মতম কূইনগী শাগৎচরকপা
ইতোমতা লাংচবা
তূমদনা মঙবা মঙলানগী
নীংথিজবা শক্তমসে
মীৎকপ থোক্রকপদা কায়রগদ্রনে
মচেং মচেং তানা।
নোক্লিংই ঐদি খল্লু খল্লুরগা
কনাগী আশা য়াওদনা
পংলৈদা লৈজবম্না ঐহাকসে
নঙগী কবম্না শাইয়োম্রনো
তিলহল্লিবা ঐহাকপু
কঙাওনরবা খ্বেলগী ঈপাক্তা।
কনানা খঙবিগনি
চাক্লিবা মৈরীসে
চক্রসনু মকা লামনা
মুৎত্রসনু নুংশিবগী পম্বুপ
অহানবা অমসুং অরোইবা ওইনা
ঐগী পুন্সিগী পান্দম কৎনবা। □

অথৌবশিংদা

ও. প্রেমানন্দা সিংহ
ইকোনোমিক্স ফাইনেল

চৎলেদো নখোয়দি
মোঘোন নোকপা মীনোক্তা লোইননা
ঐখোই য়াইম্নু থাদোকলম
ইরেবাক ইমা লৈবাক্কীদমক।

নখোয়গী কথোকপা উৎপা মতৌবু
নীংশিংহৌন্সনু তুংগী মীয়োলনা
মখোয়গী হন্নবা লৈত্রবা
অমজনিঙঙাই ওইবা থৌনাবু
অমজহৌরসনু তুংগী মীয়োলনা।

নখোয়না নোক্লা নোক্লা
থরায় পোম্না ওইখিবা
নখোয়না লৈগী দোলাইথক্তা তোংদুনা চৎখিবা
অউবা, অতাবা গুসিগী মীবোলনা
মীৎলুদগী শিম্নরিবা পিগী মবিকনা
চাইথি নখোইগী নোংফম লৈয়োল 'থক্তা।

নখোয়না হোৎনরম্না নীংতম্বগী ইহৌনা
গুসিদি থোকহনবীরে অনৌবা মীকপ অমা
চঙশিল্লি গুসিসু নীংহম্নবা লৈতনা
থৌনা ফবা নহারোলশিংনা
নখোয়না অম্নম্না নীংতম্না কৎনবগীদমক। □

অরোনবা বিদায়

টি.এইচ. বিজেন
ইকোনোমিক্স ফাইনেল

ঙকত্রা পুন্সি থাজরুদে অসুম্না ওইরক্কনি
নোংমদি ঙাওরম্বনি নুংশিবগী সংসারদুদা
ঙসিদি কম্বাদা অহিওম্বরবা মঙলানগুমদ্রে থৌদেককশিং
খল্লুই ঐহাক্না মহাক্না হায়বা হোংখিদে
মদুমক্তনা হায়দেক্লুই নশাগী শক্তম ঙাকচদ্রে
নোকশতনা পাউখুম ওইখি নকশিনদ্রবা নুংশিবদুগী ॥

নোংমত্তা লংনরুদে মহাক্না হায়বদা
ঐনা হায়বতনি থৌশাদবা ঙমখিবসু
করিগীদমক থিংজিনখি খঙ্ববদি উগনিদো অমুক্তং
কনাদসু লাম্নীংদ্রবা পুন্সিসে লাম্নসু উহন্নীংদে
নুংশিবগী অর্থ হিংবগী ইজৎ থৌনে-- ॥

লোল-দি শম্মদ্রবা মকমদো কমদৌনা মৌথি
করম্না চংখি চীংলোন বাংমা লাম্না
খঙনা খঙনা করিগী নাথেরি
অদুগসু কয়েম্নরকই অশেঙ্বা বাহৈলো লৈতেংলা
“নঙনা চংখ্রবদা অহীংসে করম লেঙ্লুনি
ঐহাক খাঙকম খঙদনা বারে চন্দনি।
নুজাগী লাইবক্তা নম্বা শিন্দুর উরুবদা
নীংশিংলকখি শ্যাম সুন্দর আপ্সারা মন্দির
মকমদুদা চঙদুনা লাই খুরুম্নীম্নরুবদা হায়খিদনা
“অমুক্তং কোয়সিদনা ঐগা অকোয়বসে
ভগবতকী জশিং লৌদুনা থকমিম্নখি
মোল্লবী খুৎশাদুনা চিংলকই লাইবককসিদা বর্জিনা ॥

ঙসিদি করিগী নীংশিংলকপনো থনফম থঙদ্রে
কায়রবা থম্মোয় বারবা মীকুপ মহাকখক্কী
ফাজরবা হোংনরিঙে থম্মোয়না পুক্নিংবু
পুন্সিগী অঙানবা লম্বী লম্নাংনদুনা অমদ্রে
কাউথোকখদ্রে অবাবা লীশীং নুঙাইবা চান্দসু
মহাক্না ঐহাক্কী নুংশিথোয়বীনি খল্লিঙে ॥

মীগী অবাবা মপাউ তারগসু নীংঙখিদে
ঐগী অবাবসু তম্লিংদে কনাদা
অদুবু মহাক্কী নুঙাইরবা মপাউতবুদি অনিঙলুই
করিগী ওইরকপনি মসে হায়বদা ঙম্নীশম্না
ঙম্নরোই মহাক্তি নুংশিবগী অরোনবদো খঙদ্রে
অদুনা তম্নরবনি অরোনবা বিদায়সে ইফমদা ॥

বারৌরনু মতম'মগী নুংশি চাম্নরকী লম্নানবী
লৌবেদো নহাক্না তম্নকপা অরোনবা বিদায়সে
ঙসিদি ঐহাক্কী পুন্সিনা তেকশান অমদনি
ঐহাক্কী পুন্সিনা লমথুংকম লৈত্রবা ইচেলদনি
থেংনরিবা মহীং অনীসে য়েংলগা লাক্লবনি
পুন্সিগী অরোয়বসিদা নুংশি খুদোল পায়দুনা ॥ □

কপচেংপী থম্মোয়দা

এম. এস. খুমন
লাইফ সাইন্স

করিগী কপ্নি হে থম্মোয় ,
নীংশিংদুনা তামদ্রবী মহাকপু
করিগী তেংথাবী হে পুক্নিং ,
নীংশিংদুনা লমলানদ্রবী মহাক্কী বাহে
কাম্নরোই অমুক কপ্পুবগী
চংদ্রবনি মহাক্তি পাম্মু লমদমদা
কাইদোং ফংদ্রবনি অবাংবা পায়েলদা
তেংথাদুনা কপ্নগনু অমুক
থাইফ কোন্দ ওদ্রবী
লাইফক ফবী মাগীদমক। □

চীনবান ময়াগী শমব্রুদো

নিঙথৌজম সোভা সিংহ
পোল সাইন্স (কাইনেল)

ফজে, য়াগি লৈ, থম্মোয়বু শুমহৎলি
শমব্রুদো চীনবান ময়াগী শমব্রুদো
তরং তরংনি নোকমি নোকমিবা মায়থোংদুদা
ক্রুবতরানা তপ্তপ তরং গুনবগুম।
তুমতক তাবা নাত্তোনগী হাইথরকপদা
ওইথংবা খজাই মনাত্তা
তবা তব্যায়বা চীনবানদুগী হাইগংলকপদা
তোমখিন গুনবা থাজগুম অতিয়াদা
নোকমি নোকমিরি শমব্রুদো
ঈংনা তত্মা লৈরি নাইত্তোম শাংপা লৈবাংগুম।
ফজরবা মায়থোংদুদা তিনশিল্লি
মুয়ংনরবা শমব্রুদুগী নীংথিবা মগুণসু
হাণকৎলি মসিনা হেন্না মগুণ
অদুকা হেন্না ফজহল্লি
নিঙত্তোল ওইবীদু লামলানবীদো।
অডবা কনানা গুাওরবা শমব্রুনি মাগী শমব্রুদো
লোয়া কয়া য়েংনিঙহল্লি,
কজনা ফজে চঙখোলয়া নীংথি
নুজাদুগী মায়থোংসু, ঈং-তন্নী
থোং-নৌরবা প্রকৃতিগী নিঙথিবা
মেংলবা থাবলগী ইপোম
য়েংবগী পোয়াইদে
য়েংজরগা নুংঙাইজবগুম
পেনজে থম্মোয়দে
শমব্রুদো উরগা মাগী শমব্রুদো।
শুঙাংয়াইনি তশেংনা শুঙাংয়াইনি
থম্মোয়বু গুাওহল্লি তআং-তশোইহল্লি
থোইদোক হেন্দোকপা মগুণনি,
শমব্রুদুগী মাগী শমব্রুদুগী॥
চীনবান কাংতল্লা নোকপা মিনৌত্তা
লেংলি লেংলি শমব্রুদুনা

খুংলাম তোয়না কৌবোইনিঙই থম্মোয়দে
কোইয়াওনবী মিন্না অনীদুনা
তথক তথক য়েংলকপা মীয়েং
ফাজিনবা গুমব্রবা লমহেন্নবা শন্নাংশিংনা
মায়থোংবু খুমজিনবা হোংনয়কলিবা
মসিনা হেন্না ফজহল্লি শমব্রুদুদা চীনবান ময়াগী॥
অমুবা নোংগী মপেলত্তা
অঙাঙবা নোংজাবীগী মঙালগী ফজবনা
মালেমদে শুম্বাংপগুম,
তনৌ তনৌরবা মায়থোংদুদা
অমুবা শমব্রুদুনা ফজহল্লি
কৃষ্ণগী বাশীগী শুবনা অতবা কনাদা শুম্বাংপগুম,
অডবা খুদিং শুম্ফলমগদবা মাগী শমব্রুদো॥
মেঙলবা হেমন্ত। তুগী
থাকল ইপোমগুম থোংনা মেঙই
মাগী শমব্রু, চীনবান ময়াগী শমব্রুদো।
চীনবান কাঙনা বাঙাঙবদা
তপলি তপলি শমব্রুদুনা লেঙলকপদো
সিরি মালঙগী শহমদা
অনৌবা ফৌনাগী তপলি তপলি
শাথোত্তা ওইরবোই নিঙই। ☐

নুংশি শৈরেং

সাক্বাবী মোইরাংথেম

এম এ এজুকেশন (প্রিভিয়স)

'মমাঙ লৈকাই থম্বাল শাংলে'
চংলসি 'লৈ লাংবা'
কাউরব্রা নহাকপু হায়নখিবদু 'চিং কাসি ঙসিদি'
চুপথরক্কে 'ইঙাগী নোং' জম জম
পম্লুংদি য়ৌদ্রিক্তে 'নীংথায়রে' লক্লেলসে
মসিরা চিং কানিঙলুবগী 'অঙ্গাবা'
লম্মাংনরে লম্বীসু
'নাইতোম অবা যাত্রী' অমত্তম ঙায়রে ইথক্কা
কৌজখি 'কৈদনো পহৌ'
অমুক্তদি লমজিংবীয়ু
য়ৌদ্রে ঐগী 'অঙ্গাবা ঙশে'
'লমগী চেক্লা অমদা'
য়ৌরক্কে ইনাক্তা 'লমতাগী নুংশিং' কুম
হংলরি 'লৈবাং করিনো' তৌরিবসিদি
'তাকশিরি নহাক্লা খুদম্লা উত্তুনা' পম্লুংদু
খঙহৌদ্রে করম্না মতমদা শীবম্না মহাক্লা 'চিরবীদায়'
লৃপদ্রে য়াক্বলসিদি 'অহিংগী চেক্লা অমদা'
মীংয়েংসিনা 'থিজবা' নহাক্তবু
থম্মোয়সিনা 'নঙবু কৌজবা মঙায়রে'
চংদ্রে নঙদি ইনাক্তগী খঙনহৌদনা,
থিবী নহাক্তবু অয়ুক্কী 'লিকলা' মরক্তা
থিরী নহাক্তবু 'লম্নীগী উয়ুম' মরক্তা
কাখৎতুনা 'কুট পাঠ' তা
'চন্দ্রনদী' তের্কাম্পা কখদুনা
কৌররি 'ঙাইখোগবা চেক্লাও'
পৃথি শেম্নী ইমা
'লৌরো ইমা নচাগী শীহুরকলা মীংকী শী'
শীনবীয়ু চেক্লা মহাক্তবু
ঐগী অঙ্গাবা খঙবীবা 'নঙতনি ইমা মালেমদা'
'ঙরাং অহীং লৈকোম্দা' খনখিবা য়াক্বলদুনা
চংখি ঙাইবা মহাকপু 'ঙাইলচীংদা'
তাম্না তারকখি খোক্লেল অমা 'শি থাদোই'
লেপ্রে য়াক্বলসে চঙশিন্নবগে মনাক তাম্না
থাদোক্লগে ইকায়বা 'মৈতৈ চনু' নত্তা ঐহাকসু
হা নুংশিরবা চেক্লা 'নহাকপু থিবদা য়ৌদ্রে পুশি'
ওইহনবীয়ু পুশিসে নহাক্কী শরুক অমা
'করিগী খুনগংশিদবা' নখোঙদা কেন্নরবা লৈরাংবু
কন্দ্রবা নঙগী থম্মোয়নি 'মৈ' হৌরবা
থম্মোয়গী মৈতাকসে পুদুনা হন্দ্রগে ননাক্তগী।
নত্তে নত্তে চাম্নবী, হায়রগে ঐখীসু পুক্নিংগী
'অরোইবা য়া' থমদ্রে নহাক্তি
ঐগী থম্মোয়নুংদা চেংনা মপোকসিন্নগী।
লাকলো 'চংলসিনে কদায়দনো ইবানি'
শেমলুরসি 'সভাতাগী কুম' মখক্তা
নুংশি 'স্মৃতি'। ❑

ঐঅমসুং অচুম্বা

শামুকচম রাজেন্দ্রো
লাইফ সাইন্স ডিপার্টমেন্ট, এম ইউ

থক-খা ওন্নবা
অরকই হায় মালেমসিদা ঐ ,
থব্রায় অমা লোংশিন্নগা
অবায়বা হকচাংসিদা
ঐনা তেংথা নাওইনা কম্নগা
কম্না অমনা হন্নাও-অয়াম্না নোকখিবা ,
মিংকুপ অদুমক্তদগীনে ঐসু তাইবঙমী ওইজখিবা।
কপ লাউরবসু মিংকুপতুদা
য়োমশিনবীরে ঐবু,
নুংশি-চানবীবগী থারবা নীংথাদুনা,
ফত্তবা-মীনম্বগী শনিল ফংদনবা।
অদুগসু অমুক,
তম্বীরে ঐবু লেপচবা চপয়ুংনা
নৌরিবা ইখোঙ অনীসিনা,
অনেম-অবাংতনা থব্রবা মালেমথকসিদা ,
শৌগংশীদুনা ওমজন্নিববু
লিরবা খুংশাশিংদুনা।
তংহনবীবে মহাও
মথেল কম্নাগী,
খেন্নবতনা থব্রবা পুন্সিগী চকলুক্তগী।
অদুবু—
তকথোকপিন্নি হৌজিকফাওবা
অচুম্বা হায়বদুগী লৈকমদুমদি ,
তকপীন্নবসু শক-চু শকউন্নিবদুগী।
শীন্নবা ওক অসি
শাংদোক্নুনা তম্বিফাও,
পাংথোক্লীংন্নবা মীং অনীসি
পাঙথোক্নুনা মকুপ্তম অমম্বদা,
শীন্নবা নাতেন অসিনা
লৈজরিবা খর চিংশিন্দুনা,
মাংগংলবা খুংশাশিংদুনা
অমম্বদা মা-মাদুনা,
লৈজরিবা থৌনা মখে খোমজিন্নগা
থিগংলবা মাবু ফংনবা তাইবঙসিদা,
খোনবীগনি ঐবু
অঙাঙবা কিজোল,
ই তৈরবা খুংশাশিংদুনা। □

থম্মোয় থেমজনবা

নিঙথেমচা তোম্বা মীতে
এম সি এ সেকেন্দ সিমিসটর
দিপার্টমেন্ট ওফ কম্পুটর সাইন্স

কল্লগনু থম্মোয়
অহোঙবা অল্লাংপা কয়া
হৌজিক্কী চুনম্রবা মহিং
হৌরবা পন্সিগী মঙশে
হন্না শক-শকুনা
মহাও লৈত্রবা অমঙুম
নশানা নশাবু
হন্নবা মীৎয়েং য়েংদুনা
অতোম্না কনাগুম্বা কয়াগা
হংগৎ-হন্দা ওন্দুনা।
নহাসু অদুক ওইরিবা
কবিসু হঙৎনা য়েংজুনু
দুশল্লা করিসু থল্লুনু
কায়রোইদবশিংদুদা
থম্মোয় শীকশিনবা মতৌদো
মতমবু নীংশিংদবা অরোইদবা ?
পুন্সিনি অত্তা-নুঙাইগী
তৌগে থনবা মীৎকুপ্তা
লৈতে মীওইবনা ওমদবা
অচিনবা মীশক অমগী
লৈ মতম অদুমক
অমাবা মীবু
লেম্না মাঙবা হৌনবরা
হোৎনবনা পুকচেল শেংনা
মচক্কি মায় পাক্লবগী
অম ওই অচুম্বনা।
শিংলি নাওরি খুঁ ংদা
অঙাংবো মীনা
চেনলি মকা দায়া
তম্পাকথক্তা ইমাগী
মংজরি চপচাবা
মপুবু পুক্রিংদা থমদুনা
হোৎনৌ হোৎনৌ
অদুক করিগী চিংনরি ?
অথোৎপা অকনবনা তিনজিবা
চৎশি মীওইবগী চৎনবী। □

থাওগী খোঙচৎ

হুইদ্রোম ইন্দুমনি সিংহ
এম সি এ সেকেন্দ সিমিসটর
দিপার্টমেন্ট ওফ কম্প্যুটর সাইন্স, এম ইউ

লোন্দিন্নবা সমাজদো
থকপি-খাপিগী তুংনফম
মাংলবা ব্যাবহারগী হৌরকফম
শেংলবা ইশেং শেংবা
লেমজনিঙাই ওইরবা চৎনবী
মণিগী তুংনফম ওইরম্বা
কদায়দা চৎখরে ?
মণিগী লৈকোলদো।
করি খঙ্গি হৌজিকপো
ঙসিং নুংশিংবী কিক্তমশিদা
লৈবাক মচাশা
করি তৌবা তারিবা !
চনুরা ওইবী কমানা
মীৎলু শিকমনদুনা
ইমাঙদা মূর্তিগুম লেপ্পরবদা
তু-খোং নলাদা
ঈঙাংনা চেপ্পরবা চৈরকসিদা
লম্বী অচৌবগী চিদাইদা
থবায় মাওল্লবা হকচাংনা
খৈনা খৈবদু উরগা
পাল্লবা হকচাংবু
তুকৎচরবা নিশানা
কমাং মথৌ মংশীবা উরগা
ইচিল ইনাও মরক্তা
শেং-শেং শেংনবা উরগা
দুখাককোমগুম্বা মেৎলে খঙলগা
মীৎলুদা লাইজা শিন্নদা
থম্মোয়বু খুদুম চেংনা কাদুনা
খাঙদুনা লৈরিবশে
কম্মাদা খাঙবা কল্লিবা

মতম অসুম খেংজিন্দ্রগনি
হৌরো হৌরো নহারোল
অওনবা অমা পুরকশে
তঙাইফদনা মথৌ তাল্লিবরা ?
পুবারিনা তাকলিবা
অকন-অথৌগী ঈরমচৎ
ঙমখিগনি অদুমক মুকতোকপা
পৃক্লিংগী মতুং ইনবনি
ইশা ইশাবু ইকদবনি
অপাইবা মাখলবু নমহৎতুনা
কখোকফম থোকলবা হকচাংশে
মপূদা কংথোকপা তাবনি।
ঙমগনি,
শেমলগনি, শেমলগনি
অখোঙ তংতবা অয়াই কংদবা
কংলৈশংময়োন
অমজনফম ওইররিখিনি
পৃথি শীম্বা
লাও চৎশি
খোঙফম অমফাওবা মাঙহল্লগুমশি
চোংশি ইপা ইপুগুম্বা
থাঙগী খোঙচৎ। ❑

লাইওইরবা ফুরা

বুধিচন্দ্র হৈস্নামবা
এম এ প্রিভিয়স (হিষ্টরী)

হৈৗরবা যুগ যুগ খুদীং
মীয়োল কয়া কয়ানা
নাখেদুনা চংখ্রবদা
ঙাকপি শেনবিনবা কনা লৈতবনা
মচেং মচেং কীহৃক্রবা
নুংশুক নুংজানবা শক্তম শৌদুনা
লেপ্পি ঙসিসু নীংঙাইবা লৈতনা
হৈবোক্ চীংগী চিংথক্তা
হে ! লাইওইববা ফুরা নহাক্তি।

সনা অহিংবা মচুতনা ফুদোংলবা
নীংথিববা শক্তম নহাক্কী
মণি মুক্তাতনা থম্রবা চোঙাবোন
কদায়দনো ঙসিদি পূম্নমকশিংদো
তৌবিমল খঙম্রবা ঙসিগী মীয়োল্‌শিনা
লংশেকপিখ্রবরা ঙম্নমক।

নঙবু খঙবা মখোয়শিংনদি
হৈৗরবা পুবারিগী থৌদোকপু নীংশিং
মীংকী পিরাংতনা তর্পন কংনরি
হে ! লাইওইরবা ফুরা
নঙদি শোয়দনা খঙলিগনি
অদুঙে গম্ভির সিংহ স্নাহাক্তক্
চহী তরেং খুম্নাকঙে
ইয়াগী নীংতম্বা ঙাকপদা
নিঙথি তুরেল, ঈখোংতনা ঈথক হৌখিবা।

হৈৗরবা ইতিহাসকী বারীশিং
খঙহনবিয়ো ঙসিদি নকমদগী
মীথা শোনবা পামদবা
অথৌবা মখোয়গী বারীশিংদো।
মতমদুগী অথৌবা মখোয়দো
চাক্লিবা ওইরেদনা ঙসিদি ঙম্নমক
পূম্নমক নঙগী নশাইগোনসিদনি।
স্না কম্বাল তেংনিঙবগী
কম্লক মৈরীনা চক্লবা
ঙসিগী শাশিন্নবা নিঙথৌয়েল নহাক্রসু
মিরাইবিয়ে নহাকপু
অহোয়নদুম খোঙনেংহনবিয়ে
ওলিভ গ্রীন শেংপা মীবানচাশিংনা।
হে ! লাইওইববা ফুরা
ডাকপিয়ো ঙসিদি নহাক্লা
কৈদৌঙেনো লাংদবা
শান্তিগী পাউজেল পুদুনা
নীংতম্বা থিবদা চোকথবা ফাওব্রবা
অচুম্বা পাম্বা মখোয়শিংদুনা
নীংতম ঝিবাল পায়দুনা
অহিংবনা অহিংবশিংগী মরক্তা হিংঙমম্রবা
নৈহংপিরবা থবায় কয়াগী
তেংখোংখোলনা নিম্লবা
অচুম্বা লৈরক্রবা মালেমসিদা। ❑

ইমা লৈবাক

এল. দি. দি.

হে ইমা লৈবাক মণিপুর,
মীশা পোনবভনা নশক্লক ওইরবী,
মীংলুগী শিরাং কংনা
নোংমতসু মোমোন নোকপা ফংজরবী
শেগায়বা ফিজোলজনা লৈতেংলবী ইমানি।
অনৌবা ফিজোল হোংদুনা
মীগী মথা পোন্দনা
মীংলুগী শিরাং তৈথোক্নুনা
ইমাগী মোমোন নোকপা য়োংজনিঙই।
ইমা নঙগী নশাইকোন
কমাগী মতিক পূক্রিং হুনা ফজরিবা
অশংবা মচুভনা কুপলবা থৌনানা
মালঙবগী শাহম ফংজবদা
থেকনা খোয়না জগোয় শারিবা।
পোম্বী চেক্রা কমানা
হাঙলবা নোংমদোন অতিয়াদা পাইদুনা
ইমাগী থৌগল তৌরিয়ে,
লোত্তাক পাংনা মিংশেল ওইদুনা
ইমাবু কমাগী মতিক কজহল্লিবা।
ইমা লৈবাক নহাক্কীদমক
ওমগনি য়েক্লবা লীশীং লীশীংগা
লম্বা পাদুনা লানথেংনবা
অদুবুনে ইমা-ও লানগী লানলোংদি
খঙদনা চঙবা তায়রবা লানফমদা
মায়থীবা তাবনি য়েক্লবগী মথৃংতা
পামইনে শিথিবদা তারবসু লানফমদা
হাংলক্লগা য়েক্লবা লীশীং লীশীং।
পাজল থৌনাতনা লম্বা পাবদি
হায়খিবোইদরা অপঙবনি য়েক্লবনা ?
তাকশিল্লুনে ইমানা লানগী লানলোঙ,
শীনথীল্লুনে পাজল থৌশিং
লানফমদা য়েক্লববু মায়থীবা পীনথা। ❑

নীংশিংলকপদা

কে.এইচ. বোবি সিং
দিপার্টমেন্ট ওফ হিষ্টরী
ফাইনেল ইয়ার

লেপনাইদ্রবা পুন্সি ইচেলদা
শাগংখিবা আশা অমথক
কায়খি মচেং তনা
খয়হৌদ্রবা মিংকুপ অমদা
হংজখি ইদোম তৃমিন্না
ঐগী চমজবা থম্মোয়না
ঐবু হিংলিব্রা, শিয়ব্রা ?

মুংলমদাইগী থাডমে মৈবীনা
মৈচাক ফনা ঙাল্লগা
ঙান্না অসুম মুত্তবসু
ঐগী থম্মোয় লকাদা
চাক্লিবা থাডমে মৈবীদি
মুংপা কৌবা লৈববোই।

মীয়ানগী শরঙ মনুঙদা
খোমলেন তৃমখুন হল্লবা
পাথৌ পাত্রি অপৃন্না
মতমগী কুমওন্না লাকপদা
খোমলেন মিংকপ খোক্নুনা
লাউবক্তে মাইচৌ কমানা
থম্মোয় লোকপা খোজেম্পা
ইপাম মৈখৌবে লাংজিং মৈজক্তে
ইদু নিঙথৌ লৈতববা
খাম্বি মৈকল্লো খাম্বি মৈকল্লো
পাখৌ পাত্রি খোবক্তে
ইদু নিঙথৌ চোংথোরক্তে
কইলৈ শত্তম ঙাক্লবে
ঐগী লেপনাইদ্রবা আশানা
নৌনা য়েম্মীং হল্লকুনা
নীংশিংলকপা পুন্সি মিংকুপতুনা। ❑

MANIPUR UNIVERSITY MAGAZINE : EDITORIAL BOARD, 1996-97

1st Row Left to Right :- [illegible] Singh (Joint Editor), W. [illegible] Singh (Adviser), [illegible] Singh (Asst. Editor), K. [illegible] Singh (Editor), [illegible] Singh (Adviser)

2nd Row Left to Right :- Dr. [illegible] (Adviser), Dr. [illegible] (Adviser), Dr. [illegible] (Adviser), Dr. [illegible] (Adviser)

OFFICE BEARERS

MUSU 1996-97



O L. Jiten Singh



O W. Ratankumar Singh



O L Jagajit Singh

O W Bhuban Singh





LEFT TO RIGHT - *S Somorendro N Bijineshwor Y Surjit K Sunil T Khumansana M Guna W Piyananda N Jiten (Boby) Ph Samananda*

অতিথি

সলামচা শবত মৈতৈ

এম এ ফাইনেল ইয়াব

মনিপুরী দিপার্টমেন্ট

মতম লেনবসিসু ওন্থোক্লা রাখ্রবা হায়বদুনি লাইবিক (এম এ) তমলিঁঙদদি থোইনবু খঙলমদে হৌজিক্রা য়ুমদা লৈববাসদনা হেন্না রাবে। কালেনগী নুংশাসিনগা শাবসিনা মপালদা থাকপা ফাওবা হেক তল্লি হায়বদু য়ৌই। কালেনগী নুংশাগী মৈশা থাঙবদা ফমুংদা হিপ্পুনা লৈবসু হৈনবকতে মাসনা এগী টেবল মথক্তা চাইদুনা লৈবিবা লাইবিকশিংদো নাংথিনা লেইশঙ্গপা থমলগে নক্তুবদি মখোয়না ঐবু শায়৮ শাউবমলগনি বন্দুনা অমময় অসুম লোনখৎলগা থমলকই। মবক অদুদা Gupta's Diary 1996 হায়না থাবা Diary অদু থেংনকই। মাসনা ঐগী পুন্সিগী ওক্তক অমগী কাউঙমদ্রবা রাবা অমা থম্মোয়দনি। ঐগী খম্মোয় অসিসু মাবু নুংশবগী ক্লিপুন অমনা চেংনা পুনশিনখি। অদুবু মীসু মহাক্রদি থাক্তাখদে। ঐগী নুংশি ঈচেলদা যাওবকপা, মিকুপ অমতং পল্লম্বা কাম্নদ্রবা কৌশিংদু ওইহনাখবান মনা। অদুবু ঐ মহাকপু অদুক য়াম্না তৌবা ঙম্বী অমনি হায়বাদ খক থাক্তকদবনি , ঐগী পুন্সিদা অসুম্না ওইবক্কনি হায়বসু খক থাক্তকবা ঙমদ্রি। মা-ঐ অহানবা থেংনখিবা নুংশি ঈপাক্তা তাউমিন্নখিবা নুমিৎ অদু ঙসিসু নীংশিংলি কাউগে হায়বা য়াদনা থম্মোয় অসিনা।

নুমিৎ অদু ঐ Department চৎপা থেংলে বন্দুনা পরপ-পরপ হেক লাকপনি। ঐগী মাঙদা নুপী অনীখকসু চৎলম্মী, মখোয় অনীগী মবক অদুদগী মশম য়াম্না শাংবী অমা য়াওবা উই মসিনা ঐবু কবিগুরুগা অমা নীংশিংলকপগুম তৌই। ঐসু মশকতংদি য়েংলগে বন্দুনা মখোয় অনীদগী হেনগৎকে হেক তৌবগা অমনা ঙাইখো চৎমিন্নসি হায়বকই। ঐসু sorry হায়বগা চৎমিন্নবে। ঐনা য়েংগে খনাখিবী মহাক অদুদা হায়ফেৎ য়েংলুবদা ঐ জ্ঞান মাঙই চৎলিবা অদু মতুঙদা চৎপগুম থোকখি। তানজা অদুদা হংজিল্লকই কবি ইনশাং চাবকপগে ?'

–খঙ্গকবা তৌদনা খুমদোকখি 'কংশোই',

–অদো মীংবু খঙব্রিনে?

–ঐগীবো ?

–ঐগী মীংসে মীদা শাক শাক হায়দোকতে।

–ঙাইখো, মী লৈব্রা অমুক্তা য়েংখিগে,

ঐগী ইতৌ অদুদা মখোয় অনীমক নোকললকই।

–মীং হায়বগে নখোয় অনীসু নমিং উইশিল্লু।

–(অমদুনা) ঐদি ঙমলোই খোঙবী অমুক কয়দনা হৌজিকপু লায়েংশনবসু লৈতবসিদা।

–ফবে অদুদি হায়বগে ঐসে আ য়াম্না লাম্না য়াম্না ঙিং চিংকপা ইবাংসু কন্দবা মনিপুর হায়বদো অদুদগীনবা হৌজিক্রা ইম্ফালসিদা স্টেদ লৈবগা লাকপনি। মসু এবোপ্লেন টিকেট ফংতৌদুনা বসতা লাকইবান।

–নখোয়গী অমুক ওবসিদনা।

–ইস ! কমাদা ঙকইবনো মাগীদি ওকপা।

–ইহে ঐগী মীং রাংহীববোইবে।

–ঐগী মীংদি 'প্রেম' কৌই।

–নখোয়গীদি ?

–ঐশানা সুনিবালা অদুগা মাগীনা শান্তিবালা রাওথেম লেকায়দগনি।

মীং শেমজিনবাদ ফবা হৈরেনে সুনিবালা, শান্তিবালা।

–অশেংবা নত্তে অশেংবনি। ঐখোয় দিপার্টমেন্টদা ওজাশিংসে মতা অমনিকো মওন থাজকুং খোংখবা ক্লাস হেক্ত য়াওহন্দে মাসি ফবদি ফবজাৎনি। ঐখোয়দদি বদিবব ?

নুমীৎ অদুদ থাংজিল্লুবা ঐগী খোঙথাং মাপা ওবাপ্রবক্ত খোঙথাং ওইরাখ। হন্দোবকপা ঙমখিদে। নংগোন্দগী লাপথোককে হায়নসু খক পনবা লৈখিদে। শুল্প লংগী মাগী পুন্সিবু মনুং মপাল খঙনবা হোৎনকবগনি। অদুগা মশাগী Axis তা নুমীৎপু লৈদুনা পৃথিবীনা কোয়বগুম্না মপান

নাহিল্লবা লমকাং য়াম্বী মাগী নুংশি ঈচেলদুদা তংডনা থিজিল্লুই ঐনা হুশানা শেমজবা লৈই অমদা ইশাবু বন্দি ওইহনজরদুনা। লৌনম নমথাজনা থল্লবী মাগী লম্বীবু য়েংলুবনি ঐনা হুশজনা খঙনা খঙনা, অদুগা অবোনবা লম্বী অমদা মাগী খোজুল লীরগা ফংগে খল্লুই মানা চেংনা লোংশিল্লিবা পুন্সিগী শক্তমদুতংদি। মসি ঐগী করম্বা আশানা পুখিবনো হায়বা ঐ খঙদে। মাগী চরক চহীং নাহিরবা পুন্সিবু উকল্লিগে থাবলগী ফজবা, অচিকপগী মগুণ করিগুম্বদসু অর্থ খঙলমদে অদুগা য়াখলগী লোইনাইল্লবা মঙলানদা ইশাবুসু অমুক্তা য়াহনজকদে। ঐগী শেম্নহৌদ্রবা মীকুপ অমতংগী লৈতল্লবা য়াখল অমনা ফোঙদোকলুই অদুবু মহাক্লা কয়াদা হয়াওহনবীখিবা অদুবু ঐনা পামখিবদি অশেংবা থম্মোয় অদুনি পাপকী মূর্ত্তি অদু নত্তে। মসিনা কয়াদা য়াহল্লি ঐবু ফোঙদোকলমদনা লৈরমলবদি পুন্সিগী অর্থ অমদি খঙনা হিংলমগদবনি। শক্তোন য়াম্বী মাগী নুংশিবগী ঈশাক্তা তাউকবদনি ঐনা পবিক্কা য়েক্ক ওইরকখিবা মসিমদি মহাকসু খঙখিবনি। ঐনা মাগী নুংশিবগী ঈশাক্তা তাউরমদা কয়ারকসু কনহনখি। অদুগা মাগী তুংগী শোরম খঙদনা মাবু শেম্নবা লেপলুবা মদুসু কাগী তাহনবীখি নঙনা। ঐ ইথল্লা কপচবা নঙনা কনাদবু তাইনরুগনি। অদুবু অকংবা উনাওল্লা নঙগী পুন্সীনা মতমগী নুংশিংনা পুখিবদু নঙগীদমক খন্দুনা য়েংদুনা লৈহৌবনি নিঙবা কাবরবা ওইনা। অদুবু নশাগী পুন্সবু অর্থ লৈতনা মাঙহল্লিবা নঙগী পুন্সিবু উন উরগা ঐগী পুন্সিদা অর্থ অমদি খঙলকই। মসিনা ঐখোয় অনীগী মরক্তা লৈরম্বা খেংনবা অদুনি। হৌজিক নঙগী পুন্সিগী মরমদা খঙনিঙবা পুম্বা লোইরবগী তুংসিদা নঙনা চল্লবা পাউখোংদুমদি শোয়দনা ফোংলকনি। নুংশিববু সের ফম্মাদা হাপ্পুনা শাম্নরীবী নঙনা ঐবু কবম্বা মওংদা Measurment তৌখিবনো খল্লুবদা ঙকই। ঐনা পুন্সিগীনি খন্দুনা নকাদা চংজবকখিবা ওইহনখিবনি নঙনা ঐবু শুপ্রতংগী মীকুপ অমতংগী অতিথি। □

নুপীগী মীৎয়েংদা নুপী

ওইনাম হেলেনা দেবী

এম এ প্রিভিয়স

সমাজ অসিদা নুপীগী ফিভম থাক ৱাংনা থগ্নীবিত্রা নত্তগা মখোয়বু হয়না খল্লিত্রো হায়বসি হংবা য়াই খন্নবা য়াই। চাওখৎলবা সমাজ অসি নুপীনা ইকায়খুম্নফম ওইরবা মী অমা ওইনরক্তি। অদুবু মসি ফাওবদা নুপীগী ফিভম হৌজিক ফাওবা চাওখৎত্রি হায়বা য়াই। মসিগী মরম অমদি নুপীগী মীৎয়েংদা নুপী অমগী হল্লবা মীৎয়েং, অচুম-অরান খিদনা নুপীদা নুপীনা অরানবা শীবা অসিনচিংবা। হৌজিক্কী নহারোলশিংনা জিন্স, সোর্ট মেডি কয়া অমা শেংপা থিংলি। মসি নহারোলশিংগী মাংকেদগী চাউরবা থৌদাংনি। সমাজবু, ইশাগী ফজচববু থাক ৱাংনা শেমগৎনবা হোৎনবদা অদুবু অমরোমদা মখোয়গী লমচৎ, মখোয়গী মীৎয়েং, ৱাখল্লোন অমসু খঙবা ফংই। হৌজিক্কী নহাবোলশিংনা ইংলিশ ফিল্ম, ইংলিশ সোং অসিনচিংবা ৱেষ্টর্ন কন্ট্রিশিংগী মতৌ তস্লনা ৱেষ্টর্ন স্টাইল তৌবী নুপী মচা কয়া থোকললকপনি। নুপা ওইবশিংগী মীৎয়েংদা নুপী ওইবীশিংনা ফজনিঙবা হায়বসি মহৌশানি। নুপানা হান্না ৱাখল থেনবনা, নুপী ওইবীশিং ৱাখল থেনবনি।

য়েংলকপা য়াই নুপা খরনা, নুপীনা খৎচনীংদুনা তৌবনি। নুপা ওইবা পূম্নমকপু নৎচদে কাংলুপ খরতবুনি। কাংলুপ খরসিনা ৱাখল ৱাংলবা মতমদ মৈতে সমাজ চাওখৎলক্কনি।

ইশাগী ফজচববু ঙাক্কুনা চৎলিবী নুপী কয়া অমা লম্বী সড়কতা অহল্লনি-লমননি খঙদনা মথোং চাদনা লক্করিবা, ওইজবা থীবা, নম-হাদুনা মখোয়গী ইজ্জৎপু মাঙহল্লিবা অসি পূম্নমকসিনসু নুপীগী মীৎয়েংদা নুপীনা হয়না য়েংনবগী মচাক অমা পোকহল্লি। মসিনা মরম ওইদুনা মমা-মপাশিংনা নুপী ওইবীশিংবু করিদা শোয়খিদগে খন্দুনা মখোয়বু ইমুংদগী হেনদনবা মচাক হাপচল্লি। মসিনা মরম ওইদুনা নুপীনা ইচৎ-থৌনা নুপাগা খুৎশমদুনা সমাজ চাওখৎনবা থৌদাং লৌবা ঙমলত্তে। খুৎশমদুনা চৎলীবি কয়া অমবুনা ফংতবা লমচৎ চৎশীনি হায়বগী মীংথোল ফংলি। মিংথোল অসি নুপা ওইবগী সমাজনা শীত্রিঙেদা নুপী ওইবনা নুপী ওইববু হয়না য়েংবা মীৎয়েং অদুদগীসু থোকললকপনি হায়বা য়াই।

ইমুং অমদা নুপা পোকপা হায়দুনা মমা ওইবীশিংনা নিনো মসিনা অহানবা খোঙথাংনি নুপী ওইবীশিংনা নুপীবু হয়না য়েংবা হৌবগী। অঙাং অদুনা চাউরকগা মমা-মপাগী মীংচৎ উরোং খিলহল্লবসু নোংমদি অউনপোৎ পুদুনা চৎত্রগনি, শাগে অমা ওনত্রনি হায়বগী হয়বা মীৎয়েং মমা ওইবীশিংনা মচা নুপীশিংবু চৈ-থাংবদা অদুমক শীজিন্নরি। মসি মৈতে সমাজদ নত্তে ভাবতকী অতোপ-অতোপ্পা মফমদসু শীজিন্নে। অদুবু ৱেষ্টর্ন কন্ট্রিশিংদদি ৱাখল্লোন অসি লৈতবরা নীংই। মসিগী ৱাখল্লোন অসি লৈত্রবা কনাদা নুপীগী ফিভম অসি চাওখৎলকপদা মত্তে ওইগদ্রা হায়না আশা তৌই।

ধর্ম অতোপ্পা চৎপা অমনা অতোপ্পা অমগা শুহোংদুনা লৈমিন্নরবা ফাওবা সমাজনা খয়া হয়না অদুমক ময়েংই। মসিগী মীৎয়েং অসি অনম্বনা নুপী ওইবীশিংগী ৱাখল্লোনদগী থোকই। ধর্ম অতোপ্পগী নুপী অমনা অতোপ্পা ধর্ম চৎপা নুপাদ লৈবা ফাদা, মনেম অদুনা য়ানিঙদবা হান্না উৎতুনা মকুদুম্বসু য়াহন্নীংদবা ফাওহনবা ঙমই। মনেম অদুনা ইনথোকপী, মখুৎ চবীদে। নুপী ওইবী মহাক্না মচানুপানা পুরকপা অতোপ্পা ধর্ম চৎপী মমৌবু ওৎকদবা নত্তে। মসিদি নুপীনা নুপীবু হয়না য়েংবা তবনি। নুপীনা নুপী হয়না য়েংলবদি নুপা ওইবশিংনেসু থৌশাবক্লোই।

মসিগী ৱাখল্লোন অসি নুপীনা হান্না থাদোক্লবদা নুপী সমাজ চাওখৎকনি ইমুং অমদা নুপী পোকপগী লেমজফম ওইগনি নীংই। □

শিল্পোং খঙনা শিন য়াংপা

শগোলসেম বোনিকুমার এলাইজ বোনি
এম এ ইকোনোমিক্স (প্রিভিয়স)

য়াহৌদোক :

ঐখোয়না হিংনবগীদমক শিল্প অমা পাঙবা হায়বসিদি তঙাইফদবা য়াফম অমনি। অদুবু লৈবাক অদুগী হেল্লা ফবা চাওখৎ থৌবাংগীদমক য়েংলগা কবল্লা মখলগী শিল্পবুনা হেল্লা চুনগদগদে হায়বগী অচুন্না শিল্পোং অমা য়াংপা মতমদা লৈবাক অদুগী Economic condition, Natural Resources, Geographical condition অমদি শিনমীশিংগী মতিং (skilled of the labour force) কয়া অসি কুপ্না য়েংবা চঙই। হায়বিবা ফিভমশিং অসি য়েংবগী মথক্তা হেল্লা মক ওইবা য়াফম অমনা, লৈবাক অদুদা unemployment problem থেংনববা নত্তগা থেংনদববা হায়বসিনি। কবিগুল্লা লৈবাক অদুনা হায়বিবা অৱাবা অসি থেংনদবা ওইবগদি মথক্কী ফিভমশিং অসিদা য়ুমফম ওইবগা হেল্লা ফবা চাওখৎ থৌবাংশিংগীদমক অবিবা মখলগী শিল্পগী শক্লোন (Traditional occupational structure) অদু থুগাইবগা হেল্লা ফবা শিল্পোং অমা য়াংপসু য়াই। অদুগা কবিগুল্লা লৈবাক অদুনা শুফম-নোমফম লৈতবগী অৱাবা অসি হেল্লা মায়োক্লবা ওইবগদি হেল্লা ফবা শিল্পোং অমা য়াংপা মতমদা অহেনবা শুফম-নোমফম পীবা ঙম্নবগী কাংলোন অমসু লোয়নবা তাবনি। মণিপুরগীদমক্তা য়েংদুনা অকোনবগী য়াফম অসিদা য়ুমফম ওইবগা খন্নবনা হেল্লা চুনবা মখলগী শিল্পোং অমা য়াংপদা অচুন্না ওইগনি, মবমদি মণিপুরদা ঙসি ঐখোয়না শুফম-নোমফম লৈতবগী অৱাবসি হেল্লা চাউনা মায়োক্লবি। মসিগা মরী লৈননা থমজগদৌবিবা য়াফম খরা অসি মণিপুরদা হেল্লা চুনবা মখলগী শিল্পোং অমা য়াংপগী হকথেংনবা লম্বী (Direct approach) অমা পীবা নত্তবদা নাকোয়নবা মায়কৈ অমদগী মোং অমতং থম্নবা হোৎনজবনি।

২। মণিপুরদা থেংনরিবা শুফম লৈরক্তবগী অৱাবা শকলোন :

মণিপুরদা শুফম লৈবক্তবদগী অৱাবা অসি নোংম-নোংমগী হেনজিল্লকলি হায়বসি ১৯৮১ অমদি ১৯৯১গী মীকোক থিবদগী ফংবা শক্তমশিং চাংদম্নদুনা য়েংলগা খঙবা ঙম্মী। মণিপুরদা লৈবিবা অপুনবা মীশিংগী মনুংদা শিনমীগী চাং অসি ১৯৮১ দা চাদা ৪৩ ২০ ওইবদগী ১৯৯১ দনা চাদা ৪১ ৫১ দা হন্থবকলে। হন্থবিবা অসিগী মনুংদসু মপুং ওইবা শিনমী (Main worker) গী চাং অসি ১৯৮১ দা চাদা ৪০ ৩৪ ওইবদগী ১৯৯১ দনা ৩৭ ৩৬ তা হন্থবকখি, অদুগা মমিংতগী ওইবা শিনমী (Marginal workers) গী চাংনা চাদা ২ ৩৮ ওইবদগী চাদা ৪ ১৫ দা হৈনগৎলকখি। মসিনা তাকপদি শিনমীগী চাং অসি চাংচত্তা হন্থবকপদা নত্তনা মপুং ওইবা শিনমীগী চাংসু হন্থবকই। অদুগা অপুনবা শিনমীগী চাং অসি ভারত পুম্বগী ওইনা চাংচৎতা মণিপুরগী চাংদগী তাথনা লৈবগসু ১৯৮১ দা চাদা ৩৬ ৭০ ওইবদগী ১৯৯১ দনা চাদা ৩৭ ৬৮ দা হেনগৎলকই। মসিনা তাকপদি ভারত পুম্বগী ওইনদি ওইজবা মায়কৈবোমদা চৎলগসু মণিপুরগী ওইনদি মাঙজবা মায়কৈদা চৎলি।

৩। মীহে তম্বিবগী থৌওংগা শুফম লৈরক্তবগী অৱাবগা লৈনবা মরী :

ঐখোয়না মণিপুরদা থেংনবীবা শুফম লৈবক্তবগী অৱাবসিগী মবম থিদোক্লুনা মসিবু কোকহন্নবা হোৎনবগা লোয়ননা হেল্লা ফবা শিনথোং অমা য়াংপদা, লৈবিবা তোঙান তোঙানবা শিনমী কাংলুপশিংগী অপুনবা শক্তমদা অহোংবা কবি লাকপগে হায়বসি য়েংবদা কান্নগনি। মসিগী অহোংবা অসি ১৯৮১ অমদি ১৯৯১ গী মীকোক থীবা অসিদা চাংদম্নদুনা য়েংসি।

মণিপুরদা শিনফমগী মতুংইন্না শিনমীগী চাং ঃ

শিনফম	শিনমীগী চাং চাদা	
	১৯৮১	১৯৯১
লৌউ-শীংউবা (Cultivators)	৬৩ ৫৩	৫৭ ২৯
খুৎনেক লৌমী (Agricultural Labours)	৫ ৩০	৯ ৮১
খুৎশা হৈবগী শিনফম (Household Industry)	১১ ০৯	৭ ৯৫
Other occupations	২০ ০৮	২৪ ৯৫

মথক্কী কম্যাৎশিং অসিদগী ঐখোয়না খঙবা ঙমলে মদুদি হকথেংননা পোৎথোক পুথোকলিবা শিনফম (Directly productive activities) হায়বদি, লৌউ শীংউবা অমদি খুৎশা হৈবগী শিনফম অনীসিদা ফংলিবা শিনমীগী চাং অসি চহী ১০ অসিদা হন্থবকলে অদুগা অতে অতোপ্পা শিনফমশিং মক ওইনা ৱাদনা শেল তানবা যাবা অমদি তলব চাবা শিনফমসিংদা হেন্না মায় ওনশিন্নবকলে। খুৎনেক লৌমীগী চাং হেনগৎলকপা অসিদি পূক্লিং থৌগৎনিঙাই ওইদে মবমদি শিনফম অসিদি শিনমীশিংনা পান্নবা শিনফম নত্তে, শুপ্রাতগী শুফম লৈবক্তবনা হিংদবা য়াদবগী চঙনখিবা ঙাক্তনি। মতাং অসিদা লূরিবা ৱাফম অমদি শিনমীগী অপূনবা শকলোন্দা লাকলিবা অহোংবা অসি অফবা নত্তে, মসিনা নোংমা নোংমগী শুফম-নোমফম ফংলক্তবগী অৱাবা হেনজিল্লক্কনি। মবমদি, ঐখোয় খুদীংনা য়াবোইদবা শেন্দাল লন্থী অমদি তলব চাবা শিনফম পান্নদগী লৌউ-শীংউবা অমদি খুৎশা হৈবগী শিনফম অসি থাদোকনিঙবগী অপাম্বা ফাওনবকলে। অদুবু তলব চাবা শিনফম অসিদি অককনবা খবখক্কী য়ানী, মীপূম খুদিংমক শিনফম অসি ফংবা ওইথোক্তে। মসিগী মহেনা তলব চাবা শিনফম অসি নত্রগসু হেন্না লায়বা মখলগী শেন্দাল লন্থী কয়াদা নত্ত-নত্তবা পাম্বে কয়া শীজিন্নদুনা হোংনবী, লোয়ননা খুন্নাই অসিদা ঙসি অমোৎপা থৌওং (corruption) কয়া চথরকপগী মাঙজবা কয়া ঐখোয়না মায়োক্লরি।

মথক্কী ৱাফম খবসিগা মৰী লৈননা ঙসি ঐখোয়গী খুন্নাই অসিদা চৎনবিবা মহৈ তম্বিবগী থৌওং অসি য়েংবা য়াই। ভাবত্তা অমদি থোইদোক্না মণিপুবদা চৎনবিবা মহৈ তম্বিবগী মতৌ অসি মতম অমদা ব্রিটিশকী লোইলম ওইনা লৈবিঙেদা বৃটিশকী লৈঙাক চুপলিদা মতেং পাংবা ঙম্নবা অমদি মখোয়গী লোয়শঙ কয়াদা চে-চাং শুননবগীদমক তঙাইফদনা তম্বীখিবা মহৈ খুত্তম্বী অদুদগী অহোংবা ইবে লৈতে। মসিদগী থোবকপা মীওই অদু লোয়শঙ খবদা চে-চাং শুদোক-শুজিন তৌবদা কান্নহনবথক নত্তনা অতে অতোপ্পা মশাগী ওইবা শিনফম অমা পাযবা ঙমহনবগী ওইথোকপা লৈহনদে। মদুগী ওন্নতেংলদা মহৈ অসি ফংলবা মীওইশিংনা লৌউ-শীংউবা, খুৎশাহৈবা অমদি মসিগা মৰী লৈনবা শিনফমশিংদা চঙনিঙবগী অপাম্না মাঙহল্লি। মসিগী চপচাবা শক্তম অদুনি ঙসি মণিপুবদা শুপ্রগী মীশিং লাখ ১৮ দং লৈবগী মনুংদা লাইবিক হৈবগা শুফম লৈত্তবা মীওই লাখ ২ ৫ গী মথক্তা লৈ হায়বিবসি। মবম অদুনা চহী ১০০ গী মমাঙদগী চৎনবক্রবা মহৈ খুত্তম্বী অদু হোংদোক্তবনা ঙসিদি লৈবাক অসিদা হকথেংননা পোৎথোক পুথোকপা শিনফমশিং থাদোক্লদুনা অবায়বা মখলগী শেন্দাল লন্থী অমগী মঙ-মঙদুনা লৈবিঙেদা নোংমা-নোংমগী শুফম-নোমফম লৈশিল্লকত্রিবসিনি।

৪। শিনতবা অমদি শিনয়াৎপা ঃ

মথক্তা নৈনখিবা ৱাফমশিং অসিদা য়ুমফম ওইরগা

ঐখোয়না মণিপুরদা থেংনরিবা শূকম লৈরক্তবগী অরাবা অসি কোকহনবগা লোয়ননা চুনবা মখলগী শিনথোং য়াংপদা অঙাইহক্‌পনা হৌজিক চংনরিবা মীহে তম্বিবগী থৌওং অসি হোংদোকপা মথৌ তাই। শমনা হায়রবদা কনাগুম্বা মীওই অমনা এম এ কাওবা অমলুরগা তমব চাবা থবক কংব্রে হায়দুনা দুকান কমপদক লৈরবা, নত্রগা লৌউগদবা ওইরবা নত্রগনা মীহেস্লু তমলুক্রগসু য়াবা শিনকম অমা পায়গদবা ওইরগদি মহাক অদু মতম চঙনা অমদি শেল তিংনা এম এ তমহল্লুবগী কামবা লৈতে, মসিনা মীশক অদুদা মাঙজবত নত্তনা লৈবাক্কী ওইনসু মাঙজবনি মরম অসিনা ঙসি কাওবদা চংনরিবা মীহে তম্বিবগী চপচাবা পান্দম (educational objective) লৈতবগুম্না কয়া অসি শেমদোক্লুনা অককনবা পান্দম অমগী মথাদা কমদ্না তাক্কা করি করি তম্বিগদগে, মপুগী মতুং ইন্না মথংদা করি অমুক তম্বিগনি অমদি তাক্কক অমদা কয়া য়াম্না মীশীং তম্বিবা মথৌ তাবগে হায়বনচিংবা কয়া অসি লেপথোকপা মথৌ তাই। মসিগা লোয়ননা মথাগী থৌরাংশিং অসি শারথংপা মথৌ তাই ঃ-

১। মীহে তম্বিবগী অককনবা পান্দম অমা লেপথোকপা,

২। মীহে তম্বিবদা মথৌ তবা শিনকমশিংগা চানবা শিনদম কাংলোন য়াওহনবা ,

৩। হককথেংননা পোৎথোক পুথোকপা শিনকমশিংদা মতমগা চুনবা চাওখৎপগী কাংলোন শীজিন্নহন্দুনা শিনমীশিং পুক্লিং চিংশিন্নবা হোৎনবা ,

৪। খুদিংমক অসি খঙনা লৈঙাকপগী অহকপা পান্দম ((political will) অমা লৈহনবা।

খুদিংমক অসি নত্তনদি তুংকোইনা চাওখৎপা য়াবা মখলগী শিরোং অমগী লম্বী থিবদা য়ানা থোক্কনি। □

তুংগী মীরোলগীদমক

দক্টিউ. মেঘাচন্দ্রা সিংহ
মণিপুরী দিপার্টমেন্ট

অনীতা

নহাক লুহোংলগনি হায়বা ঐহাক তরে। অদুবু লুহোংবা অদু নহাক নশানা যানীংনা হোংগদৌরিব্রা নত্রগা য়ানিঙদনা হোংগদৌবিব্রা হায়বদুমদি নঙ-ঐ নত্তনা কনানসু খঙলক্রোই। অদুগা লুহোংবগী বাফম অদুদা নহাক্লা মতম কুইনগী মতুংসিদা নশানা অয়াবা পীব্রে হায়বা পাউ অদু তাবা মতমদা ঐহাক্লা কয়াগী মতিক নুঙাইজখিবা অমদি হবাওজখিবা, বাহেনা ফোংদোকপদা খবা বানা থোক্রগনি। ঐগী বাফমসিদা নহাক্লা লান্না লৌখীদুনা ঐবু হায়নিঙঙাই লৈতনা বারৌরক্নসু য়াই। ঐবু মীনুংশি খঙদবা মতমগী মমলবু থওইদবা, নুংশিববু অঙাংগী চাকথোংবী শান্নবগুম খনবা তৌবীমল মশক খঙদবা মীশক অমগুম য়াম্না লান্না লৌরক্নসু য়াই। কবিসু কায়দে, মদু পূম্নমকশিংদো ঐগী ইবানলনি হায়বা ঐহাক ইশানা য়াজবী। অদুবু তশেংনমক্তী নহাকপু ঐহাক্লা পুন্সিগী ওইনা খনখীদবরা হায়বা বাহং অমা ঐগী ইফমদা হংলকপা তারবদি ঐহাক্লা পীবা পাউখুম অদুদা নহাক্লা শেমজিন শাজীনবা চীয়ালথোংগী ওইবা বাহেংগী লৈতেংনী হায়না শোয়দনা লৌগনি। মবমদি ঐহাক্লো নঙগী নফমদা য়েংলিবা শোখববা থওইবীব্রবা নুংশিগী মীৎয়েং অসিনা। অদুবু "অনীতা" মীওইবা সমাজনা থাজনবিবা ঈশ্বর হায়বা মহাক অদুনা করিগুম্বা শোয়দনা লৈরদ্রা থোক্রবদি ঐহাক্তী থশ্মোয়নুংগী অরোনবা কম্না অসি ঈশ্বর মহাক্তুনদি শোয়দনা খঙবীরগদবনি। ঐহাক্তী পুন্সিগী আশা পূম্না নহাকখক্তগী নুংশি পূমফমদা অচেংপা বাশক্তা লোয়ননা শাগৎখিবনি। মসি পূম্নমক নহাক্রুদি থওইদবা লৌনম নমথাক্তী চীরোল বাহেনি হায়না খক্লক্নসু য়াই। অসুক কুইবা মতম অসিদা নহাক্তী বাহংগী পাউখুম ঐহাক্লা করিগীদমক পীখিদবা নহাক্তী নীঙমন্নবা থশ্মোয়গী পাউদমবু ঐহাক্লা করিগীদমক থওইদনা নাঁথেদুনা অশিন্নদনা লৈরকপনো হায়বদুগী মরমশিং অদু ঙসিদি নফমদা ফোংদেক্রগে।

নঙ-ঐ শীশক পীক্রিঙে অঙাং নবা ওইরিঙে মতমদগী কয়াদা নুংশি চান্নরা লোয়নরংগখিবা। করিগুম্বা মতমদা ঐহাক্লা নহাকপু কয়াদা তাথী তাওইনা তৌবীদুনা থীনা থীনা লক্লবীবা। মদুদা নহাক্লা শাউরগা ঐনা কয়াদা পেনজখীবা। নহাক্লা শাউর শাউরগা ঐঙোন্দনী নঙবু হয়া হয়া লক্লনিঙবগী ইথীল পোকখিবা। ঐনবু হায়রবদি অক-কক্ত খঙদনা নহাক্লা ঐবু কিবদগী ঐগী পেন্নবজ হোংনখীবা। যৌবনগী মতম য়ৌরবদসু মহৌশাগী মতৌগুম লাপথোক্লবা লৈখিদে লোয়নদুনতা লৈখি ঐখোয় অনী মতম চুপ্নদা। অহল লমনশিংনসু অথীংবা পীখিদবনি নঙ ঐগী নুংশী ইচেলদুদা। হেন্নদুম মথৌ শঙখীদুনা কীখিবনি থশ্মোয় অনীগী কিশি মখোয়গী অপাম্বগী মতুংইন্না। অমনা অমবু থাজনবগী অমত্তা ঙায়রবা নুংশিগী যুমফম অদুদা লেপমিন্নদুনা শাগৎমিন্নখীবনি লেংলরোইদবা আশাগী লৈপুন। মঙলানগী মতৌগুম থিংবীনবা য়াওদ অউথমিন্নখি শক্লবা নুংশিগী ইচেলদুদা পুন্সিগী হিদেন অদু অম্না।

অদুবু অবা নুঙাই লোয়নদুনা চংপা পুন্সিগী শক্রোননিনা নঙ ঐগী নুংশি ইচেল অদুসু মতমগী খোঙলে তুংইন্না ঈখায় শীবা হৌরকখি। বাবাগী থবক মকম ইম্ফালদা ট্রান্সফার তৌরকপগা লোয়ননা ঐসু ইমা বাবাগী মতুং ইন্দবা য়াদবদগী মখোয়গী মতুং ইন্দুনা ইম্ফালদা লৈবা তাখি। মতমদুদা চংলমদাইগী কায়নরমদাই মীংকুপতুদা নহাক্লা হায়নিঙবদি

কন্না অমা হায়জবদি ঙমজদা পুন্সিগী কাউনগুমসিকো হায়বা ৱাহেংগা লোয়নননা নহাক্কী মীৎলুদা হৌবকখিবা পিগী ঈয়া। পিবাংশিং অদুবু ইখুৎসিনা তৈথোক্লগা তনৌববী খুৎশাশিং অদুবু চেংনা পায়রগা পুন্সিগী ওইনা অরেম্ননি হায়না নকমদা থাজবা পীবন্না— নীংশিংলি থোকখিবা যৌদোক খুদিংমক থম্মোয়সিনা কাউবা লৈতনা—।

ঐহাক বি এ পাস তৌববা মতুংদা মাষ্টর ওম্নবগীদমক পুনেদা চৎখি। ৱানা লেনখি মতম কন্না নহাক্কা মতম শাংনা উম্নবা ফংলবোহি খল্লুবদা। চিঠি কন্না অমসু ইন্নখিবদাহি ঐখোয় অনী। অসুম্না মতম থবা হৈত্রবা মতুংদা ঐসু মক্ষমদুগী হবা নুংশিংতা চুশিন্নবা হৌবকখি। ইমান্নবা খঙনা চান্নবা কন্না অমসু লৈবকখি। মখোয়শিংদুগী মনুংদা ঐগা য়াম্না লুনা তিন্নবা ইমান্নবা ড্রগ চাবা অমসুং কাপ্পা খয়া য়াওবমই। অফবা সঙ্গ তৌবগা পুণ্য ফংই, ফত্তবা সঙ্গ তিন্নগা নোবোক্কী কোমদা তাই হায়বদুমক ঐঙোন্দা থোকখি। ইমান্নবশিং অদুনা খুদোংচাবা অহাঙবা তাঞ্জা য়েং-য়েংদুনা নুমিৎ খুদীংগী ড্রগ শীজিন্নবম্মী। ঐসু মখোয়গা মতম পুন্নদা লোয়নববনিনা মখোয়না তৌবিবা খুদিংমক উবম্মী। ড্রগ কান্নবা মতুংদা মখোয়না কন্নাগী মতিক নুঙাইবা, সংসাবপুন্না কাউথোক্লুনা মঙলানদা তাউবগী ৱাবী কযাদু ঐগী ইফমদা ততুনা লীরম্মী। অহানবদদি ঐহাক মসি য়াম্না ফওবা থবকনি—হু চাদুনা ইখুৎমক্না মোংফম থক্তা চিতাগী শীং অদু ইশানা শেমজবনি খন্দুনা করিসু থৌওইকদে। অদুবু চাদ্রিবা চিঞ্জাক্কী মহাও— খঙদ্রিবা পোংকী মগুন তৌকদ্রিবা থবকপু চাং য়েংনিঙবা মীওইবগী হৌনশা অমুক্তং চাং য়েংনিঙবগী ইথিল অমা ঐগী থম্মোয়সিদা থিংঙমদনা ফাওবকখি। মতাং অসিদনি ঐগী পুন্সি খঙহৌদনা হুন্নকপা তমথিববা নোংলৈ নুংশিৎ অমনা ঐগী থবাম মীবেন অসিবু খঙহৌদনা শবেল চনখিবা। অদুদগী খঙ্গহৌদবা মীৎকুপ অদুদা ক্লাফাওবা পুন্সিসিদা চাবকত্রিবা পোকপদগী নিশা হায়বদু কবিনো হায়বা মশক খঙলক্লিবা ঐনা পুন্সিগী অহানবা অমসুং অরোয়বা ওইনা ৱাশক অমগা লোয়নননা ঐহাক ইমান্নবশিং অদুদা ড্রগ কাপমিন্নখি। মদুগী রিয়েক্সন অদু করিনো হায়বদুমদি করিনো হায়বা মফম মরাং খঙখিদে। অদুবু অদুবু অনীতা মসিগী থা ৪/৫ গী মতুংদা হকচাংলি ইচোক চেকথৈ ইনুং নুংঙাইতে হায়দুনা দাক্তরদা চেকআপ তৌবা চৎলি। মদুদা দাক্তরদুনা ঐবু চিংনদুনা ব্লদ টেষ্ট তৌখি। ব্লদ টেষ্টকী রিজল অদুননি নঙ ঐবু ঙসি কায়না ঈশাক্তা লংথমিরিবা। ৱাফম অসিবু ঐহাক্লা নকমদা ফোঙদোক্লরগা নহাকসু পুন্সিগী ওইনা অন্নাবা ঈশাক্তা ইবাক্লদুনা লৈবগনি খল্লুবদগী ঙসি ফাওবা ফোঙদোক্তনা থমলকখি। অদুবু মতাং অমদি মতমনা ফোঙদোক্তবা য়াবকত্রবদগী নকমদা ঙসি ফোঙদোকলিবনি।

'অনীতা' ঐহাক ঐহাক এইচ আই ভি পোজেটিব ওইববা মীশক অমা হায়বদু তশেংনা ওইবে। মসিগী ৱাফম অসি ব্লদ টেষ্ট তৌবিবা দাক্তব অদুনা ঐঙোন্দা ময়েক শেংনা বিজন পীবক্লবনি। ৱাফম অসি ঐগী ইমুং-মনুং ইমা বাবাদা ঙসি ফাওবা ফোঙদোক্তনা থত্রি। কবিগুপ্তা ঐহাক্লা মসি ফোঙদেক্লুবা তাববদি মখোয়গী পুন্সি অমম্না মবক্তা তিনখিদুনা পিথমনখিবা হায়বসি শোয়দ্রবা ৱাফমনি। ঐহাক নত্তনা মযীৎতা অতোপ্পা মচা অমা উবা ফংজদ্রবা ইমা-বাবানা মচা ঐগী নুংশি শক্লোন অদুদি খঙদবনা ঐহাক্লা যুমদা হেক থোবকপগা যুম পানবগী ৱাফম তকশিল্লকখি। নঙ-ঐগী মবীদুসু মখোয়না যুম্না খঙবনিনা নখোয়গী অহল-লম্মনদা হায়না-শীংনদুনা লুহোংগনি হাযবগী ৱাফম হৌদোবকখি। অদুবু মদুদা ঐহাক্লা যুম পানখিবোহি হায়না কন্না হায়মনবদগী ৱাফমদু তুমিন্না লৈনখি। ঐগী পুন্সিদা যুম পান্দুনা ইমা-বাবাগী নীংবা থুংহন্দুনা মখোয়গী সেবা তৌদুনা পুন্সি লেন্নু হায়বসি অন্নমদ্রমালে। নহাক্কী ননীং থুংহনবসু ঐহাক ঙমগনি হায়বা থাজবা ঙমদ্রে। ৱাবৌগনু ঐহাক ঐহাক পুন্সিসিদা যুম পাল্লবোহি। ঐহাক্কী পুন্সিসিদি মোংফমথক্তা য়াতত্রবা অবোযবা খোঙচংকীদমক মৈ চুবা ওয়বিবা অদুগুম্না পুন্সিগী মীৎকুপ অদু নকশিল্লবনি। মসিদা ঐহাক্লা যুম অমুক পাল্লুবগী কান্নবদু করিনো। ঐহাক্লা যুম পাল্লুবা তারবদি ঐহাক্কী চারোল-শুবোল খুদিংমক তমথিরবা লায়না অসি পকহৌবা হায়বসি শোয়দ্রবা ৱাফমনি। অদুদগী অসুম পাকথোক শনদোরক্লুনা ইজাতিসিগী মীপুম খুদিংমক তমথিরবা লায়েংবা ঙমদ্রিবা লায়না অসিগী খায়াৎনুংদা তাবিদুনা জাতি অসি পুন্মঙ মাঙখিবা অমদি মুৎখিবা য়ায়। ঐহাক হয়েশাক ইজাতিবু নুংশি সমাজসিবু কনবা পান্মী। হায়নবদায় কোয়ৌ মানা ৱাংববা

পঙ্খৌ মহাক্লা মহেল্লি। মালেম মানা লৃম্বরা পলেম ইমানা মকম্মী। অদুবু পলেম পঙ্খৌ পোক্লিবী পোক্রফম লমদমনা পূম্নমক্তগী অথোয়বনি হায়না— । মবমদুনা ইমা-বাবাগী নীংবা থুংহন্নবীদমক— ইশাগী ওইজবা খবগীদমক— ঐহাক্লা মবম ওইদুনা ইমা নৈবাকপু নৈথা তানা মাঙহন্দুনা ইজাতি অসিবু মুথৎপা ঐহাক্লা পামদে। ঐ অমা মাঙখিবদি কবিসু নত্তে। অদুবু ঐনা মবম ওইদুনা সমাজসিবু তমথিবৰা মমীং ফাওবা পম্নিংদ্রবা এইডস হায়বা লায়না অসিগী চাকতাফম ওস্তোক্তুনা তুংগী মীবোলবু অৱাবা পুবা ঙম্রবোইদবা পোৎলুম থোঙ্গৎতুনা— কাখৎলকপা ঙমলবোইদবা লূববা পাপকী ইবোম্নুংদা ইঙ্গবম্বা ঐহাক থম্মোযসিনা যানিঙদে। মবমদুনা ঐহাক পুন্সিসিদা যুম পাল্লবোই হাযদুনা লেপখিবনি। খঙ্গহৌদা মীংকুপ অমদা ঐগী পুন্সিদা তাথ্রিবা দশা অসি তুংগী জাতিগী যুম্বীবেল ওইবক্কদৌবিবা নহাবোলশিংদদি হবিনাম লীশিংলক কামদুনসু কেক্রেবোইদবা পাপ অসিবু লঙশিনবা ঐহাক পামদে। ঐগী ইফমদা তাথ্রিবা দশা অসিনা তুংগী মীবোলদা অচৌবা পাবা অমা ওইহৌবশনু।.

ফবে লোইশিন্নবা তৌবগে—, য়াম্না শাংনা ইমনত্রমালে—। অবোযবা ওইনা ৱাফম অমতংগা নফমদা হায়খিগে। 'অনীতা' ঐহাক নহাক্কী লুহোংবা অদু য়াম্নদি লাক্লিংবনি, অদুবু লাকপদি লাকলবোই। নহাক্কী লুহোংবা অদু ঐহাক্কী ইমীংসিনা মতৌ কবম্না য়েংবা ঙমগনি। মতম অমদা পুন্সিগীনি খন্না ঐহাক্লা চেংনা হায়খিবা নহাক্কী খুজেং অদুগা, নখুংমক্লা লেংজবা কুন্দো শবেং অদুবু থোং নৌববী খুংশা অদুনা পায়বগা লম্রানবা মীওইদুগী ঙকশমদা নীংবা কায়ববগী পিবাংলক্তা হক্লিংদ হক্লিংদ কুন্দো শবেং হকপদো ঐহাক ইমীংসিনা য়েংবা ঙমলোয়। ফবে কবিসু খন্নববোইসি—, লাইবক্তা তম্বা হায়বদুনি খন্দেক্লসি। পুন্সি হায়বসিদি কায়নবা ঙাক্তনিদনা অহান অকোন মফম মতমগী ৱানি। হিংলিঙে মতম খবাসিদা ইবেপাক ইবমদমবু তমথীববা লায়না অসিদগী কন্নবগীদমক অচুম্বা লম্বেলদা খোঙ থাংজিন্দুনা অঙম্বা খবদং ওইববসু ঐখোয়গী নৈজবিবা থৌদাং পাঙখেক্লসি। ৱাবৌবিবোই— পেন্দবা কয়া কয়া নৈববসু ঙাকপী হৈবী থম্মোয়দুনা ঙাকপিগনি। অবোয়বা ওইনা পুন্সিগী অবোয়বা খুদোল ওইনা চিঠিসিগা লোযনখিবা পোংশক অদুমদি ঐমক্লি খন্না পুন্সিগী ওইনা মতম পূম্বদা চেংনা থমজিনবিয়ুকো। লোইশিন্নগে— মথং মপোক লাংওল অমদা ঙায়বম্রগে নঙগী লম্মন শিংনবা নঙগী নীংবা থুংহনবা॥

ৱাবৌবিবোই নহাক্কী
মতম অমগী
'প্রেমানন্দা'

চাগী এরোপ্লেন

নাওরেম অহনজাও মৈতৈ
এম এ প্রিভিয়স, মণিপুরী দিপার্টমেন্ট

মতম কুইনা মপান্দা লৈরক্রবনি (হায়বদি অগ্রাদা) ঙাইহাক্কী মতুংদা ঐগী হৌফম শাংফম মণিপুরদা অমুক থুংলগনি খল্লুবদা পূক্লিংসি ইবাং লাংই, ইশাসি ইতাও অওই, লৈতাফম খঙদে। কুইনা উনরক্রবা ইমুং মনুং, মরূপ-মপাং, কৈরোম লৈকায়গী ময়াম অমা উনবা ফংলগনি। অমুক্তা হেন্না লাঙ্গতক্রহল্লিবদি ফোটো খুদীং শুগংপী, নোকপদা রাণি লৈবী, চিঠি তোয়না থারকউ য়াদবীদো 'মা' উনকনি খনবদনি। মদুনা করম তৌবমগবা ? চিঠি ইবক্তবা ফনা কুইরে। নত্তে মাবু মহৌশাগুম লৈবমখিগদ্রা ? নত্তগা শাইনোনকাদু খোমগংলদনা হেবা মসি খনবা হৌনদবা বানিদা। অদুক কপচেংপী মানবু ঐবু থাদোকপা ওইখোক্তবা বানি। বিপোর্ট তৌববা মতুংদা প্রেন থাবা ঙাইদুনা সিটঅ লৈবে। ইহে ' খঙনিঙ নীংশিংলকই ইচে ববিতাদো মপূরোইবা লৈখিদ্বসু থা ৮ লোম্ন ফাখ্রে। ঐবুদি মৌপ্রাদা মৌপ্রাগুম তৌবিরকপনি। ঐনা পুংকক চাউরকপা মতম ফাওবা পোকমিন্নবা নত্তে হায়বসি খঙলক্তে। বি এ অহানবা চহী তম্রকপদগী ঐদি মপান্দা লৈবকপনা মাগী লুহোংবা, মচাগী স্বস্তি থৌরম, ইবাইগী কর্ম্ম অমত্তসু য়াওবা ঙমহৌদ্রে। মানা ঐগীদমক হোৎনবীরকপগা হায়করবদি ঙসি ফাওবা মাগীনি হায়না করিমত্ত তৌরম্বা ঙমদে। মরাইবক থীনা হৌবকপনি, হৌজিকসু নাহ্রোকপা য়াম্ররোইদবা লাইবক ফমারক্রি। নীংশিংজি।

নোংমা কালেনগী নুংশা য়ক লাউবা মতম্নি। ওমচক্রম্বনা ক্লাস পূক্লিং চঙনা য়াওনিঙলক্ত্রে, ইতন তনথরে। অদুগী মথক্তা অহকী ওজা গুলাপকী ক্লাসসু লৈ, ওহ্রোক্লা ফুগনক্রবা। হোম ৱার্ক তৌরক্তবদা চৈ তম্না, অমা হংবা খঙদবদা চৈ মঙা, মাগী হোম ৱার্কসু তৌহৌদ্রে। মকোয় ক্রি-ক্রিং চোংলদুনা হোবেল মানা তৌগদবদু খল্লুবদা ঐ য়ুমদা লোম্না চেল্লক্লে। ঐনা মুম য়ৌরকপদা ইচে'তাদো ফি শাদুনা লৈবম্মী।

মহাক্লা ঐবু য়াম্না চৈখি। ছুটি হবানবগী অমাঙবদু ময়েক শেংনা তাকপীখি।

'ইঙো ! মতুং অমুক্তা তৌববদি ঐবু ফত্তে হায়নুকো '

'ইচে'তা ঐ মতুং অমুক তৌজববোই, বাজিদা হায়দোক্লনুকো।'

'হোই-হোই— (নোকমি নোকমিনা খুম্রকখি)।

নুমিদাং বাজী হেক হল্লকপদগী অথাক অবাও তবকপগা চপ মান্নখ্রে।

'ইঙো কদায় চংখ্রে ? শিশক পীক্লিবা মানা সি য়ৌনা লম হেল্লিবসিনদি খরগা চাউবক্লগদি কবি। মসি মমা মপা, শাগে নাতে চেহ্নগদৌবিবা অঙাংনি। অঙাং ৱারকউ নত্রবদি স্কুল থাবক্তনবা হায়রক্লিবনি মখোয়গী ওজা গুলাপ্লিনা'। ঐগীদমক মীপায়বনা ইচে'তাদো মিহুন চেনগুম চেনগানখ্রে। ঐ হাক্কনবা হোৎনবদা নুমিত্তো মনমদা চৈশীং খঙদনা চাখিবনি। ইচে'তাদো য়াম্না কপখি, থম্মোয় শোক্লা কপখি। অহীং নোংযাইফাও শুং-শুং তৌদুনা কপ্পগী মখোল তাখি। মতমদু ঐসু পীক্তা পীকলিবা অঙাংমত্তি নত্রবনিনা য়াম্না নুংঙাইখিদে। মনাক্তা তম্না চঙশিন্দুনা মতিং মতিং পোমলিবা চৈকমশিংদুদা তম্না নাম্লুই।

'নঙ মীকত্তনি, চংখ্রো চংলো, নঙনা ফত্তবদগী নত্রো সে '

'ইচে'তা', মতৌদুদা ঐসু পি তাখিবা খঙহৌদে, চংলগে হায়না হেক লৈথোরকপদা ঐগী খুদাং শায়দুনা চিংশিন্নগা ঐবু চেংনা কোনবীবদুনা 'ইঙো কবিগী কপ্রিবনো ? নঙগীদমক

নচে ঐ লৈরিবসিদি' । ইচে 'তানা ঐগীদমক ৱাবীখিবা মীৱা তাখিবদি মশীং থাদুনা লোইবা নত্তে।

পূং ৯ ৩০ ফ্লাইত্তা খোঙলৌ পল্লৌ য়াওদনা মণিপুর য়ৌরে । নুমিত্তুদা ঐনা সিভিল লাইন্দগী ইচে'তাগী মচাদুগীদমক খয়া লৈবকপা চাগী এবোপ্রেন্দু পুদুনা ইচে'তা হোয়দা চংলি । অঙাংদু ফনদি চাউরপ্রগনি, চংপা চেনবা ঙম্রম্মগনি। ঐনা হুবেন এবোপ্রেনসি পীবা মতমদা মমা মচানা কয়াদা হবাওজগবা। হয়, ইচম চম্নদি হেক্তা পীথোক্লোই। মমা মচাদু পূমঙক ঙকহনগে ' এবোপ্রেনসি চাবী নীংথিনা থাজিল্লগা থম্নদা জ্-জ্ চেল্লগা মতেক খবা পাইবদু উবদা মমা মচানা পূমঙক ঙকপদো কুম্মে ওইনা ফনা নুংঙাইহনি । যূমদু পীকচববসু তনান তনাল্লি, দারি ময়াদা লেপ্লগা 'ইচে ইচে'তা ইতে ববিতা লৈত্ববো ?

'কনানো লৈয়ে।'

'আ ঐনে ইচে 'তা। ঐ লাকএ।'

'হৈমা ইঙো ' নঙদি কৈদৌঙে থোবকই ?'

ইমুংদগী থোবকপগা হায়বকপনি । মহৌশাগী নোকমি নোকমিবদো ঙসিসু হোংলমগ্রি, শকক্রমতনি খবা ময়েং তাবম্না। লৈকায়গী পাখঙ অয়াম্বনা ঙাওনখিবা ম্নাগী পোতক তৌবা ময়াদো ঙসিসু খূংফম কায়বমগ্রি।

'ঐ ঙসি আ হৌজিক থূংলবনে ফি ফাওবা হোংদোক্ত্রি। ঐ ইচেবু উনিঙমনবনা হেক্তা চেল্লকবনি । অঙাংদি ' পন্দে ইমুংলোমদা ওনশিন্দুনা মচাবু কৌথোকই । কয়াদি নুংশিবে অঙাংদো, তনোয় তনোয় মশম মনা ম্বাই ম্বাই, নোমহৌ নোমহৌ চেম্থোবকই, ঙাইহাক্তু মীংফম হোংবা য়াদে, শমু মচাদুঙাই।

'ইঙো ফম্মো , নঙদি য়াম্না চাবমানে ওম্থোক্লা নোয়থোক্রম্মেদা।'

'ঐ খবা নোয়রে, হোষ্টেল হৱায় মহি থকপদগী। অদু ইচে 'তা নঙ য়াম্না থিজিল্লম্মেবো।'

'যূম পাল্লবা, ইচা লৈবফাওবা সুম ফজদনা লৈগম্রনে, অঙাওবা নঙনা ঙাঙলিদুবো'।

ৱারী ৱাতাই ঙাইহাক শাববা মতুংদা অঙাংদো ইনাক্তা কৌশিন্দুনা 'বোই নমিং কবি কৌই ?'

'বুং বুং '

'বুং বুং, নঙদি ক্লাস কয়া কারে।'

'ক্লাস ৱান।'

ওম্থোক্লা ইচঙ থৌনা খুম্মকই । ঙসাই মখোদি ঐবু মাম্না কোইবম্বনি। হৌজিক্তি ফুবিংখাওদা য়াওরিবা চে-কলমনচিংবা লৌথোক্তুনা পায়বা হৌবকই।

"বুং বুং সি পাম্ববা য়েংউনে, নঙগীনে আদগী লৈবকপা" চেগী উপুদু হাংদোক্তুনা চাগী এবোপ্রেন্দো লৌথেক্লগা চাবি থাবগা মাঙোলদা থম্মী । এরোপ্রেন্দু লৈমায়দা জ্-জ্ চেল্লগা মতেক খবসু পাই । মমা মচাদি অঙকপা অমা ওইবম্রনি খল্লি । ঐনা তৌবিবা অঙকপা থবক্তুগী মায় পাকপগী মীনোক অমগা লোয়ননা 'বুং বুং সি পামদ্রো নঙবো' । বুং বুংদো খুমদে, মমীং কুপ্তুনা এবোপ্রেন্দা মুম্না য়েংদুনা লৈ। থোইনা ঙকপসু মাম্দে , কবিগুম্বা লাংতক্লবা অমখক্কী মমিদি মাগী মায়থোংদা অখিমানে।

'মমা ঐথোয় ববানা লায়েংবা চংখিবদু অসিদা নক্রো' ?

ম্বাই লাউই কোকচাউবী ফুং কায় ।

হৌজিক্তা মকালাম্না মোমোম্নবম্না ইচে'তাগী মায়থোংদু খঙহৌদনা মীকুপ্তুদা ৱাহনা উম্রবা থাজগুম পুম্মক মর্কাশনখ্রে। পাউখূমদি পীদে মচাবু চীঙনা য়েংলকই।

মতম পূম্বগী ওইনা অকাউবগী যিজ্জং মকমদা লোক্তুনা থমখ্রগে খল্লম্না পুন্সিগী কাউঙমদ্রবা ৱাবীনি । ৱাবীদুনা থম্মোয়বু মচেং তানা থুগায়খিবদগী হৌজিক ফাওবা খোমজিনবা ঙমদনা ওমচক্লুনা লেল্লকখিবনি।

নোংমা থেংলবা অহীংনি । মীচিক মীবাওখোল তাদ্রবা মতমদুদা নোংনসু অখাক অবাওগা লোয়ননা মায়কে খঙদনা লেপ্তুনা চুই। মীকপ থোক্লকপদা য়াম্না নক্লা নোংমৈ কাপ্নবগী মখোল মশীং থিঙমদনা তাবকখি। মচা বুং বুং মথানুংদা চেংনা কোনশিনৈজে । ঙাইহাক্কী মতুংদা থোং নমখায়গদৌগুম্না কন্না থিল্লকখি । থোং হাংদোকপগা বুং বুংগী মপাবু ওমাঙলোমদা চিংথোকখি । ইমুংদসু কাংখ-লুখা অমদি য়েনখা লুখা শীনবা থুংনা কোয়থি থিরি।

'কহাঁ হৈ এক্সত্রিমিষ্ট ?'

'মালুম নাহি ভাই সাহেব' 'মালুম নহি মালুম নাহি'।

শুমাঙগী নোং মবক্কুদা খোংউপ বুটনবু কাউবনে, নোংমৈ বটনবু শুজিনবনে ঈহিং-নাহিং শানা ওৎপি নৈবীবি। 'হৌজিক্তা খুৎলায়গা কোম্লনা ইমুংসিদা চেনশিনখিবদো খঙদ্রা, মসি লান্দহৌববু চঙজফম পীবা, ঐখোয়গী য়েক্লবনি। খুমক্কী ঈনা লাই শাবা বদমাস ।'

মখা তানা অমুক্কসু হন্না হই ময়াম অদুনা শদুম অদু মুমরি। "ইপুবোইবগী করি মবালনো, ইপুবোইবগী থৱায়তদি কর্নবিরম্মো থৌনাফবশা"। মখোঙ পায়দুনা ফনা কপ লাউদুনা হায়ইজে ইচে'তা অদুবু তাবিবগী মহুক্তা ঈহিং নাহিং শারবা মপুবোইবগী মমাঙমক্তদা শাহিং চাবা শাশিং অদুনা করেম কথাইনদুনা নোক খেদুনা নুপী ওইবীগী , গ্যান তাদনা লৈমায়দা ৱাম্বুখি। অহীংদুদনি পীক্রি মচেৎকুম্না কাম্নখিবনি থম্মোয়দো। কনা অমক্তনদি খঙবী তাবিখিদে, হেন্না লাইবক থীবদি মতমদু দাক্তরশিংগী স্ট্রাইক কম্না চৎথবি অদুনা মপাল্লমদা ইবাইবু পুবগা লায়েংবা নক্তনা উপায় লৈখিদে। অদুবু লায়েংবা লোইরদুনা ফবগা থোবকপদদি প্রেন ক্রাশতা বুং বুংগী মপাসু পুম্নিগী অবোইবা য়াইপ তানখি।

মীরমদা লাইবিক তম্না চৎখিবা মৌপ্রানা মতীক চাবা মীশক অমা ওইবকপা, পীক্রিবা বুং বুংনা শায়েপ কাংদোং ফাবকপা, মতমদুতনি ইচে'তানা ঙাইজরিবা। অদুবু মৌপ্রানা বুং বুংগীদমক পামজনা লৈরকপা চাগী এরোপ্লেনসিনা হৈগ্রবা থৌদোকশিংদু নৌহৌননা য়াকাইহনবীবথে। 'হা' ময়া অসিদা ঐখোয় বাবা য়াওরমগদ্রা ?' থম্মোয় ফাওনা চেহবকপা পিনা পাখোঙ থুম্রবা মমীৎ অনীদুনা মচাবু য়েংলগা বুং বুং ।

মখাদি তাখিদে, মচাগী পাউখুম পীবা ঙমখিদে। কবম্নদি ঙম্নগনি নৌনা লুত্রা ওইহৌরবী হকশোক মৈশা লাংহৌববী মঙোন্দা অদুদগী হেন্না লুম্না ৱাহংবু কবিনো ? অঙাংদুদি হংবা লেপ্তে। হন্দক্তি বুং বুং মপি ইবা চেল্লক্লে। অঙাংদুগী মীৎলুদনা কবিগী পিগী ইরানো ? ৱাহংশিংদুগী পাউখুম ফংদবগীদমক্তা নত্রগা আপশকুগী থম্মোয় মচা অদুদগী মপাগী প্রেম ঈহৌবক্লববা ?

'হাইয়ো ইমা, বাবা চৎখিবদো অসিদা নত্রো ?'

'বাবা লাক্তিবসি কবিগীনো ইমা' ?

খাঙবা ঙম্রকত্রমানে ইচে 'তাদো পাখোঙদা পল্লম্বা মীৎকী পিদু লৈমায় য়ৌবক্লে। ৱাদি ঙাঙদে, মচাবু শুপকোন কোনখৎলগা শুম্নগী ৱা মচেৎ অমফাওবা হায়বমদনা ইমুংদা চেনশিনখি।

মমা মচাবু ঙকহনগে, হবাওহনগে, নোকমিন্নগে খম্না পুবকখিবা চাগী এবোপ্লেনদুদি মপু লৈত্রবগুম কনাসু লৌখৎপিদনা মাঙোল নাকথদা মদোম তবক তাদুনা লৈরি ॥

করমদি তৌনি

সুভাসচন্দ্রা নাওরেম
কেমেস্ট্রি দিপার্টমেন্ট

ঙসিদি ঐখোয় ময়াম অঙাং ওইরিবিঙেগী মরী অমমম লীনদুনা ঙৈহাক পোথাকশি হায়দুনা খোংনাং মখোঙসিদা লোইনা পুল্লে। হৌখিবা পুন্সি নীংশিংনদুনা মরী তৌবগী নুংঙাইবসু অদুম লৈ। অদুবু, সুবেশতি ময়াম্মা হায়নবিবা মাফমদু ইয়া য়ানিঙদবা/য়াওনিঙদবগুম্বা অমা তৌবি। পায়বিবা চুকটতু শাংনা অমুক্তং চীংলগা হায়বকই 'হেবা ' অঙাং ওইরিবিঙে মাবু কবি কান্নদনা" মাগী ফং হেক্তা ককথংপিদনা বসন্তনা খোল কল্লপ হায়বকই– "ভাই ! অঙাং ওইরিবিঙে পুন্সিগা তুংদা ওইবক্কদবা মী অমগী পুন্সিগা য়াম্না মরী লৈনবনি, অদুবু মসিদা য়াম্না হেন্না খঞ্জিল্লুব্রগসু ঙসিগীসিদি চুম্না ঙৈহাক পোথাসি হায়না তৌবনিদা'।

অদু ফাওবা সুবেশতি মাগী ফীবেপ্প ইহোং হোংনিঙদবগুম তৌবি। বসন্তনা ম খা তাবকই, "ঐখোয় মীওইবসে ঐগী ঐগী ওইবা মাফমদদি অতোপ্পা কনাবু পুক্নিং চীংশিন্নবা হোংনবা ঙাকানি, অতোপ্পগীদদি অরা/নুংঙাই কয়া শরুক য়ানিঙগনদে, ইশম শম্মা, মরী অমা শান্নবা মতমদা ঐগী মরী ঙাক্তা শান্নিংবনি।

'তৌবগীবুদি ঐখোয় ইশা ইশাসি য়াওবা গ্রুপ ফোটো অমা পুথোক্লুনা য়েংবদা ঐবু ফীভম তাবিব্রা/তাব্রব্রা, কমাই তৌরি হায়দুনা ইশাবু হান্না য়েংনবা ঙাক্তনি, হায়দি ঐখোয়সে ইশানা ইশাদা ইস্তবেন্ত লৈজবা কাংলুপনি'। নরেননা বসন্তগী মতেং পাংশিন্নকখি।

মাগী ওবজবন্তেসনদু চুনখিবরা/চুনখিদবরা ঐ খোইনসু খঞ্জিল্লুব্রে। বসন্তসু মখা তাগে তৌরকই, অদুবু মাফমসি লমৈকে অমদা চংখিবা তারে হন্দুনা ঐনা হায়বে "মরীসি ঐঙোন্দগী ওইনা হেক্তা হৌরক্লগেকো ! ময়ামদু তুমিন তুমিন লৈনব্রে, ঐসু ঐগী মরী হৌরে।

ঐনা গ্যান খবা খবা অবকপা ক্লাস থ্রি-কা তমলকপা অদুমাইদনি, ইমাহোয়না মরী শান্নবদা হেক হেক য়াওবকই "ঐখোয় সনাতোম্বসি হোসপিতালদা দাক্তর পুর্ণিমানা পোকখিবনি"। ঐবু ঐখোয় ইমানা পোক্তবা ওইরমাল্লে থল্লুবদা ঐ-ঐ থমায় য়াম্না নুংঙাইখিদে। মানা ফুবকাসে ঐ পুক্নিং নুংশিনগা হেক হেক ঁপখি। পোক্তবনিনা মীনা থীনা থীনা তৌবিনি, খনখি। দাক্তব পুর্ণিমা হায়বিবী নুপীসি ঐ য়াম্না শাউর্নিঙখি, মানা হন্দোক্লমদুনা ঐবু মীনা থীনা লক্লবিবনি, হেক উন্নবা মফমদুদা হাংতোক্কনি খনখি।

নোংমা ঐখোয় মেম্মীগী তেলজা শাখিবিঙেদা নুপী অমা লাকখি। ইমাগা নুপীদুগা য়াম্না হরাওনা মরীকা শান্নে। ফনাকুইনা মরী তৌনববা মতুংদা ইমানা নুপীদুদা হায়খি "তু, অসিদগী নুপাসিনি নঙনা পোকখিবদু"। "চাউবেনে, পাখঙকা ফাগদৌবেনে, মাশিদি মতুম মতুম য়াম্নিদা, ইচাদি" নুপীদুনা হায়বকখি।

ওহ! মসি ওইবা ভাই দাক্তর পুর্ণিমা অদু, ঐনা খনখি। ঙসিদি নঙগী নুমিৎ শুরবনি, হায়দুনা ঐনা ঐখোয় বাবাগী হোক্কী ট্টিকতু লৌথোক্লুবগা মরী শান্নবিঙেদুদা মরাইবক্কুদা লৌবনিদনা অস! থরো থরো ওল্লিহে, মাগী মতৌদুদা চেহ্লোরকপদা ঐখোয় ইমানা য়াংনমসিদ ২/৩ লক তাম্না তাম্না শাহবকখিবু ঐ য়েন তাখিদে। ফনা খোংলকাও ঐ য়ুমদা চঙখিদে। মজ্রকান্দদা ঐখোয় বাবানা ঐবু ইমুংদা পুশিনখিখি। নুপীদু মরাইবক্তা মফম অহম খোক্লা ফোংলি হায়। ময়াম ঙদুনা ঐঙোন্দা মীগী মকোক করিগী থুপাইক্লরিবনো হংখি। ঐ শাক হেক্ত খুম্না ঙমখিদে, ফুবকদবোই নিঙখি। মজাংদুদা ইমানা "মসি ঙাওওগদৌরিগা খঙদেদ" হায়না শাংখি। ফনা কুইনা খেম্নরবা মতুংদা হিক হিক লাওনা ঐনা হায়খি "ঐবু

মানা পোক্লগা হনদোকলম্মী নত্রা ? অহানবদদি ময়ামদু অমগা অমগা ভক্লা য়েংনে, করি হায়রিজাথনো, করি তৌরম্বাদগী হায়রকলিবনো, হংনখি মরমসু খিনখি। কাইনথংদদি ঐখোয় যাবানা হায়খি, পুম্নমকসি ঐখোয়না অঙাংদা অশেংবা পাও অকন্বা মওংদা য়ৌহনবা ওমহৌদখননি। য়ারিবমখে কম্যুনিকেশন গেপসি লৈহন্দনবা হোংনবনা ফবজাংনি। ঐঙোন্দা ফুবদি ফুখিগ্রে।

খরা লৈরগদি দাক্তর পূর্ণিমাদু ঐগী ফুরিৎ-খোংগ্রাও অনেপোংকা ময়াম অমা পুল্লগা লাকখি। অদুবু মা উবদা ঐ য়াম্না কিজখি। মানা ঐবু মাগী মনাক্তা কৌশিল্লগা নানবীখি মঙোন্দা "ইমা" কৌ হায়রকখি ঐসু কিবোহ লাক্পোহ "ইমা" অদুম কৌথোক্ত্রে। অদুদগীদি মরক মরক্তসু মাগী মনাক্তসু অদুম লৈহল্লী। ঐনা লুহোংবদা মানা কুজ্জা য়ানি হায়রিবনি। হৌজিক্তি গ্যানসু ফজনা অরবনিনা কনানা শোকপনো খঙলব্রা? নয়েননা হংলকই। হৌজিকপুদি খঙলেদা, ঐবুদি ঐখোয় ইমা শখিনা পোকপনি, নহানবাইদবু লোলগী টরমিনোলোজি মুম্না খঙদদুনা পংখনদা খনবগী বানি। দাক্তব পূর্ণিমাদি ? চপ মান্নবা ময়াম্না হংলকখি। মাসু ইমানি, ইমালোনশিনা ফজনা চাওখংলম্ননিনা কবমদি তৌনি ঐসু অপোকপী ইমা অনী ফংজরেদনা।

মথংদি বসন্তগী পাল্লী তারে মানা হায়বকই, 'ঐগীদি অঙাং ওইবিঙে বারী অমত্তা নীঙশিংদ্রে, ঙবাং নহানগী বারী অমা ওইনা লীবগে। ময়ামসু য়ারে। মাসু মাগী বাবী হৌরকই, নহান থাংজ নুমিত্তুদা ঐগা বীরেনগা কুমারগা শরতকা ঐখোয় মখিনা নুপী খরা ইন্নকই, নাতেনা চারিসু মখোয়সু হেক মবি শুখম্মী। ফেবনবা করিনো লোইনা য়েংবা য়াই। মান্নবা মচুগী সলবার অমমম লোইনা শেংলম্মী। কাইনেডিক হোন্দা অনীদা মখেয় ২/২ ভোংই। ইন্ন ইন্নবা বারী শান্নবা হৌজিল্লি। মখোয়সু কবি করিনো অদুম খুমলকই। অদুদগী মীংনা করি করি কৌনবা, কদায় কদায়দগী, হৌজিক্লা করি কবি তৌনরিবা অশেং অশেংবদু লোইনা হংনবে– হায়দোক্লমে। ফোন নম্বকাসু লোইনা হায়নরপোংনিদা।

চৈবাপ মপা য়ৌবকপা অদুবাইদা ঐনা হংখি 'হৌজিকপু কদায় কদায়দা চংনপোইনো' 'সিনমা য়েংবা', সুনিতা কৌহ হায়বদুনা খুমকখী।

– অস !! অদুদি য়াম্না নাতে চানবে, ঐখোয়সু য়েংদোইনি, শকসু মুম্না খঙনরে, তুংদসু কাউনদ্দলবা শক্তরদা ওইনা ঐখোয়গা জুদাই য়েংমিন্নরুসি, য়ারেকো (!!) শরতনা বা শমজিল্লকখী। নমদুনা মখোয় মরিদু ঐখোয়গা শক্তর টৌঙ্কিজত্তা হাইজিমিন্নরে। হেক য়ৌবগা ঐনা খল্লে, 'হয় সিনমা য়েংবদি য়াদে, পুং ১২ গীদো শোয়রবদি ইকায়জেসে, করি উপায় লৈ। ঐনা মখোয় মবিদা ওনশিল্লগা হায়রে। 'ময়াম গাড়ি থম্বীরুবো ঐখোয় টিকেত কক্কদ্রগে। বীরেন, কুমার, শবত হোয়—মায় করিমত্ত হায়বকতে। সিনমা য়েংলগদবোহি খল্লুরে, মখোয় মশেন ইন্ন ইন্নবা নোক্তুনা গাড়িকা থম্বা চঙখ্রে। চঙলমদাইদা ময়ামদগী খরা হেন্না কেরপ তৌবী, চংশদগা তাল অমা য়াওনা লৈরপ লৈবপ চংখিবী শোয়রোজা কৌনী হায়বীদুনা মরে কোল্লপকা তৌবদনা হায়খি, 'ঐদি মোয়গা থংনবা তল্লিকো'।

মখোয়না হেক চঙখিবগা সিনমা য়েংদুনা লৈথোকপা য়াপোংনতে হায়না ঐখোয় অদুম খৌদোবক্লে। হোল মাঙদা পান দুকান ফম্বা অশোক্কী মনাক্তা চঙশিল্লগা হায়বম্মী 'ভাই হৌজিক্কী নুপীশিংদু সিনমা য়েংলুসি হায়কবদগী গাড়ি থম্বা চঙখ্রিনি, হৌজিক্তেসু খঙনবনি ঐখোয় চংখ্রগে মোয়না হোবেন থোবক্কগা কমায় তৌগে খবা য়েংউ, মাসু ইঙক ঙক্লা লৈহৌই, মথা তাবা নংখ্রিঙেদা থোবক্লে।

—ভাইখোনে, নোয়না ইন্নকইদুবু বি এস এ. সাইকলদরো ? জোয়না বাবী থংলদুনা ফাগী তৌবকই।

—হেবা নঙসু ওয়্যোক ওয়্যোকপা বীরেনগী হীবো হোন্দাদুগা ঐখোয়গী তামোগী এন ডি দুগদনি। বাবী মথা তাবকই, অদুদগী লম্বীদা কুমাবন্ন হায়বকই, ভালো, ফজখেনে. সি থোক্কনি খঙদবনা অশেঙ অশেঙবা পরিচয়কাসে লোয়না পাউদমনত্রবনি শাথিবা নুপীশিং ওইরমদুনা খিরক্কবদি বা কায়বে। নুমিদাংবাইবম অশোক থেংনে, 'ভাই ঙসাই নুপীশিংদু ফজনা চাকপজাংনিহে, নখোয়বু ওইরমালে মখোয়না খীবিদু, কোয়থি থীবনি, কয়াম শাথি দুকান মথাদফাও পাকথবগা কোয়য়েং য়েংখিবনি। ঐখোয় বা লাউনা নোকখিম্রে। কংবমদি তৌনি, লম্বীদা খঙনববু থাজবদি চোম্নসিঙহিদনা।'

মথংদি শ্যামনা মাগী বাবী অমুক লীবা হৌরকই। ঐনা ক্লাস সেভেনকা ত্রকপা অদুবাইগী বারীনি ঐখোয় লৈকায়দগী প্রেমী কৌবী ঐঙোন্দগীদা খরা হলবী নুপী অমগা নুংশিনরিনি হায়না তৌই। সুনিল কৌবা নুপা অমগা নুংশিনরে হায়না ইমান্নবা ময়াম্না লক্লক্পোই করিবোই

পণ্ডাত্তা ঙাঙনরকপদুদা ঐনা শাউরদনা অশেঙবা অমা খঙদোক্লগদোইহনি কাইনা মকম মতম্গী থারদুনা উন্নশি হায়না পাউ পীখ্রে। হায়নখিবগী মতুং ইমা তুরেল খাংমগী মন্দে মখোঙদা উন্নরে। অমিতা কৌবী মমান্নবী অমগা থোকমিন্নরকখি। মাসু ঐঙোন্দগী খরা হনবাজাংনি। অমিতাদো ঐখোয়দগী গজ ৭/৮ চংথেক্লগা ফম্মী। সুনিলগা মাগা নুংশিনে/নুংশিনদে খঙনৈ/খঙনদে হায়বসিদা ঐখোয় অনী কম্না শংগংইনৈ। ঙহাক ঙাঙনরবা মতুংদা ঐখোয় অনীমক অতোপ্পা কনামগুগা নুংশিনদবা হায়দুনা খাশক্লসি হায়নরে। অদুদি কমায়না খাশক্লনি, ঈনা লাইবক্তা সিন্দুর ওইনা হেক্তা নমনসি হায়নবে। মদুদগী ঐনা পুবকপা ব্রেদতু পীরগা হায় 'সে অদুদি নঙ হান্না খুৎতু লেপ্লগা ঐঙোন্দা নমলকউ'। অহানবদদি মহাকসু মাদে নঙ হান্না তৌ অদুগা ঐ অমুক তৌগে' হায়খ্রকই। মতাংদুদদি ঐসু 'নচিন থীবা, ওইদবা ঙাঙবা ঙমসু ঙমদবা' হায়জিন্নরে। অদুদদি মানা শাউদুনা মখুৎতু লেপ্লগা ঈদুনা ঐগী লাইবক্তা নমলকই। মথংদি ঐগী অমুক লেনবা তাবে। ঐ মান্না কিজবা অমা ফাওরকই। কিবা হায়বু কমলাকসে নীকপা অমা ফাওরবনি। ঐ লেনবা ঙমগদবা মানখ্রে। কমায় তৌনি। মসিদি কান্নপোংনত্তেনা মানা মখুৎতু রুমালনা কিশিনবা লাক্লরিঙেদা ফুক হৌগংলগা হেক্তা চেল্লকপনি, লাইবক্লা থীরিবসু অমিতনা যুরিংতা মান্নরক্লুনা ফাবে। প্রেমীগা অমিতাগনা ঐবু খুং নামা নামা পায়দুনা নাহোত্তনবা ফাবে। অমিতনা করিগী চেনবা মাবরা হায়দুনা প্রেমীদগী ব্রেদ অদু লৌরগা ঐঙোন্দা লেনগদৌগী তৌবকই মতাংদু যৌবকপদদি, শমকাসে চপ চপ যুংবজাংনি, মীহুলকাসি লবাইদা হুনখ্রবনি। কিমন্দুনা ঐ মীং উইশিল্লগা মায় লৈথোক্লগা লৈবে। পি হেক তাবা মখে অনাবদু খাঙখি। উপায় লৈখিদে মবাপশা মখোয় অনী চঙদুনা ব্রেদনা লেনখি অদুগা প্রেমীগী মবাইবক্তা ঈদুনা সিন্দুর ওইনা নমহনখি।

— হৌজিক্তি নুপীদু উন্নবা কান্দা ইকায়খ্রা ? সুবনা হংলকই।

— ইকাইয়েনা কবমদি তৌনি অঙাং ওইবিঙে গ্যান জাগ্রিঙে খারীবু। ❑

খোঙথাংদো করিগীদমক

তরুন কুমার ওইনাম
লাইফ সাইন্স

পুন্সিগী অশেংবা মশক্তি কনানসু খঙনদ্রবা, ঙাইহাক্তংগী ওইবা অবং অরাক্তা ঙাওরবা ঙসিগী সমাজসিদা মবাইবক থীরবী সনাতোম্বী, মতম অমদা কনানসু খঙনবীবমদ্রবসু ওইরে ঙসিদি মীয়াম্না কল্লক্রুফম । কল্লক্রবি খুদিংমক্তা মহাকপুদি , অদুবু অসুক য়াম্না মীয়ামগী কল্লক্রুফম ওইবিবী, মবম্না য়াং কোইববী মহাক্তা হৌজিক ফাওবা যুম পানবগী য়াথল খন্ত্রিবসিনা কবিগী ? মহাকপু যুম পাল্লবোইদ্রবজাংলা ? লৈবাক ঙসিদা মমিং লৈববা লৈববী কয়ানা মহাকপু মমৌ ওইজগে, ঙাই শেন ওইনজগে কয়াবক, সনাতোম্বীগী মমাদা লাকহ্রবনি, হায়জবকত্রবনি অদুবু উপায়দি লৈতে মমাসু সনানা য়ামন্দবসিনা ।

ঙসিদি সনাগী মমানা মচাবু নাল্লদুনা হায়খি, "ইবেম্মা নহাকপু ইমানা হায়বসি য়াববোইদ্রা ? নুপীনবু কয়াম কুইনা মমা-মপাগী যুমদা লৈগনি, হোয় হৌজিকপুদি নমাসু সবকাবগী থবক অমা তৌবি, অদুগীসু মথক্তা নঙগীদমক ইমা লৈবি অদুবু হয়েং নহাক্তা পুংফম কয়া লানত্রগা, ইমাসু নখোয় ময়াদু থাদোক্তুনা পুন্সি চেংজেল লোইখ্রগা নহাক কনাগা লৈহৌগনি ? নহাক য়ুম্না খল্লুকো ইবেম্মা । নিঙোলগা মৌগা পুন্সি চুম্না নুংশি চান্নবা লৈমিন্নবা থক য়াবক্রোই ।

সনাতোম্বী মমাগী য়াফমদো অনৌবা অমদি নত্রবসু ঙসিদি হায়ফম খঙদবা অমা মলাদা ফাওজবম্মী । ফম্মুংদা লোংনা হিগুনা মরী মখোঙ শম্নত্রবা য়াথল কয়া খল্লি । নীঙশিংলকই হৈত্রবা পুন্সিগী থৌদোক কয়াদো মথং মথং। নীঙশিংলকপদা মীংলু ঈরা হৌরকই ।

মতমদো সনাতোম্বী করিসু য়াংখিদে, শক্তা-চুদা, মহে-মশিংদা অদুবু লৈখি অপ্রাংপা অমখক্তি, মদুদি, সমাজদা না হন্না য়েংবীরিবী তুহংপীরিবী, করেম্নবীরিবী লায়রবা হায়বদো ।

থোইদোক্তা মশাগী হোংনবা ফনখনা লায়বজববসু মহাক T D ,C দি ময়ামগী মকোক ওইনা পাস তৌখি । শেল লৈতবনা মখা তম্বগী লম্বী লৈত্রবদা মহাক সবকাবগী থবক মচা অমতং ফংনবা কয়া হোংনজখি । Interview কয়া য়াওখি অদুবু কবিসু উপায় লৈখিদে মথক্তা নীঙবা কায়বা নত্তনা । মমান্নবী মেম্মখোইদি থার্ড ডিভিজন্দা চি লাওনা পাস তৌজববসু মশা-মমানা লৈবাকসিগী চুম্নি পায়বিবন্নিনা থবক লোইনা ফংনত্রে অদুবু মাগীদি কদায় করিসু উপায় লৈখিদে নীঙবা কায়জবা নত্তনা । অমবোমদা মাগী ইমুংগী ফিভম য়াম্না ফংচিন্নকখিদে , মৌপ্রোশিংগী মহে মশিং তম্বসু ঙমলোইদৌবে , কমদৌনি কবি তৌসিগে খল্লি অদুবু খঙবতা মঙাই পুম্নমক ফজ তবা ঙমখিদে । করি উপায়নো নুপীমচা ম্যনা তৌগদবসে, লৈ উপায় অমখক্তংদি নোংমা মেম্মনা মঙোম্দা লোম্না হায়রম্বদো– "ইবেম্মা হৌজিকী মতমদা করিসু কায়বোই নঙ ঐবুদি লাম্না খনগনু, নহাক্তা য়াওখ্রিবা Interview দো মদুগী Department তুগী Director দো ঐখোয় ববাগী মমান্নবনি ঐগসু খঙনৈ, ঐ নহাক মাগীদা পুশিনবীগে, মাগা খঙনৌ, মানা মারগা লোইরে, শেল কবিসু চঙলোই, করি য়াংলিবগে নঙগী, নঙদি লাইরিকসু হৈ অদুগীসু মথক্তা নঙগী নশকসিনা কয়াদা কজরিবা , ঐ নোংমা লাক্তে মদুদা নঙগী অশেংবদু খঙম্মু , ঐ নঙবু নুংশিদুনা হায়বদি নত্তেকো নহাক্তী

মতৌসিদা য়েংবা ওঅক্নুনা হায়রবনি , নঙ য়াম্না য়ামনি হায়রবনি।

সনাতোম্বী য়েম্মনা হায়রম্বীবদুগী অর্থ খঙবদি নত্তে অদুবু নুমিৎ কয়ানি, খনবা মথে খল্লরগা উপায় লৈত্রদুনা য়েম্মগী থাকমদো য়াবা অথি। ময়মদি হৌজিক মসি নত্তনা মহাক্কী ইমুং মনুং অমদি মৌপ্রোশিং মহে অহল্লবগী লম্বী লৈত্তে। নুমিৎ মদুগী অকিসারনদো ওইগী নমনাংবা ওাওবনি, সনাতোম্বী মথক্তা মিপাইবে হৌজিকপু ঐগী ইকায় নহাল মথে কনাসু খঙহন্দনা য়োকচরক্লিবা, মশিমগুম শেংনা থম্লীবা হক্কচাংসে ।

কুইদে নোংমো হায়নখিবা মতুং ইয়া য়েম্মনা পুন্সিনবীদুনা অকিসারদুগা শক খঙনহল্লি । শকখঙনরবা মতুংদগী সনাতোম্বী মাগী থবকীদমক মৌপ্রোশিংগী মহে মশিংগীদমক , অকিসারদুগী অশাম্বা কংহল্লবা অয়োনবা অকিসারদুগী কান্দা তোয়না চংশা তাখি , অকিসারদুসু মাগী মশক্তুদা ওাওখি চানিঙবা এনশাং হাওনা চাখি । হায়নখিবা শোয়দবা অকিসারনি নুমিৎ খরনিগী তুংদা সনাগী থবক ওইখি, অকিসারদুনা শীন্দুনা অকিসতুদা থবক পুবা হৌহনখি । হৌজিক্তি উপায় অমদি ফংলে, মদুগী মশান্না ইমুং মনুং অমদি মৌপ্রোশিংগী মহে মশিং অহল্লবদা অপনবা লৈত্রে। খঙদবা কনানদি হায়নখি নুপী মচাশিংগী হোংনবা কনবা মহে মশিংদা মমান্নবগী মকোক থোংবা ওক্রকখিবা কমাদুনা থবক অদুবু ফংখিবনি, অদুবু সনাতোম্বীনা কিভমদো ওইরক্কবা হোংনবদা মশানা য়ানিঙনা নত্রগা য়ানিঙম্রবসু ইমুং মনুং অমদি মৌপ্রোশিংগীদমক খদুনা তুক্কচরবা লমচং অমদি লৈশাবী মানা চংখি হায়রবসি সনা মশামক অমদি অকিসারদু নত্তনা কনাদসু খঙহনখিত্রে ।

সনাতোম্বী নুমিৎতো কঙবা য়ায়রোই মাগী পুন্সিসিনা লৈমিবর্মখোদি নুমিৎতুদা সনাগী থম্মোয়দি মচং মচেং থোক্লদ কামত্রবনি । অমরোমদা অকিসারদুগীদি পুন্সিগী অনৌবা মথেল অমা ওইখি । অকিসারদুনা থৌবা ইশা শাবদা হায়খিবদো "হকেন্না করিসু খল্লুদা, নহাক হৌজিকসু হায়গুম অমহাই অমহাইনি, নঙনা অকথোকত্রগা লোইরে, মদুগী মহং নহাক থবক অমা কংলবনি খন্না ওসিমগী হায়াওনা লৈরো।" নুমিৎতো মহাক মনাগী ইকায়পু য়োম্রেম্মদেকো খনকদা অচিকনা কাদুদ কমসু খঙহনদনা কমাদ শেম্না কশঙখি। মসি পুন্নমক ওসিগী অদুবা লৈত্রবা লায়রবসু হানা য়েংবীরিবা সমাজসিদা তোম্না অমবা লায়রবা ওইরম্মননিকো, মহাক কমাদা নীঙমখিদে । সনাতোম্বী কমা মথে কদুরগা তুংদা থৌনা অমদি লাকখি, থৌনাদুনা লমজিংদুননি ওসি কাওবা হিংলক্লিবসি ।

সনাদো হৈনত্রবসু হৈনদনা থম্মোয় মচেং থোক্লদ কামত্রবসু হিংনবগী উপাইগীদমক মাগী থবকীদমক লম্বীদুদা থোঙ খাংজিনখিবনি । থবক অদু কংলবগী তুংদদি লম্বীদুদা অদুক হন্না চংলরোই খনখি অদুবু করি উপাইদি লৈ, শাদানবগী লাংনো কোয়ত্রবদা শজি অয়োমদো চেনবা মথে চেম্নবসু সেকখরবা তুংদা লাংদা থুবা নত্তনা। মহাক্না থবক কাবা হৌমজনা মতমদুদদি অকিসারদুসু মাগী হৈনজখিদু চশ চনা কংখি, নুপী মচাদুবু কমাংক হন্না মাগী অয়োনবা কাদুদ পুন্সিনবা হোংনখি । অকিসারদুগী থৌশিলদুদগী নাহোক্কংশা ওমখিদে । কনা কুইরে সনাদো লম্বীদুদ চঙশিল্লকনা অহানবদদি য়াম্না হৈনত্রবসু হৌজিক্তি নমদনা হৈনহল্লে, মদুগী মশান্না মহাক্কী ইমুং মনুং অমদি মৌপ্রোশিংবু মহে মশিং মপুং ফানা তমহনবতা নত্তনা সরকারগী থবক মচা অমমদি কংহনজরে । থম্মোয় মচেং কায়বগী চৈনাসু কাওখিদরে, অসুম্না মতম অমদা শংতংনা নঙনম্না ইমুংদো ওসিদি মীপুম থুদীংনা কক্লরকম ওইরমে ।

অসুম্না, সনাদো ওসিদি পুন্সিগী হৌত্রবা থৌদোকশিংদো মীশাংশিংনা মথং মথং নিঙশিংলক্লই; নীঙশিংদুরগা নৌহৌননা থম্মোয় কায়খিবগী চৈনা কাওরকখি, কত্রে শেম্না মথক্তা মনাগী কাদুদ অদুবু থম্মোয় কনবী সনানি ইমুং মনুং অখিনি খনবদগী মখোলদি থোকখিদে ।

অহিংদো কনা থেংজিল্লক্কে ,' কাকনখংদা ওম্রান মথে লোংশিন্নবা থৌনাদো ওসিদি নৌহৌননা কাওরক্কে , থৌনাদুনা হায়রকপগুম তৌই সনামা– "সনাতোম্বী করি বাংলিবগে হৌজিকপো নঙগী, নঙগী ইমুং মনুংসু লৈবাক্না শকখঙনরে, মৌপ্রোশিংসু মী ওইনবা শেত্রেম্না, মতমসিদা নঙ করি লাক্লিবগে ? মতমদু ওইরম্লিবা নতদু – ?"

সনাতোম্বী থম্মি, চুমই ঐহাক করিসু হাংতরে। অদুদি লমন থুম্বা , কনাদা ? সমাজসিবু হুম্বনা থনবা লৈবাক মীয়ামদা নমথাক তৌবশিংদা । করিগীদমক ? নুপী ওইবীবু শারৌগোংকুম থনখিবা, নুপীজ কয়াগী হক্তংপু নমজা নমথেক্লখিবগীদমক ।

ঙসিদি সনা লমন থুম্বিংবগী মৈনা ঙাওয়ক্লে, যুমসে থাদোক্তুনা চৎলগে থক্লে। মহাক্কী কাদগী তম্মা থোরকই। চৎলমদাই মীংকুপশিদা ইয়ুং মনুং পুম্নমকপু অমুক্তং বিদায় পীরমগে থম্না তম্মা চঙলকই , অহানবদা মৌপ্রাশিংগী কাদা চংদুনা, অশিবগুম তুপ্রিবা মৌপ্রাশিংবু উয়গা মীংতম্মী পি তাখিবা খঙহৌদে , মখোয়বু মথং মথং য়েংলগা লোম্না বিদায় পীরম্মী– "নখোয় ঐবু হারৌগনুকো, নখোয়গীদমক থনবদা নচেথি ঙসি ফাওবা চৈনোশে খাঙলম্লিবনি অদুবু ঙসিদি ইচে মদুগী লমনগীদমক নখোয়বু থাদোক্তুনা চৎলগেকো। মথংদা মমাগী কাদা চঙই, তুপ্রিবী মমাগী মায়থোংদো পেম্না অমুক্তং য়েংলগা– "হারৌগনুকো ইমা নচানা সমাজসিগী মীনোক কিবদগী অয়োনবা অমদি তাকথোকচরমম্লে, ঙসিদি নচা মদুগীদমক লমন থুম্না চৎলবনি" হায়না মখোল থোক্তুনা মীংকী শিদা লোয়ননা মমাগী খোঙশোক্লা থুরমখি।

সনাতোম্বী নশোন পীক্লা থাংদোবকই খোঙথাংদো, খোঙদো তম্মা থিংজিল্লমই , মনাগী অনীগুবা অশাম্বদু পাংথোক্লুনবগীদমক অথেংবা অহীংদুদা ইয়ুংদগী মপান থোরকই । চুরি তাফমদা তম্মা কুমথরকই, লাইজনা চামথোক্লবা মায়থোংদো করি খম্লুরবনো খঙদে অমুক্তং লৈদুনা য়েংশিল্লকই মহাক্কী যুমদুদা । যুংশিরবা থাবলগী মঙালনা মৈবদা যুংশি যুংশি উরিবা মজোলগী ফত্রেন্দা থেংলিবা লাইরমলেন তিনম্রবা মপাবুংগী ফোটোদুনা মচাবু মুম্না য়েংলগা বিদায় পীরকই– "চৎলোকো ইপাগী সনাতোম্বী নঙগী অশাম্বদু পাংথোকচরক্লো , ইচাগী থৌদাং মপুং ফাবগা ইপাগী নাক্তা লাকউকো, ইপানা নঙবু লৈগী দোলাই তোংদুনা ঙাইরমগে , মফমদুদদি ইচাগী অরাংপা পেন্দবা কবিসু লৈরবোইকো।" □

ঐখোয় বাবাগী পকৌরাদি খাই

লাইশ্রম সুনিল সিংহ
দিপার্টমেন্ট ওফ হিন্দি (প্রিভিয়স)

নিঙথমথা চঙলক্রে। নুমিদাংগী পুং ৬ লোম তাবা হায়বসি ওফিসকী থবক তৌবশিংগীদি ফজনা যেংলবনি । মচানুপা অহমদু অঙাং ঙাক্কনি চহী ৪ শুরে অতোনবদু । তুম্মীংবগী মমীংশিংদু উইথরদুনা ফুজাগী অকোয়বদা লৈবা য়াও, য়ুংবা য়াও লাংনরকপা উবদা মমা শখিতোম্বী চাখুমদগী মচাশিংদুদা লাউরকই হাই বাবা হল্লক্রনি পকৌরা তশ্রগা চাবীত্রবদি মতুংদা অমুক লৈবক্রোই, ববানা লাউরনি । নখোয় তুমু তুমত্রবা ঐদি হৌদোকপগী ব্রা লৈতে , বাবা ঐখোয়নিনা লোইনা চাথোক্কনি।

মমা শখিতোম্বীগী ব্রা তাবদা ফক মচিদগী মচা অতোনবদুনা ফুক হৌগৎলগা শেংফাত্তবা খোল্লোয়া হায়রকই "ঐদি তুম্মোই শুম হিল্লনি । মচা অহন্দুনা মচিন পেথোক্লগা হায়রকই" লৈশু লৈবক্রোইদবদুবু । নহালমুকসু লৈবক্তে । ঙসিদি শোয়দনা লৈবক্কনি ঐনা পৈশা শিল্লত্রবনে । শখিতোম্বীনা মখা অবক্কই মচাশিংবু তুমদনবা থেত্রকই য়েংঙোই ইমা চক লোইশিল্লগে। বাবা লাকপা ঙাইবা ওইনা ভন্নাং পেবেৎ বাবীদু লোইশিল্লসি মাইমা নঙ ব্রারী মতাংদু খঙলিববা ' হাই তোপ্পা নঙ নকোক্কু লোহ্যিনু।

মচাশিংদু ব্রারী মতাংগী মঁয়ে য়েংনরকই । পেবেৎ মচা পাইবা ঙমদবা অতোনবদু হৌদোঙ লম্বোইবনা ফাহৌবগী মতাং । নত্তে কেন্ত লম্বোইবনা পেকেৎ মচবু ইরুজবীরগা নুংশা য়াইহনবা য়ৌদ্রে । অং খুবাক্তা থম্বিরগা চেঙ মরু অঙাংবা অন্তৌবা অনী শীজত্রে। বারক চেংশা মমাদু মচাশিংগী মতৌদু উবদা খংনরকপা তরে খঙই। লাউরকই চাক থোংনা থোংনা নখোয় হায়রিবা ময়ামদো লোইনা লাক্লি , তুমীন্না ঈলখো । ইচা য়াইম্বনা ইকুম চুশী । চেং শীজরবা মতুং নুংশা য়াইহক্লবা মতুংদা করি তৌদ্রে খঙত্রা ? মদুদগী ময়ামদু চপ মাক্কনা পুশী। খঙদে শীরকউ ইমা।

মমানা ব্রারীদু মখা তাথরদুনা শীন্না হৌই। অদুদগী হৌদোং লম্বোইবনা চায়নি খনজবদগী মশা নাল্লবা মতু খীংলবা পেবেৎ মচাদু মুন্না য়েংদুনা মোমোন নোকই । মদুদগী মশা খীংলবা পেবেৎ মচাদু খঙহৌদনা মশাগী অমাংবদু হৌদোং লম্বোইবগী খুবাক্কুদা থমজিল্লগা শং পাইখোকত্রে । মচা অমনা খুদক্তা খুমলকই ইমা হৌদোং লম্বোইবদু য়াম্না পঙইকো । অচপোংতি পায়দুনা কুইনা লেরোইদবনি। মমানা চুশী । অদুদগী হৌদোং লম্বোইবদু উপাই লৈত্রদুনা তকশি শোল্লগা পেবেৎ মচাগী অমাংবদু মঁয়েনা শং লেকশিল্লগা হায়বকই, অচা-চা লাকচৈো, অমাংবসি য়ৌনা অসুক হাওরবসিনদি মশাদি করিদা প্রমান তৌরুনি । মানা শেবেৎ মচাদু লম খরদং তান্নদুনা য়েংই , অদুবু ফংদে লাংদোন অমদগী অমদা চিংদোল অমদগী অমদা অদুম পাইত্রে, অদুম পাইত্রে।

মমাং থোঙ হাঙদোকপগী মখোল তারকই। বাবা হল্লক্রে। মমানা ঈজিং তৌই। মচাশিংদু গ্রুং হুপচিনখি। ঈীজিদা মানবা য়াও মখোংদা ফাখংপা য়াও, মখুত্তা ফবা য়াও মঁইে-মঁইে মঁয়ে য়েংনরকই ঐদি অনী, ঐদি অহুম, ঐগীদি মপুম । মকোক ঙাওরবা মপাদুনা পকৌরা য়াওবা লাগী শবেদু ব্রাংনা থাজংলদুনা মচাশিংবু ইন্নোকপা লাক্লরকই। হাই হোয়েল চাক্কা চাগদবনি। য়েংঙোই ইমানা চাক লোইরিসে য়েংঙু। পকৌরা মতুমদি খজিত্তং অদুগা অমনা অহুম, অমনা অনী লৌবদি ফমদৌনা য়েপ্দোইবা। হোয়েল চাক্কা ওইনা চারশি পুন্না।

অঙাংশিংদু অমনা তাই , অমনা ব্রাংলি হায়দে লাক্লগদবগী হোংইনে । হায়বা লাউবা মনা-না তাদে । অতোনবদুদি অঙাং ওইবদুদা ময়াম্বশিং অদুগা থেজাইনবা ঙমত্রে । ইল্লদা ফি অদু ফং লংথোক্লগা অজিংবা লৈমায়দুদা থরো থরো ওনবা হৌরকই । নিঙঙাই তৌনা তৌনা ঐগীদি অয়াম্বা চেনা য়োম্মু য়ারোই। মপাদু তৌফম খঙত্রদুনা মকোক হোংলকই। মসিদনে নহালমঁইে ঐনা ওকলে লৈরক্তীবদো। অসিগুম্বা লানসে শুকয়োং হেক য়েংনিদবা । শখিতোম্বী

তুম্মীরা ময়ামগী কুন্দোদু য়েংলম্বদগী ফুক হৌগৎলগা মাহ নুপাগী মথৃৎতগী পকৌরা ময়োমদো তাপ লক্লগা শৌগৎলক্লিবা হন্জাম থোংবা মথক্তুদা ওয়ো-ওয়ো হৈথখি। তস সিনা হেক ফয়ে। মচেংশিংসিননে চাবা ফংগ্রিবসে ? অদুগা মাহ নুপাদা ওনশিল্লকই "মখোয় বাবা মঙাইবে ওফিস কাবা থরায় য়াওরিবসি পীওন ওইব্রা হায়বু ইমুং মহী লাংলক্লনি।

মাগী নুপীনা পুন্নিবা ওন্না তৈনবা বাখলদু উবদা সনাজাওবা হাইখেং ইকাই। ফাথরদুনা খুম্লকই, ঙাইখো ঙাইহাক্তা, কোম্না ঈংনা তম্না ঙাঙনসি ঈশিং অশাবা খজিক্তং পীয়ু। শখিতোম্বী মচাশিংদু চাক-চনবা কৌশিল্লম্মী, লাকও-লাকও নঙ-নঙগী পুখমদা ফম্লবো। ইমানা পকৌবা মহীও-মপংও লোইনা হৈথমক্লগদৌনি। মচাশিংদু চেলশিল্লকই। চাকখুমদুদা উসব অমা হায়বদু চপ চানা ওইববে। পবেং নাইনা অঙাংশিংদু ফম্লরে লাংনবকই মবাং মবাং "হাম্লকও-হাম্লকও"।

শাওখংননা মমাদো মচাশিংগী পুখম মচীদা য়েঙ্গাং হাপথরকই চাবো-চায়ো নখোয় হেক পীজবগা মেন তাগদৌনি। হে অতোনবা নঙগীদো খবা ঈংথহনখো অমুক কপনবক্লনি তানিঙদেকো। হান্না হায়বকই মচা অহন্দুনা "উম খাই"। য়াইমদুনা মতেং পাংশিল্লকই ঐদি ঙসাইনা খাবে, ইমানা চৈবক্লদ্রা হায়দবনি।

শখিতোম্বী লাউহংলি "ওইবোইদবা ব্রানি "পকৌবানা খাবা হৌনদে"। অতোনবগী মথক্তুনা হায়বকই "অব্রাংগী বামোন তোম্বীগীদি খাদে সিদি খাইনে, থাজব্রগা ইমা নঙ চাবগা য়েংঙু।" অঙাংশিংদু শাউরংননা লাংনবকই, থুম তোংকনী, মোরোক মেংলু। ঙারি চগে। অঙাং কনাসু চাউ হায়বা য়াদ্রে পকৌবা থাক্লবা হন্জাম থোংবদু। সনাজাওবা মপান্দা হকচাং শেংদোক্লবদগী চঙলকই, মমি-শামি তাহৌহ মচাশিংনা হায়নবদো হায়রকই। "করিনো খারিবু।"

"হো মখোয় বাবাগী পকৌবাসে কনাসু চাউ য়াদ্রে খাইয়ে।"

"করিনোনে ঐবু অঙাওবদৌনা"

"অমুক্তা য়েংবীরোলাও"

সনাজা^ওবা মাগী পুখম ময়াদা ফমথয়ে। পুখম মচীদা হাম্রীবা পকৌরা মপুমদুমা নমখাইরগা মচেং অমা য়েংই "চুম্মীনে খাইনে" মদুদগী মাগী নুপীদা ওনশিল্লক্লকই, "ঙাইখো নঙ য়েঙ্গাংসে চবা য়াদয়ে করিনো অমা থাক্লে। নীঙশিংঙু খাবতা নত্তে নমথিবা অমসু য়াওরি। টৌটি ঈশিং, পেকেংতা হানবী থুম, কাবৌ অকংবা খরা, তিলহৌ মনাসু ঐনা হেকপনি থুম ঐঙোল্লা শোয়দে ঙসিগীসে, "নঙগী পকৌরাদগী ওইরনি।" সনাজাওবা শাউগংলকই মীবু অঙাওবরা ?"

শখিতোম্বীনা ঐসু খিত্তবু তংলগা য়েংগে খবা সৌখংলগা । শুগংলগা তশেংনা য়াদ্রে মসিদি, শোয়দ্রে-শোয়দ্রে নঙগী পকৌরাসে অশোযবা পকৌবানি কদায়দগী লৈরকই, অমুক্তা নীঙশিংবীয়ু।" সনাজাওবা বাখল তৌরকই চাকমাঙদুদা "পুং ৪ ওফিস লোইরগা ওফিসারগী ময়ুমদা পুং ৫ মমশিল্লকপদুদা বজার চঙলকপা, পোংফম্বী মৌ নহাদুদগী লুপা তবাগী পকৌরা, মৈ মুংতুনা লম্বী মম্বা, মী চিকশিল্লক্লবা লম্বী, কেন্টব ফংহৌনবা থিংনা লাকপা, নুংলা চেক্লা মতুম অমদা খুদীং থিদুনা তুশিনবা, পকৌবা হৈদোকপা, অমম্বদগী মাদুনা খুনজীনবা।

"ঙাইখো" শখিতোম্বীনা খান্মী, "ঐ জ্ঞান তাবে তুশিনফমদগী অতাবা শোয়দনা ওইগনি ব্রারীদু অমুক্তা লেম্নীকো, থুম তোংপসি ঐ চখোম অমা সনীদং হুকহৌগে, হয়েং ফি শাবদা খুব হেংনবা য়াববোই।"

"হোয়নে, পকৌরা মান্দবা পকৌবাদগী হেম্না খনবা ঐ খুনখিববা ? থাউমে থাংজিল্লগা অমুক্তা য়েংউ।

শখিতোম্বীনা উম্বান মনাক্তা কেন্দলদু থাংজিন্দুনা য়েংই। খল্লি মপৃক্লিংদা "করিগীনো য়েঙ্গাং মহীনা অসুক য়াম্না মুবিবসে ?" মপান থোক্লা হায়রকই "শোইয়রোই য়েঙ্গাং মচু ওক্লে।"

সনাজাওবা অশাংবা খুর অমা হোন্দোক্লগা কল্লবা মীনোক অমগা লোয়ননা হায়বক্কই, "সনাইখেম্মা অসি য়ৌরবদি ঐ খাইদগী নক্লে। অদুদগী চুমাদ্রিং তুম্বকম কাদা চংখি। থৌদোকপি খল্লুবদা শখিতেম্বীদো নোকসু নেক্লীংই, শাউসু শাউনিঙই। খল্লকই ঙসাইগীদুবু হইগীরা-মীগীরা ঐসু গ্যান তাম্রে। মচাশিংবু থেমজিল্লকই, 'ইচাশা ঙসিদি ঐখোয় ইমুংসে হৌদোং লম্বোইখদু তায়ে। মচা অতোনবদুনা মখা তারকই, "ইমা ঐখোয় ববাই পকৌরাসি খাইকো।" শখিতেম্বীনা মচাগী মতেং পাংশিল্লী "উম ঐখোয় ববাগী পকৌরাদি খাই।"

তেঙ্গালি

য়াইহ মনিতোম্বা মীতৈ
এম এ অহানবা চহী

মতমসি মতম অমনি। মায়কৈ খুদীং শকথঙলবা অমম্বা মৈখুতনা কুপশিল্লকলি। মৈবী অমদি মৈখুশিংদুগী মবক্তুদা লৈকাইগী ইবাথাবা কয়া শঙোই-লুকোই তেক্লত্রবনি। অদুবু মতমসিগী সমাজ অমদি মসিগী চৎনবীনা তুংগী আশা ফাওবা তোঙানবগী থৌনা মৎপিত্রবা লায়ববী লুত্রাবী অমগী মীৎকী মণি ঐর্তনি পাখঙ হায়বা মীংথোলসি মখ্রিনা ফম কোনবগুম কোঞ্জহৌবিবা। কল্লবা মতমগী ঈচেল্লনা যৌবদা নীঙলম্বা কয়া তাইয়োন্নবকই। তবমদবা কয়া তাবক্তুনা, উবমদবা কয়া উবক্তুনা পুন্সিদা থাজদবগী মক হুল্লকই। লৈবাক্রা ফিভমসি যৌত্রবদা যাওলসিগী তাম্থা চানা চৎচবা ঙমদ্রবা অমনবা মীওইশিংগী পুন্সিনা মায়কৈ কদোমদা ? কবম্বা লমবেলদা ? শহুম ফংলকই, মমি তাবকই, তপ্রা-তুপ্রা থবক অমগী পান্দম, মমৌ অমগী আশাদা লায়ববগী চাকথাও মেল্লম্বা লৌফম মচাদু ধর্ম্মবাজগী চৌববগী পোদুনা মথং মথং লংশীনখি পংজববী ইমাগী হিক্রোকফদ্রবা য়াথংদো ঙাক্লবা হোৎনবদা। মসিসু মতমসিগীদি চৎনবীনি, ধর্ম্মনি, পুন্যনি। পীবু পীশিনত্রবা হন্দোবকপা অবায়বা নত্তে, অভিমন্যুগী চক্রবিহুগী খোঙফমনি। ওইবনোত্ত খঙনা-খঙনা ঙসিসু ফম্মন্দুনা শকথঙলবা বাইহিটিং কমসিগী নাল্লবা সোফা মথক্তুদা উখুং মণত্তা ফম্বগুম পুংজা কয়ানি ক্রিং-ক্রিং হায়বা মখোল অদুত্তবু ওইদুনা ফমলকলিবা। মীৎফম চোইথোকলুদে অদুবু ঙসাই মচুম তনা কেরবী মরে কোল্লপ-কোল্লপ ঙাঙবীদুনা খুনিঙ ফাংলপ-ফাংলপ অর্থ কয়াগা ইবোয়নবা মীৎয়েং অমত্তং য়েংলত্রগা থোঙজিন্দা হেক কাপ্পিনখিবদগী থাল্লকখিবা ইমায়জেন্দি রেদ সিগনেলদু হৌজিক কাওবা য়ুৎলকত্রি। ওয়েত্রুসু কুইহত্রে, থোঙ লোপ্পিদুনা অটোকপা কাদুনা মখোয় অনীত্ত করি বারীবু শায়িগবা ? মকা কোংবা ঙমজত্রবা শাউনিঙবা কয়াদু থম্মোয়লুংদা থল্লগা অঙানবা মালেমসিদা অমম্বগী কুমহৈ শান্নহৌবিবা কাদুগী থোঙজিন্দা মতিন তাবা মখৈ খপ খপ চিংদুনা উইজবিনা পিয়োন্দুদা খজিত্তং য়েংলত্রগা তম্বা তম্বা হৈনিঙদনা ঐগী মককোক্লবা খোঙনেং ওৎলদা নাহেববা সাইকলদু ইল্লদুনা থোবকপনা লুচিংপুবেল ইবুংঙোদুগী থোঙজংদগী কোকসি হেক লিংথোবকপগা ফীঙৌ শেংগী মখুত্তা মখল মথেল শিংজু মখানগী গ্রোগানশিং ইবা ফেস্টুন কয়ানা মথুংতা লতেংলবী ইমা-ইবেল, ইচল ইচে কয়াগী সাইলেন্স প্রোসেসন, শাযেন ঙায়েন্নবদা হাপ্লেংদ্রবা, হঙোই ওল্লবা ইবমদমগী লুচিংপুবেল অমদি মাগা খোঙলোইশিংগী বজলোদা। নীঙশিংলকই কাব নিজকাঙ্গী শৈবেং "মণিপুর" 'কদোমদনো লম্লেপসিবো ? চিনগা খুংকা মান্নদবা, লমথুংফমগা লম্লেলগা শন্নদবা, ফীদমদগী মীশক্রা লুবা'।

ফনা কুইবমাক্রে বজাব মনুংসি চঙলক্তবা, পোংকী মমলসিবু কমদৌবমগবা ? য়েংববু হৈরবা ইবমদমসে কুমহৈগী কুমহৈমক্তনি। ফনবু নুঙাইহিরিয়ে মীতৈ মচাশিংসে। অসুক চাউনা শেল চঙবমখৈ মীয়ামগীদমক থেংজিবা কল্লমবগী হোর্দিং ময়ামসে মীওই খবখক নত্তনা নোংমজা মীৎচিনা হম্না য়েংবিবা নত্তে। মপালদগী লাকপা কববারবালাশিংসিনা শায়বিবা লীলা, য়ৈবিবা পুংলোনসিদা লিল পুবশিংগী লুবাক মনুংদা য়াওবা ময়াই চত্রবা লিলঙুম মযীং উইশিন্দুনা জগোয় শানরি। বাখলসিদগী মঙকাওনবা নঙত্রিঙেদা ওইবমাক্রে খোঙজেল য়াংলবা গাড়ি মচা অমনা নিমম কাহনা ঐগী মমাঙ চকাদা খোমজিল্লকখিবদু। ঐনা গ্যান হাযকেং লাকপা মতমদা ঐনা লৈরবা মকমদু নিঙাইহিপোং চিথেকী ত্রাফিক পোইন্টকী তরনিঙদুগী ওই থংবা মতাইদা য়ুংজিবা জুট পার্টকী ফেন্সিং মনাক্তুদনি। শেমজিনবা ঙমজত্রবা সাইকলদুনা কিতহ শাথীনা শোক্লন লমীগী মজায়দা, মরোল

থম্না ঙমদ্রবনা চেকশিন্না শেংচবিবা অমৎতা ঙাইববা খোজ্রাওদুনা খুউ মপা মখৈ শিংজু ওল্লমলে।

মখোল অমা তবকই। বেক্রি ওইবমাল্লে। ইথক থকংলুববা রাখল পৃক্লিংসে নে তাজজ্রিঙে চৈবকসিদা মমীং লাওবা মকোইগি চোম্বা মচিন্দা বেক্রি চঙ্গদুনা নিয়ম লান্না থৌখিবা গার্ডিদুদা মীৎচিনফাওবা য়েংলমদনা অকিবা শকফম, অয়াকপা খোনফমগা লোয়ননা ঐগী মাঙদা লেপলবদো ঐডোর্দাদি মতম অমদা কংলাদা নৃংপাক্লা নর্নশিন্দুনা ফুমজিনখ্রবা ময়াদনা হিংচাবনা ঐগী মাঙদা খঙহৌদনা লেপ্লগুমই। মচিন্দা কবি কাবনো ঙাঙলদুনা লময়ায়দদা তাবিবা সাইকলদুদা চাউববা বৃটতুনা কাওব কাওবদুনা লম্বীগী মতাইদা পুখোবকই। কুমহৈগুম্না ওমশিন্দুনা য়েংলম্বা কয়াদুগী মবক্তগী অহল ওইবপ তৌববা নুপা অমনা ঐগী তুংদগী লোল্লপনা হায়বকই "অযাওবা খবা চলান থাদোকলম্মু নয়ুমদা হনবা থেংদনবা"। অচুম্বা রাফম্না, পুংথিল পোবোপকী তম্নলাইদো মাগী চাকথাক ফংলবদুদদি খোন্দাদু ইহনমক হম্বহৌদ্রবসু মায়থোংদি মোমোন্নহৌই। কুমহৈগুম্না ওমশিন্দুনা য়েংলম্বা মায়ামদো মমীংতৌন য়েংলম্বা মখৃৎতি য়াওবম্বা নত্তে তপ্না-তপ্না অমমম তা ওইনা অদুক য়াম্বা মীয়ামদো কায়নখি।ঐসু অফংবা বিক্লা অমদা রানা অত্তেকপা সাইকলদু হাপলদুনা খঙনবা ইমাগবা অমগী রার্কশো প্রা পুবগে খন্না কৈশামপাৎ মায়কৈ ওগ্রক্রে।

কৈশামপাৎ বস পার্কিং মযাদনি চবাংনবম্বা রাখলসিনা খবদং ইংথবকপা হেক মীকুপ্তুর্দনি তুংলোমদগী শেং শেং, ঐ খঙপ্রেক খঙই। খঙহৌদে পুলিসতুগী লীচেদু ড্রাইভবদুগী মমীং মপা তম্না থিল্লগে মতাগুম পায়বদুনা জগৎকী অকাম্বা রাহৈগী অকনবা নোংজু অমা নোং ইমং মংদনা চুথবকখি। ফজে মণিপুর এসেমব্লিদা ফমগদৌবিবা মীফমদুগী মাঙজৌননা লৌখংপা সেক্যুবিতিগী চেকশিল থৌবাংসি। অঙম্বগী আথংবা য়াথংনা নোং চুদনা লৈখোম থোক্রবা তেল্লবা লম্বীদু তুংওইনবমলগা লুপা তবাগী ভবাদা ঐগী পম্বুংফমদু যৌবকখি। রার্কশোগুদা ঐগী সাইকেলদু ইনশিল্লদ্রগা সনা কৈথেল মায়কৈ পাংলকলে।

ফজে নীঙথিজে মীয়ান মচাশিংগী রাংলবা ফুবা দলানতনা লৈতেংলবা হাই মীয়মগীনা হাইরম্বন্দ, মতম অমগীনা সনা কৈথেল, ঙসিনা থনা বজাব, চীংমী, তম্মী ইমা ইবেলশিংগীনা তেজ্যাপি বজাব অদুগা তুংগী মীবোলগীনা মীয়ান বজাব পৃক্লিং হনিঙঙহিনি। পেন্দবা খোল্লাওগা ঈবোয়নবা ম্যুনিসিপালিতিগী স্ট্রাইক্লা পৈশিনবীবম্বা নমথিববা অযোং-অকায়শিংতনা লম্বীগী নাক য়েংতা লৈতেংলি। খল্লকই চাউথোকচনিঙঙহিনি লেমজলফম্বী মনীঙ থুংজববা লমদমসিগী লুচিংবশিংগী।

নুমিৎসু অশিন্নক্কদৌবে, হয়েংদি বন্দনি ঙসি নুমিদাং পুং নিপাল মবায়দগী হৌগনি হায়নহৌই। সদব হিলস ডিস্ত্রিক শেম্বীদবগী, সাউথ নগালেন্দ অমদি সেক্যুবিতি শিংগী কাহেনবা লিচৎকী মায়োক্তা তৌগদবা বন্দনি হায়। মীয়াম পুম্বা হাথু-হাথুনৈ। পুম্নমক য়েংনা-য়েংনা থাঙ্গাল বজাবগী সেকেন্দহেন্দ য়োনবা দুকান অদোমদা লাকলে। মাঙদা অমদি লম্বীগী নাকয়েংতা ফম্লম্বা পোংফম অয়াম্বা ইহাঙ হাঙলম্বী, খঙদে মমাঙঙেগা ইমান মান্নদবা মপুং ইফা ফাদবগুম্না তৌই। মীংয়েংদুদা মথং মথং উবকই চমজববী নোক্কনবী চীংম্না নিঙঙোল ইচে অকইগী অহাংবা পোংফম, রা ঙাংগন্দবী ইমা লুইহইকগী পোংফম, কুইখিদ্রি লৈবাক্কী লুচংবশিংনা লাকশিনবীবমদ্রবা কাংলুপকী ইবাংদুদা পুন্সি পিখম্লব্রবী চাংশা লৈবাংশিদো মীংতা শং-শং উবকই। অসুম্না থৌদোক কম্না নীঙশিংদুনা লাকলিবা ঐগী মীংসিগী মীংমাঙদনি তাঙলবা মমলগী লমজেলদা চাকখাওগীদমক লাম্লেংনবীবা বিক্লা ড্রাইভবদুদা মজাতিবু নুংশিবা খঙদবা, য়ুর্নিফোমগী মকমদা লমথাক্কী জগোয় শাবিবা, মবৃৎতা শক্তি পায়বা মীওইদুনানি তমথিনা ফুবিখিবদো। অতৈগী নত্তে নহা খবা মাগী বিক্লাদা তোংলম্বী মদুগীনি হায়নৈ অচং অওকশিংনদি। ঐগী নীঙশিংবগী খোঙচংতুসু মতাংদুদা চপ লেপখি। উবকই কৈথেলগী পোংলক ফাওনা চেনশিনখিবা পোংয়োনবী কম্নানা তানবদা চংলু য়াবমদ্রবা মনজাউদো। অঙম্বগী শক্তি হায়বসি অঙকপনি, শক্তিদুমক্লনি মবোল খোক্রবা জ্বিবদু ফাওবনা মখোয়বু কিবিবা। মফমদুদা ঐ শম্ববমত্রে, মোজাফুরিং অমতংগা খোজ্রাও অমতংগা লৈবগা হলত্রগে খন্দুনা মাঙদা উবিবা দুকান অদুদগী মোজাফুরিং অমতং লৈরগা অয়েম্বা পৈশা খবদু থবাক্কী ফুরিংখাওদা হাপচিল্লগা থংনবা দুকানদগী সেকেন্দ হেন্দগী খোজ্রাও অমতং লৈগে হায়না লৈখোক্কুনা খোঙকাপ অমতং হেক থাংলকপা মীংকুপ্তুদা মশানাননবা নুপামচা অমনা ঐগী থবাক মপা ওইরম্বা শারু কম্না থেংজিল্লমখি। সোরি রাহৈশিদগী হেল্লমদে মীয়ম মরক্তুদা মৃৎলৈ থুনা মাংখি। ঐ খর থিংলপ লৈহৌদি থোয়না খক্লবা

তৌদনা থংনবা দুকান্দুদগী ঐনা লৈগদবা পোৎতু পুথোক্লদুনা মদুগী মমল থিগে হায়না ফুবিৎখাও য়েংলুবদদি ঐ হূমাং হায়বগ কাংখি। থাজদ্রদুনা পৈশা হাপখিদ্রবা খোংগ্রাওগী পোকেৎ কয়াদুদা হূম-হূমদুনা থিকবি। তপ্পা নিংশিংলকই হৌজিকয়াইদা ঐঙোন্দা শাফু কয়া থেংজিন্নগা মীবক্তা খুদে থুনা মাঙখিবা মশা নানবা নুপামচাদে। শাউনিঙবা ইকাইবা অনীগা ইবোয়মনা লোক্তাক প্রোজেক্তকী ইলেক্ট্রিক্কী মৈঙালতনা পৃমলং লংলবা বাংলবা মীয়ান মচাশিংগী দুকান পবেং, শেঙ্গাও পায়ব কয়াগী দলান কয়া মসিগী এবক্তা কালি বা-বা কাহৌবিবা দিবালিগী থাওমৈ পবেংগুম মৈবী চাউনা থালহৌবা ইমা-ইবেলশিংগী নীঙথিববা পোৎফমশিং তুংওইনবমদুনা ঐ বস পাকিং য়ৌবকলে।

বস তোংবগী কুমহৈসিসু সনা লৈবাকসিগীদি ওন্থোক্লা য়েংবা নুঙইহিব্রবা কুমহৈ অমনি। খুনাইসিগী মযাই থংবা নত্রগা অবাংবা থাক্ত লৈবে হায়না খঞ্জবা ইম্পোলয়িজ কয়া মহৈবোই কয়া নহারোল কয়া কয়ানি গাডিগী শীকত্রব। থোংবা অসিদা যুবি লাকপি শান্নবিবা। নুপী নুপা অঙাং অহল থিদে কুক কুক ইন্নে। উচিল নাচিন্না মীয়াম মবক্তুদগী ঐ গাড়িদুদ কাখৎলে। অসি য়ৌনা চিন্নবীঙে তান্নকসিদা গাডি মনুংসিদা কনানা খৈনি, কনানা বীডি, কনানা চুরুপ হৈনদবশিংনা শাউবা য়াওবকই লাংনবকই গাডি মনুংদু। অসুম্না ঙৈহাক লাংনবিঙে ইখঙ খঙহৌদনা য়াম্না নক্লা পোথাইখিবগী অহৌবা মখোল অমা তাবকখি। ময়ামবা বা থবায শিনিঙদবা কয়া গাডি তোংবা হৈত্রিবা লাইবিক হৈববা মীওই কয়া কমানা চবোং যাল্লদুগা গাডিদু মফমদু তুংওইনবমদুনা যুম মায়কৈ পাংলকলে। ভবাপী মতাংদা ঐ খরা ইকায়খি। অদুবু উপাই লৈতে। ইকায়নপা নম্বোদু পোবদুনা ইমুংদা খোঙ থাংজিল্লকখি। ফি তোংদোক্লগা ঐগী মোম্পাক য়াওদ্রবা হিদান মচাদুদা ঙৈহাক পে থাবীগে ঙসাই লৈবকপা পোৎলকতু য়েংনিঙবগী ইখৈলাংবা পোকলকখি। খুলামখাং ওইনা অমুক্তং লিংলশন্দুনা য়েংগে খন্দুনা হেক লিংশিনবগা পদ্রং-পদ্রং, প্রং প্রং মখোল ফনা ফজবগুম তৌখি নঙ্গলপোমদা ইং ইং লাউবা যাওবকই। শাং লৌথোক্লুনা য়েংই ও মসিসু ওল্ড স্টোক। খোইদৌসি খঙনাও শাউনিঙলকই, নমথাক্কী পোৎযোনসিদা মমল অমত্তা তাও হায়বা যাদবা মখে শীখাং খাঙখিবা দুকান্দাব, থম্মোয়না য়ানিঙদনা শীখিবা ?? নোট অহুম মীৎশিদা শং শং উবকই ঐ হায়ফম খঙদে, শাউনিঙলম্নদগী নোক্লিংবসু ফাওবকই। ঐ তপ্পা তপ্পা মহাম তাববা মচাক য়াওদ্রবা চাকশঙদুদা লায়বখগী মৈশানা কাহৎলবী তেঞ্জালি বা বা কাবকা থাওমৈগী মঙালদা চাক থোংলিবী ইমাগী চাকপাউ ঙাইনা ঙাইনা মোম্পাক য়াওদ্রবা হিদান মচাদুদা হিপথবদুনা ঙৈহাকী ওইন মীৎ অনীসু তপ্পা তপ্পা উইশিনখি, খঙদে হায়বা ঙমদে কবম্না মতমদা ইমানা ঐবু হৌদোবক্কবা ? □

মোন্দ্রংদা ঙাইহাক

হিজম দিজেন সিংহ
এম এসসি (ফাইনেল) মেথস্ দিপার্টমেণ্ট

হোংলম্বা অঙ্ক লোইশিন্দ্রবসু থজন্দ্রগা, মী লাকই হায়বদুদা কনা ওইবিগদবা হায়দুনা ঐ চুমদ্রিং হেক্তা থোবকই। ইঙুক ঙকই, মঙদফাও লাক্কনি থাজদে। কৌশিন্দুনা ফর্শিনে, চুম্নসুম কোইবকপা ওইবমগনি খন্দুনা– 'কবি থবক্কী', 'কদায় চংলুবদে' অসিনচিংবা অমত্তা হংদ্রে। কুইনা উনকদ্রবা, মমাঙদা নুংঙাইনদবা লৈদুনা কৌনখিদ্রবা মকপ অমা, ইনাত্তা লাকপদা যাওফম থোকপা ইথিলদুবা খঙদে, হবাওবা'মগা লোয়ননা ইশাসি খজিত্তং নিকপগুম তৌই। - হংই

- আনন্দখোয়দা চঙলমদ্রবব ? 'মা য়াওবক্রবদি ।

তায়ফেং য়েংলমই, উদ্রবদুদা হেমন্তা হোয়দা অদুম চঙলে।

ইনাওপাদুনা ঐবু কৌবকই, ইবোকনা ব্য হাযগদবগী কৌবা ওইবমই। ইঅেনা চা শেমদ্রে, ইনাওপাদুনা শেল পী, অচা অথক খব লৈকনবা হায়খি। চঙলুবদা হেমন্তনা কবিগী কৌবিবনো হংলকই।

– ইবোক্না কৌবনি। তোম্বসি মশক খঙদব'দুদা কনানো হংবনি। ঐখায় ইবোকসি মশুনুপা য়াম্বনিনা ঐখোয়দা নহাবোলশিং য়াবেকহনবসি য়াদে। নখোয়বু নহাবোল ওইবমগদ্রা খল তৌইনি। ঐগা খঙনবা মী লাকপসি ইবোক্রো থিজিনবা ঙসিনা অহানবা নত্তে। নোংমখক ঐনা মখোয় খব কৌশিন্দুনা অহীং অমা য়াবেকমিন্নখি মদুদগী হৌবে ইবোকনা ঐবু শেনবা । ইবোক্তা নত্তে ইমুংগী মী খুদীংমক্নি।

কমদৌরি মকপ, নুংঙাইবিবিদনা , হন্দক থা ১/২ সিদা নখোয়বোমদা ঐ ৫/৬ বোম লাকলমই, নঙ উববা য়েংবনি, উদে মূমদা লৈতবরা।

—চঙলক্রবদি উগদবা ।

থাজদনা তোম্বানা নলিনিগী ব্য হংলকই। মমাঙদদি মকুপ তোম্বসি নলিনিগা রারী শাবসি মঙোন্দা ইহে হৈনদবগুম কয়া তানিঙদবগী মত্তৌ অমা হেক হেক উংপনি। অদুবু ঙসিদি য়াম্না তানিঙন-খঙনিঙনা হংলকলি। ঙসিগী থৌওংসি ইওন ওয়ে মঙগুম্বনি মানা অসুম্না তৌবক্কনি থাজদবনি।

নোংমা লাকলমই, কুইদ্রি ঙসি ১০ নি মুত্তা ঙাইবমখিনা সুবেশসু য়াওবকই, বিতাগা মখোয় অহমনি। নুমিত্তু য়াম্না তান চাই হায়বা তাবে। ইথন্তনি মূমদা লৈবিবা। ইয়াম্বসু স্কুলদা অদুগা অঙাং মবৈসু ইমাগা বাবাগনা হোত্তেলদা লৈখ্রেদনা, ইবোক্কা কাকাগীদা চংখিবা নুমিৎতুদি চপচানা নুংঙাইদ্রে। পুন্না লৈমিন্নবগা কবিসু খেন্নাখদ্রে। চাক থোংদুনা চা লোন্দুনা চামিন থকমিন্নবগা য়াম্না হবাওনা, নুংঙাইবা ব্যবীতা শাদুনা কায়নবে নুমিৎতু'মা। ইমান্নব'মা হৌবগা বাজাবফাওবা থিল্লুই। "মাসু ঐসু শেল থোকপা ৎবক তৌবা ঙাইবিঙে, খঙদে কবি ওইগবা "।

নুংথিল পূং মবি তাবদ্রে। হেমন্তনা তোম্বদা চংলাস হায়বকই। চাক চাবা'মা চামিন্নবগা ঙসি পোত্থাবগা হন্নবা হাযজবনি। উপায় লৈতে "হেমন্তখোয়দা লেক্রগে" তোম্বনা হায়রকপনি। 'ফবে' হায়কই, কবিনো নুংঙাইতবা অমদি লৈহৌবগুম তৌই। নুমিৎ থোকলিবা অতিয়াদা থা মাবু অমুক্তদি উগে মতাগুম, মীৎসি ফাজ্জোক্কুনা য়েংলুই নোংথক্কা মীকুপ খব।

তোম্বনা ঐগীদা লাক্কনি হায়বসি ঐ শুকথা থাজদবনি। মবমদি মহাক ঐঙোন্দা য়াম্না লানখিবনি। অদুক কুইনা লোয়নবম্ববু মানা হল্লমদাইফাও ঐবু খঙহল্লমখিদবনি।

চহীনা য়াদ্দুনা নত্রগা মতাংনা য়াদদুনা, অঙাং শাবা য়াদ্রব্বা মতমদো লাক্রে খঙন-খঙনা, মতম খরদং তুংওইনবদ্রগা মদো চাম্নবা ইশাং অমগা অঙাংগুম নহাগুম লাংমিন্নবা শান্নবগা লোয়ননা নোক খেদুনা লেনবা পুন্সিরেল কয়াদো নুংঙাইখিবা ঐনা। মরুপ তোম্বগা ঐগা মতম'মদা য়াম্না চান্নবা পক্কিবা মচিন

মনাও অনীনা নুংশিননা লোয়নবগুম লোয়নবমই। ইবান্নি ইপোক নুমিৎসু উিবনি। ইবান্নি তেয়না খৎনৈ, ঙাইহাক্তা কা'মদা পূন্না লৈমিন্নবা মাদে হেক্তা ফুনে। হোয় কবিগুম্বদবুদি অচীকপদা ম্রাম্ন চিকন লৈখিবা মাওখিদবদি নত্তে। সেনিয়ারশিংগী পূন্না চক চামিন্নবম্বদগী ইবান্নিখক থমলত্রবা শোয়ত্রে কোল লংনদুনা খৎনবা। মখোয়না হায়নে কবিগী অঙাং অনীসি পূন্না থত্রমলীবনো। ময়াম ফম্মীন্নবদা ইবান্নি থংনহন্দে অহলনা মাবনিঙ তৌই হেক খুৎ শাংনবকপদা, অচৌবা চৈ অমা পায়বগা সি খঙঙেদনা অদুবু হেক্তা থংনৈ অহলগী চৈ কয়া চাখি। নোংমসু কোল ফেংমিন্নবম্বদগী নমশিন্নে পুত্রিদা নোংমনমুক মখুৎতা ঈ-তাবা মখে ঐনা য়ানা চিকখি। মানসু চিকপনি। য়াম্না নুংশিবা থৌদোক'মসু লৈখি। থবক'মা চৎলুবে হল্লকপনি। তোয়না খৎনববসু থবক'মা চৎপদা থানদে অদুম চৎমিন্নে। মৌবমদাইদা হৌবে খৎনবা মানা খব পীকই, লমজেল য়াংই। ঐঙোন্দা ফুক্সগা চেনখি, তৌন্নে ফংদ্রবদা শাউদুনা লাকল'মদা চৎপা হৌই। মরুপ তোম্বা চঙশিল্লকই, ইনাক্তা নোম্বদুনা হায়বকই– 'ফুবোসে'। ঐনা ফুখি। ঙসিদি কুইথ্রবা মাবীসু মকোক্তগী হৌনা তম্না তম্না ফাক্তোরক্তুনা লীববে ঐঙোন্দা নৌহৌননা ঐগী ওইবিবা মাখল মানা।

"হৌগৎত্রিব্রাও"। গম-গম খিন্দুনা লোগ তৌবিবা থোঙদু মানা চিংথোক চিংশিন তৌবগা নমদুনা হাংদোকই। তৌববুদি ঐগী কাগী থোঙসি কয়া চেংতে, নাকলদা লৈবিবা ঐগী কাগা শম্নবিবা শীজিন্নবীদ্রবা মল্লবা হেন্দলুম ইন্দস্ট্রি হায়বা অবে, মদুগী ওফিস ওইরম্বজাংনি। মদুদা অদুনা লৈবিবা পোৎ চৈ শিংদু উকবগা পূক্লিংদা ফাওখি, সরকারনা অসুম্না য়েংশিনবীদনা ঐখোয়গী ইরল কয়া মাঙহল্লেকো। অদুবু মাকৎলুবা ঙমদে। করি তৌগনি তৌফম খঙদে। মতমদু ১৯৯৬ কী ফেব্রুবারী অমসুং মার্চ অনীগী অইনবদনি। নুংতিগী অঙনবা অয়ুক আনন্দ ইবান্নিনা হৌগৎত্রিঙে তোম্বা হেক হেক লাক্তুনা নমফুদা থিংদুনা থত্রিবা থোঙদু হাংদোকই, অদুগা কাংখল হাইদোক্তুনা ফাগী খয় অদুম তৌই। ঐগদি মরুপ তেৎসি হায়া খঙনরকপা নত্তে, আনন্দগা হাই মুল লাইফক্তা থেংনরকপনি। ঐখোয় চমিন-থকমিনব তৌই। তেৎন-উিরবনিনা মরে খয়া য়েৎনবা, ফগী খয় তৌনবা হায়বসিদি হৌনাশানি। মবে য়েৎনবা ফগী তৌনবা খুদিং আনন্দগা তেম্বগা হেক-হেক শাই। ঐদি ইখরা তাই। অদুবু ঐগী

হৈনবীনি ঐনা ঙম্নবা য়েংপা। ঐখোয় লৈমিন্নবিবসি পূন্ন ষ্টুডেন্টস ২৫ নি। হায়ে খঙনবকপশিং গ্রুপিং শাই। ঐখোয় খব পূন্নগা মাবী শান্নে– ঐখোয়গী মরক্তা ম্বাইদগী শক নুংশিদবাসি কনানো, হায়নে খোমানি। খোমা নাইতোম তাগনবা মীওইনি। কুচু মুই, হেক য়েংবদা মরৌ লৈবা মাল্লী। অদুবু মহাক য়াম্না যৈ।

মে অমসুং জুন, সামাব ভেকেসন পীবে। ঐ মূম চৎপা তাখি। 'ঐদি ইথত্তা কবম্না লৈদৌবিবা' আনন্দনা হায়বনি। মহাক খব কিগনবনি। ইবান্নিনা লৈবিবা কাসি অতেদগী তোঙাম্না লৈ, খোংলম অমনা থায়রগা নাইতোম লৈবনি। কিফম থোকই, কিফম থোকপা মফমনি। অদুবু ঐদি চৎপা তাখি। চৎখি।

থা অনী অদুগী মবক্তা ঐ নোংমা লাকখি। ইউনিট-টেষ্ট অমগীদমক্রি। আনন্দ কা থায়দোক্তুনা ময়াম লৈনবা কাবোমদা হোংজিল্লমই। ঐনা মাগী মূমদগী পুবকপা পোৎ-চৈ মাগী কাদা থমই। ঐ উবদা তেম্বনা হবাওনা কৌবক্তুনা ঐ'শান্দা কোল্লকখি। নোংমতসু ঐগা মত মান্নবা, মরে য়েৎনবা খুদাংদা মীচং ওইখিত্রবা তোম্বনা মতম খব উনদবা, উনবদা মঙোন্দা ফাওখিবা ইথিল, মাগী মতৌ, ঐ তশেংনা পূক্লিংদা নুংঙাইব মা ফাওখি। তোম্ববু ঐনা ফনা খনখি। চাক চাদুনা লাকপা ঐ মানা পুশিন্দুনা পুখম অমতদা চাক চামিন্নখি। পূং অহুম অদুমাইদা ঐ বস তোংদুনা মূমদা হল্লে। খল্লি– অঙাং ময়াম্না ঐ ঙাইহল্লেপনি। বস মনুংদুদা ঐগী পুন্সিরেলবু শাগৎতুনা ঐ [illegible] মঙখি। ঐসু ছাত্র মখোয়সু ছাত্র, অনীগী খেন্নবা উবদা ইম্ [illegible] বাবাবু [illegible]বৌবকই, ইমাম্ববুসু শাউনিঙলকই, অদুবু ফা[illegible] নুংশিখ মখোয়বু, মখোয় লৈতবনি, উপায় লৈতবনি। ঐগীদমক শোয়দনা হোৎননিঙলমগনি, উপায় লৈতবদগী তৌবনি।

ভেকেসন লোইরদুনা ঐ লাক্লে। মসিদগী হৌরে, ঐগী ইনৌ নৌবা অবা-নুংঙাই কয়া হৌরকনবগী মচাক শাগৎপা। তেম্বা মরুপ তেম্বা, ঐগা নকশিন্নবা হোৎনৈ। কবিগী ঐগা লোয়ননিঙলিবা, মাগী কবি কান্নবা, ঐ খঙদে মানা করি খল্লিবা, খঙনবসু হোৎনরুদে। ঐনা খনখিবা হায়রবু মহাক ইচম চম্না মরুপ অমগুম উিরবা পান্দী হায়বসিদনি। মসি ওইফম থোকপনি খল্লি। মরক অমা নুংতিগী পূন্না চাক থাংনদুনা চমিন্নবা ইমায়বনিং মতম-মতমদা চৎখিদুনা তেম্বা ইবান্নিখক তাখি, মতমবু আগত্ত থানি। নুমিৎ হয়নি মরিনিদুবগী

ইবাম্নি য়াম্না নকশিন্নবা তিন্নবা হৌখি। অবে-লৈত হংদোক হংজিন তৌখি অখণ্ড-খণ্ডদ তান্নখি অমনা ঙাক্তবা অমনা সপোর্ট তৌনদুনা চান্ননা তিন্নবা তৌখি। মীনা মাবু খজিক্তং খিন্না ঙাঙগে তৌরককপদা ঐনা ওনখৎতুনা খুমখিবনি, মাগী ফনবতা ঐ তৌখিবনি। পুন্সিদা অরে-লৈত, অরা-নুংঙাই, অমদি অখণ্ড-খণ্ডদ অফ-ফত্ত তান্নবগা লোয়ননা পুন্সিগী হৌদ্রবা অমদি লাক্কদবা ৱাবীশিংবুন কয়া অচীকপদা লীনদুনা লোয়নরিবা মখোয়দুবু কৌগনি চান্নবা, নুংশিনবা।

কবম্না তৌখিবনো খণ্ডদে য়োম্মেনসু ঐগা নক্না তিন্নরে। মাগী ময়াম্নদি খণ্ডদবা ঐনদি খণ্ডবা য়াম্ন ফব ওুন অমা য়াওবি মদুদি নুপীসি কবম্না থেমগনি, কবম্না কোয়গনি, কোয়ববদি কবম তৌগনি। মসিগী মবমসিদদি মহাক ফুল এক্সপিরিয়েন্স লৈবে। মাগী হৈ শিংবসি মাদি ফজনা শীজিন্নখ্রে। ঐসু মতৌ তম্না হৌক্কবনি। বোম্মেননা ঐবু মমান্নবী অমা ঐগা খণ্ডনহনখি। মসিদা নুংঙাইখিদবদি মানা খণ্ডনহল্লিবা নলিনি— তোম্বনা হান্ননা বোমাতা খণ্ডনহনবীয়ু হায় হায়বসিনি। রোম্মেনদি খণ্ডদে হায়রি, ঐনা হংবদা। তোম্বনা ৱাফমসি ঐঙোন্দা হায়বনি। মানা ঐগা থাজনা চান্ননা য়াম্না নক্না তিন্নবদুনা চম্না য়াম্না য়াংনা অদুম হায়বকপনি। মসিদা মাগী নুংঙাইতবা অমত্তা মাগী মায়খোংদা উংখিদে। মতমদু মাদি ঐগা নলিনিগা ফজনা নক্কবে খনবনি। অদুবু মতমদুদি চম্না তিন্নবি, ঐ মঙোন্দা কবিগুপ্তা মখলগী ইঙ্গিং অমতসু শীখিদ্রি। ঐনা তোম্বদা পুন্নমক লীখি, নঙনা তশেংনা পামলবদি ঐনা ম্নাওবা হায়বীগে হায়খিবনি অদুবু য়াদ্রে। তোম্বনা হায়বা ঐনা থাজবা হায়বসিদি শোয়দ্রবনি। তোম্বনা হায়বা ঐনা থাজবা হায়বসিদি শোয়দ্রবনি। বোম্মেন ঐবু শাউখি, ঐগী ইতৌদা, অদুবু হৌজিক্তি নলিনিগা ঐগা তিন্নবে। নলিনি য়াম্না ফৈ, য়াম্না নুংশি, ঐনা মাবু থেংনবা ঐগী কয়াদা লাইবক ফত্রবা। মানা তৌথোরকপা খুদিং ঐ ইপেন্দা পেল্লি। অসিগুম্বা নুংঙাইরবা খুৎলোয়না পুন্সিসিদা অহানবনি। মাগী ঐবু কিনা চংচবা শাজৎ ঐনা কয়াদা নুংশিবা। ঐ খঙই, মীয়াম মাঙদা নুংশিদবা শারবসু ঐবু মানা নুংশি, মসিননি ঐনা মাবু অসুক্কী মতিক থরায়দগী হেল্লা নুংশিরিবা।

ঐ নুমিৎ ১০ নি থবক অমা চংখি। অরোইবা নুমিৎ মার্চ ২১, ১৯৯৭ যুম্ন ওজানা যেন চারা'মা চামিন্নসি নোংঙাল্লগা তম্না হক্লো হায়বনি। অদুবু ঐনা য়াখিদে, ঙরাংগী নুংঙাইখি াবা মঙ নীঙশিংদুনা, খিন্দনা ঐ থবক লোইবগা হল্লকখি। গাড়ি ফংদদুনা চেং পুবা টাটা গাড়িদা, চেং বোড়া মথক্তা ইখল্লা তোংদুনা লাকখি। ঐনা ঐগী লৈফমদু য়ৌবদা নুমিদাংগী পুং ৭ তাখি।

"ঐ লাকএ"— কয়াদা হবাওনা হায়খিবা ঐনা। খোংউলফাও লৌথোক্কনা চঙই, মেঘনা চাক থোংলমই, তোম্বনা য়েনশাং শেদ্রমই, চঙশিন্দুনা অফম্বা চাওববু কোল্লুই। হরাওবগী খরদু তম্না শাংনা হোনদোকখি। মরুপ তোম্বনা কবিসু তৌদনা ফমলম্বদু উবদা, ঐ তশেংনা হরাওখি।

— 'তোম্বনা মঙদা উবমই লাক্কনি হায়বদি লাকলেদনা। মেঘনা হায়বকপনি। অদু নুমিত্তুদগী হৌনা অরাবদু ৱাদনা লাকপগী ফম্ল ওইনা, নুংঙাইবগনি খল্লুবগী পুন্সিসিদ নীংঙমদবা পেন্দবা অমদি ৱাবৌবা কয়ানা শাবা চৈখে অমা ঘুখৎপা ঙমদনবা হায়দুনা অকনবা চৈনাগা লোয়ননা চিংখি শোল্লবা থম্মোয়সিদা। ঐনা হবাওনা ঐনা লাকপগী ৱাবী তমই। তেম্বা হান্নগী মওংদগী তোঙাল্লমই, ৱা কবিসু ঙাঙখিদে তশেংনা ঐঙোন্দগী লাপথোক্কগে খনবা মানখি। নুমিৎতুদগী তম্না তম্না লাপথোকনরে। নুমিৎ ১০ নিদুদা থেংনবকপা খুদিং চিংথদা তমগে খম্না লাকপা অবেম্না তাম্রে। ঐঙোন্দা নুংঙাইতবা থম্রমলে, নোংমা নোংমগী খবা খবা লাপথোকনখিবনা লম্বীদা থেংনবফাওবা খঙনদবা অমত্তম থৈনদুনা চংনরে। পেন্দ্রিবা নুংঙাইত্রিবদি, কবিগীনো হায়বসিনি। মাগী নুংঙাইতবদু ঐঙোন্দা শেংনা হায়বদু মানা হায়নিঙদ্রিবনা করিগী ঐঙোন্দা মাগী থাজবা থমলমদবা, ঐবু থাজবমদবা ঐগী লাইবক থিবনি। ঐনা থবক চংলুবগী হল্লকপা কুইন্দ্রিঙে নোংমা চহী খুদিংগী MBA না শিনবা MAN-FETE দা থেংনৈ, ঐনা ইমান্নবগী মকমদগী তম্না লৈথোক্কুনা য়েংলুই, অঙকপনি মহাক লাকমিন্নবিবা মমান্নবদুগী মরুমদা লৈশিনখি। "মরুপ নঙ চংলো, চংলো নীঙবদু থুংনবা, য়াইফবা ওইয়ু"।

মতম খব লৈরগা ঐ, ঐগী Private rent থাদোক্কুনা Hostel দা হোংলে। চংলমদাইদা কা খুদিং চঙলমই, মকপকীদি চঙদ্রে, মহাক লৈতবনি। খিংলিবা থোঙপুদা হায়কেক্তি য়েংলম্না খল্লি। খনখিবনি, কুইনা ইমুং-মনুংগুম পুন্না লৈমিন্নবম্বদগী কায়নরমদাইদুনা শাউনখ্রবসু। 'ঐ চংগা তারে' হায়না অমুক্তদি কৌদুনা হায়রবগে হায়না। অদুবু থোকখিদ্রে। সুক হায়মক হায়দবদি নত্তে। লোংমসু ঐনা মরুপ মাগী খুৎ শায়দুনা হায়খিবনি, "নুংঙাইনদবা

থম্নগুমসিকো" মথন্তা কমলম্বদুদা চঙশিন্দুনা । ও ! নঙদি কাউবত্রগনি । ঙরে লোইরে, সংসারসিদা মরুপ শান্নবু কয়াম কুইকনি হায়বগে । মরুপ নঙসু চৎলেদনা, চৎলো খত্ররোই । অদুবু তিম্নরম্বদগী কায়নবদা কাওকম থোকপা ইথিল'দুমদি ঐঙোন্দা মরাং কায়না কাওথি হায়বসিমদি খঙহন্নিঙবনি । অদুবু কান্নগনি খল্লে । ঐ খঙলে, কান্নবা কংলোইদবা থবক খক তৌরোইদবনি হায়বা ।

মৈশা কংবদা খঙপ্রেক খঙই , খঙহৌদ হায়দোকখি "করিনো ঐনা তৌরুবিবসিদি" । যম্ল তাপ্রবদা , অদবা য়ারোই হায়দুনা নমকুদা অনবা হোৎনবদা মাঙম্নবা চেবাংশিংদু চৈথায়বগা লোয়নননা অনবা কন্না হোৎলিঙে, মৈ মুৎথোকখিদুনা, কেঙল অদু চমখৎলগা মাঙদা লৈবিবা Diary 'দু লৌশিন্দুনা মদুদা য়ুংলম্লান । মনাক্তা চেবাংশিংদু মেন তাদনা চায়হৌবনি লোইশিনবাদবগা হৌনবা হায়ফেত্তনি টেবলদুদা ভাথদুনা রাখল খনখিবা । মোন্ত্রং শান্নত্রবজাংনিদনা । ওহোকপনি ' মপুং ফানা ঙাদহৌবা কেঙল মানা মপুন্সি লোয়বমদাই মাগী মহুৎ শিনহৌনবা হায়দুনা ঐবুদি কবিসু খনবীদনা মনাক্তা লৈবিবা ঐগী চেবাংশিং, অশংবা ফিদাগা লোয়নননা ঐগী অমত্তা ঙাইববা Diary দা শিম্নবমদুনা, ঐবু মখোয় ময়ামগী মৈশা লাংহন্নত্রগা চৎখ্রে মাদি । অদুবু, ঐবু জ্ঞান তাহনখিবদি মৈশা অসিননি, মদু তৌরমত্রবদি ঐ মোন্ত্রংদুদা ইপুন্সিসে কেন্নমগদবনি । অমনবা ঐগী Diary লোইখ্রে, হৌবান ঙসিদগী ইনৌ নৌবা ঐগী পুন্সিগী বারী ইবা, অহানবা ঐগী Diary দা । ❑

শ্রদ্ধাঞ্জলি

অরিবম সোবিতা দেবী
এম এ অহানবা চহী, (হিন্দি)

ঙসি বুধ পূর্ণিমানি। অয়ুক অঙনবদগী সোবিতা গোবিন্দ চংকদগী শেম-শাবি। মফি মরোল শেংনা শেংনা মমীংতগী মপি শীঙ্বকই। দিশক্রা শীরকপা বাখিদু য়েংলগা মপি তৈথোকপা হোংনরি। ফনমক কাউথোক্কে হোংনরবসু নুমীৎ অসির্মাদ মাগী থম্মোয়বু পোথাহল্লি। পুন্সিদা মফম খঙহৌরবা চৈনা অমনা মহাকপু ঙসিসু চৈথেংনহল্লি। চৈদুসিননি মাবু পোথাফম খঙদনা ওৎপিবিবা মীংলুগী ঈচেল নাইহল্লিবা।

- মাফ কিজিএগা কবিনোমত হংজগেবা। থাজদনা জয়পুৎ গোবিন্দ মন্দিরগী থোংগান্দা ঙৌবোক ঙৌববা মাং চাউববা নীপা অমনা খামলকখি। লেপ্তুনা খুমলুই।

— জী, ফরমাইএ।

নোকফেং তৌবদুনা হংলকই, ক্যা আপ অপনা নাম বতায়েংগে।

পিং, লাউই। মীবমদুদতা নস্তে। মুমদসু ঐদি হৈনদে। নুপাশিংনা তুং ইন্দুনা লক্কবা মিং হংবা ঐগী অশাওবীনি। শাউনিঙমনখিদুনা মায় মীং ঙাংশং ঙাংশিনখি। কয়া ফাথবদুনা কবিসু খুমমদনা লৈথোবকখি অদুবু মাদি অপ্রপনা ইন্নবক্কগা অমুকসু হায়বকই।

— আপ বুবা মানগই। মেরা মতলব গলত নহী হে।

মানা মখা তাবা নঙপ্রিঙেদা শাউমনখিদুনা মায় ওহেক্কগা মরক থংনা হায়রুই, অব হম বচ্চে নহি রহে, ইশলিয়েকী আপকী মতলবকো ভি হম অচ্চী তরহ শমজগে। অইন্দা ঐসি হবকং নহী করনা। জরা আপ হমারে বাশতে পব ন আয়ে তো অচ্ছা হোগা।

মানা খুল্লকপদু ঐ তরুদরে। খোঙথাং থুরপ থাংলদুনা অদুম লাক্কে। শোয়াংননা শোলহৌবদুদি মমি শামি তারুকই।

—মৈং আপসে কোই ঐসি বৈসি ।

মা উন্নুংগ্রম লেপ্তুনা ঐবু য়েংহৌই। মহাক্কা হোন্দোকহৌবা নুংশা খর মপীদুনা ইকাইহৌবে হায়বদুদি । ফরে ওইনিঙবা ওইজসনু কবি তৌনকনি।

নুমিৎতুগী মতুংদা মাগা কয়ারক থেংনখি। ঐবু থেংনবা খুদিংগী হেক্তো লুকথখি। অদুবু মাগী মতৌদুনা করিগুম্বা খবদি হায়নিঙলি হায়বদুমদি অকলি। অদুবু ঐগী জাতি মাগী বিজাতি খায়বা বাখলদুনা মহাকপু নকশিনখিদে। মাবু তুক্কংচখি। খনখি, ঐগীদমক্তদি ইরমদম মণিপুরদা থৌনা ফববা পাখঙ কয়া ঙাইদুনা লৈবি। লোনসু তিন্নদবা, কুচুসু মান্নদবা মহাক্কা ঐঙোন্দা খাল্লবসি করিনো মৈতে নুপীশিংবু অরং অবাকতা মীং থকপী ওইনা উরবা জাংলা। ময়ুমদগী লাক্কবা ঙমদ্রবা খবনা পংয়া মাবদুদা ঐখোয়বুসু উশিংত্রিবা জাংলা। ইরেবাকপু চেষ্টবা মীবমসিদা লুকমাই পানবীশিংসিনা কবিনো পাম্রিবা ? শেদোংশিংবু শাম্নপোংলা মযাই কাহম্নবরা ? মফম খঙদনা থম্মোয়সিনা বাবৌবকখি। কবিগুম্বদা মানা ঐখুতা উম্নবা হোংনবদা তৌফম খঙদ্রদুনা হোটেলদা হল্লক্কগা কপখি।

নুমিৎতু ঐ থাজখিদে। ইরুজবা লোইরেগা তেরেসত ফমদুনা শম কংহল্লিঙেদা, চন্দ্রাসি চঙলক্কগা হায়রে।

— সোবিতা, আপসে মিলনে কে লিয়ে, কোই ভিজিতর রুম মে ইন্তজার কর রহে হে।

ঐ হরাওখি। ককা নত্রগা বাবা নত্রগা দদা হেক হেক লাক্কনবনি। হন্দকী থাগী শেনসু লোইশিনখ্রে, থনায় বারব্রবনি। অদুমু মীংকুপ্রদ অবাবা পুম্না কোককখি। হরাওনা তফিং তকিং ভিজিতিং রুমদা চেনশিল্লুই।

— নমশতে, নঙবু উম্ননিঙদুনা লাক্কখনি।

মরোল খোইরপ মৈত্রেয়োন্দা ঙাঙলকই। ঐ চপ লেপখি। মীংকুপ অমদি থাজদনা ঐ মাবু মুম্না য়েংখি। থংনবা মীংকুপ্তা মায়-মীং ঙাংশং ঙাংশিল্লকখি মাদি থৌজা ইশা শাদনা হায়রকই।

— প্রেজেন্ত সিমতং নঙোন্দা পীবমগে লাকপনি, ঐনা ই ।

ময়াম অমা পীনা-পীনা হায়বকই । ঐঙোন্দা মতৌদুনা অচাকপা মৈদা থী হৈজিল্লকপগা চপ মান্নখি । শাউমনখিবনা ইশাবু ফাথবা ঙমখিদে। ইশাপূন্না থক-থক নিকপমখে শাউখি।

– What the hell are you ? Why are you haunting me all the time ? I don't want any presenter or apology from you Get lost, I say you get lost

পীরক্লিবা পোত্তুসু তাপ লাক্লগা থোঙজিন বাংমা লান্না লাক্লুনা লংখি । ভেবেন্দাদা থরো থরো ওন্নগা পিল্লার মখোঙদা ঙাক্লগা লেপখি । মহাক মখাতানা ঙাঙগদবগী মচিনবান লেঙলকই। অদুবু ঐদি শাউমনখিবনা মহাক মীনৌনি হায়বদু কাউথোকখি । মখা তাবক্লিডে লাউবকই— I don't want any clarification from you, get out !

লৈথোক্লগা খুদোনবী থিন্দুনা থোকফম তাকই । হৈনিঙদ্রবা থোঙথাং অমদা, মক লূকথবগা তন্না তন্না থোকখি। Pillar মখোঙদা তাবিবা ময়োমদু ফমথবগা তন্না লৌখংখি । মহাক কপখিমাল্লে । পিরিক অনী অহুম pillar মখোঙদা তপ তপ তাবকই । ঐগী থোঙ্জেল তাবদা কাগী থোঙজিন্দা লেপ্লদুনা পূম্নমক মাগী মতৌ যেংখি । অদুবু মাদি কনাদসু য়েংলমদনা তুমিন্না থোকখি । নুমিৎতুদগী মাবু অমুক উখিদ্রে । থা মরিগুম্না হৌদ্রে । ঐ মাবুসু কাউথোকদ্রে । য়ুমদা থোক্লমদাইসু য়ৌবে । ইমুমগুম্না লৈবক্লবা বিদ্যাপিথতু মতম চূম্নগী থাদেক্লগনি খনবদা, ঐ পূক্লিং য়াম্না নুংশিখি । নোংমা ইখঙ খঙহৌদনা চপ্লাসি লাক্লগা নুপী অমনা ঐ উম্নগদবগী ঙাইহৌবি তক্লকই । কনাবু ওইরিগবা ? ঐ চিংনখি, খনফমসু খঙখিদে । চিংন-চিংননা ভিজিভিং ফমদা চঙশিল্লুই । পঙ্গাবী মানবী তৌরোক তৌবী নুপী অমা ফমদুনা লৈরমই । ঐবু উবদা মুম্না য়েংলগা, মপি তৈথোকখি । মাগী মতৌদু ঐ জান তাখিদে। ঐগী তিংঙক মাইঙক্লবদু উবদা য়াম্না বানা হোৎনদুনা য়োয়োন নোক্লগা হায়বকই ।

— আপ আশচর্য হুই হোগী । ঐ দিলকী মমানি, নঙঙোন্দা করিগুম্না খম্না হায়নিঙদুনা লাকপনি ।

মাগী নাকন্দা লৈল্লিবা অঙাংবা মচুগী ময়োমদু উবদা ঐ জান তারকখি । মহাক ঐবু খাঙকম খঙদবমখে, ওৎলম্না নুপাদুগী মমানি । খঙলাউ শাউনিঙলকখি । মমা-মজা লোইনমক মান্নদুনা ঐবু খাখলদু মপূং ফাম্রিঙেদা, নুপীদুনা তম্না হায়বকই । ঐ খঙই ইবেম্মা নঙনা শাউনিঙলিবদু । অদুবু দিলকী বাহে পূম্না মপূং ফানা তোক্লোদা কৈদৌরুনি হৌখিবাদি হৌম্রেদনা । অদুবু মহাক্না চৎলমদাইদা মসিমদি য়াম্না চেকশিন্না শিন্নরম্মী । অদুগা নঙোন্দ চমথোক্লুনা মাবু ঙাকপিনবা হায়জনবা ইমাদা কম্না শিন্নরমদ্রে । অদুননি, ঐনা লাক্লিবসে ।

ঐ কবি হায়কনি, হায়ফম খঙদে, শাউনিঙবনদি অসুম অসুম হেনগৎলকই । অদুবু ফাথবদুনা মনাক্তা ফমথকই । মাদি মখা তাথরকই ।

— দিলকী নঙগা শক চপ মান্নবা মচম্নুপী অমা লৈবমই, সোবিতা কৌই । নঙবু হেক উকবা নুমিৎতুদা, হক্লক্লগা ঐঙোন্দা তৌদ্রে । ইমা ঐখোয় সোবিতা হক্লক্লে, ঐ ঙকখি বাহৈদুদা । অদুবু মাগী বাহৈদু ঐ য়েংলুদে । মতমদু মহাক মথকায় নুংঙাইহম্নবা ডাক্তবনা এদভাইস তৌদুনা লৈখিবনি । নঙবু হেক উম্নরুবা খুদিংগী, হক্লক্লগা ঐঙোন্দা রাখি পুলহক্লুনি চৎখিবনি । নঙবু পূক্লক্লগা ইমাগ] উম্নহনগনি হায়রম্মী । অদুবু হক্লকপদদি মমায় মুশিন মুশিল্লগা লাকখি । নুমিৎতুদগী ফমুংদগী হেক্দোকখিদ্রে । অদুবু মিকুপ খুদিংগী নঙবুতদি শোনখি । কপুনা হায়খি, "ইমা মানা ঐবু লান্না লৌদ্রে । ইচম্নুপীনা ঐবু বাবৌদ্রে। চৎলু ইমা, মাবু থেম্মলুচো, অরোইবা ওইনা ইচনগী মশক অমুক্তংদি য়েংজগে । অদুবু ইমানা খাজখিদে, চোইরোলনি খল্লুই । অদুবু ঙসিদি খাজবে, নঙবু উরম্বসিদা ইমাসু নঙবু সোবিতানি খল্লি । মসি ওইথোক্তবনি ঐনা খনখি, অদুবু করে, মসি লৈজরসনু মচননুপীদুসু হকুম লৈখিদবনি, কেন্সর পেসেন্টনি । মাসুনি, কেন্সর পেসেন্ট । থা মরিমুকসি নঙবুতা শোক্লরগা ঙরাং লৈখিদ্রে । অরোইবা মিংকুপ্তা পোংয়োমসিমগা চিঠিসিমগা পীরগা নঙগী এদ্রেস ইরগা হায়রমই, "ইমা ঐনা মাবু অরোইবা ওইনা উনবা ফংখিদ্রবসু, মসিমতংদি মঙোন্দা য়ৌহনবিয়ু" । ঐ করি তৌগনি ইবেম্মা, শিম্রবা মাগী অরোইবা আশা মপূং ফাহনবা হায়বসি ।

বাহৈদু মপূং ফারকদ্রে । ঙসাইদগী লকলুনা তম্নলকপা মখোল থোরক্লে । শিরাংগী ইচেলনসু তৌরোক তৌবী মায়থোং শারি পূম্না শামকম ওইরবে । ঐগী থম্মোয়সু মচেং তারমলে, মীংলুশিদা বিবো ঙমক্লবা শিম্রাংনা ইচেল নাইরক্লে । য়াম্না বানা হোৎনদুনা লোইশিল্লকই ।

— অমুগী মখতা মহাক ঐগী ইচানি, ইমাগীদি মচিন

মৌপ্রোতনি। অদুবু ।

উম, নবুংনা শীবগা অসিদংদি নঙ জংনদনা ।

মপুং ফাহনবা ওমখিদ্রে, হিক্রা হিক্রা কপ্লকলে। ঐসু তৌফম খঙদনা মতম্বাক্তা মায় উপাশিন্দুনা পেল্লা কপচখি। মোল্লখা মথুং অনীদুনা কোক্তা নানবিরদুনা কপ্পা কপ্পা হায়বকই।

— নঙ দিপকপু য়ারৌগনু, মানা নঙঙোন্দা ।

অমুকসু লোইশিনখিদে। ঐ করি হায়রুনি। নীংঙমদবনা মপাল নাইদনা থম্মোয়বু শিরাপ তৌজদুনা পেল্লা, য়াম্না পেল্লা কপখি। অথুবা মীংয়েংনা মীওইবগী থম্মোয়বু খঙবা ঙমজুদ্রবা থম্মোয়বু মফম খঙদনা য়ারৌবকই।

ইমা চংখ্রবা মতুংদা য়াম্না য়ানা হোৎনদুনা, চিঠি হাংদোক্লগা পাকই।

সোবিতা,

নঙ ঐবু য়াম্না লাল্লা লৌবমাক্লে। লৌফমসু থোকই, য়ারৌফমসু থোকই। নঙবু ঐনা অরেপ্পদা য়াম্না য়েংখ্রে। অদুবু ঐগী লৈখিদ্রবী ইচল্পুশীগা শক মান্নবী নঙবু উরুবদা, থম্মোয়সে খাঙঙমখিদে, নঙবু নুংশিবনা ইকাই-ইকি য়াংমা লানখি। নুমীৎতু ঐ নঙোন্দা য়াখি পুলহনগে লাকপনি। অদুবু । ফরেদা ঐনা লানখিবনি। করিগুম্বদা নঙনা ঐবু, ঐগী থম্মোয় মশক খঙবিদুনা নবুংনি খল্লকবদি, ঐগী খুদাংদা পুনবা ফংখিদ্রবা য়াখি অসিমতং মোংফমথক্তা। অদুগা করিসু খল্লুনু, পুন্সি হায়বদু মসিনি। অদুবু মীগা মীগগী মবক্তা খল্লিবা মুখল অসিমদি, ঐগী থম্মোয়না ঙাকশিবা ঙমলরোই। মুখল অসিননি, ঐবু নঙোন্দগী লাপথোক্লহল্লিবা। ফরে, নঙ ঐবু য়ারৌগনু, কবিগুম্না মথংগী মপোক হায়বদু লৈরমলবদি, নঙবুসু ঐনা ইচল ওইনা ফংজগে।

নহাক্কী নবুং

দিপক

য়ানা থেমজিল্লুরবা থম্মোয়সি, মহি অমুক চেল্লকখি। মীংলুদগী শীহুরকপা শিরাংনা মোন পুমচোং চোংখি। মথংগী নুমিৎ ঙাইরুদনা খুদক্তা ইমাগী মনাক্তা চংখি। দিপক্কী মোংফম য়ৌনিঙবনা খাঙফম খঙখিদে। মোংফম মথক্তুদা লৈরাংশিংগী মরক্তা মোমোন নেক্লকপওম ময়েকশিংদুনা "দিপক জৈন" ঐ খাঙবা ঙমখিদে। খুৎতা চেংনা পায়শিল্লিবা য়াখিদু ময়েকশিংদুগী মথক্তা থক্লগা খুরু খুদক কুপ্পুনা খুরুমখি। মীংলুদগী শীহুরকপা শিরাংনা ময়েকশিংদু চমথোকখি। থম্মোয়নুংদা নীঙজরকই।

— ঐ য়াম্না লানখ্রে। খুরবা মীংয়েংগী পম্পুংদা লৈরুবনা দদাগী থম্মোয়বু খঙলুদবনা হম্না হম্না মৈচাক শীখ্রে। করিসু খঙজখ্রিবী পঙলবী নচাম্ন খন্দুনা ঐবু ঙাকশিম্বু। থম্মোয়সিদা মতম চুম্নদা দদাগীদমক পুক্লিং ডিংনা নুংশিবা ঙমজগে।

— কৈদৌরে, কত্তুনা লৈরবদি, থেক্লনি। আরতি লোইস্রদি বর্টিদু কংপা নঙহৌররোই।

মনম্মনা সোবিতাগী মতৌদুদা ককঙাওনরদুনা হংলকই। সোবিতা খুমলুপ্রে শিহুরিবা শিরাংদু ইনথি ফিজিনা তৈথোক তৈথোক্লা থোরক্লে। অসুমনা থৌদোক্কু নীঙশিংলকপা খুদিং, থম্মোয় মচেং কপ্পা থোক্লা কায়খি অমসুং থম্মোয়বু শিরাপ তৌজবা ঙসিসু লেপত্রি। অদুগা কুইরবগী তুংশিদসু থম্মোয়গী পোংলুমদি ময়েং অখিত্রি।

গোবিন্দগী আরতি ঈশে পুং-কোরতাল মখোলনা পুমনিল নিল্লি। সোবিতা ইবুংঙো ইবেম্মা অনীগী খুগোল রূপপু মিং কুপতনা য়েংলি। খুউ লৈতানা কুপথদুনা, কোক্লা মালেমপোক্লা থম্মোয়নুংদা নিজরকই "ইবুঙো" তোল্লখীবু সংসার পল পুম্না লাহোক্লা নথুম্না থম্বালতবু উজনবা, মীওইবা পুম্বু ইজাতিনি খনবা ঙমজবা লমজিং মৈয়া অদুতদি খুৎহনবিগনুকো "হে জগৎমপু ইবুঙো"। □

পনখৈ অমসুং পুন্সি

ইরেংবম তিকেন
মণিপুরী দিপার্টমেণ্ট

ইঙা থাগী তরাতকক্তি পানবা থাজনা নোংগোক থংবা মাইকৈদগী নোংদোল তন্না হাইগংলক্লী। ঘৃতু মাগী খোঙচংনা অমুক অমুক ঘুমজীন্নরি থাজ মাগী মায়থোংদা অমূবা নোংগী অশাইবা মতুম মতুম্না , লেম্না নাইদে থাজ মাগী খোংচংসু নোংদোল অদুমক তন্নক্লী।

পাক্লবা কা অসিদা ঐগী পুন্সি অদুমক লোইখিবা তারব্রা ? পাবুংনা ঐবু বানা শহর অসিদা লাইরিক তম্বা থাবকখি। অচৌবা আশা অমগা লোয়ননা। লোইশিক্লে মহে তম্বা, পাবুংগী আশা থুংনবা। থবক অমতংদি তৌগে। লৈতে। অমতসু ফংদে, শহর অসিগী অচৌবা ফেক্তরীশিং ওফিস দিপার্টমেণ্টশিংদা অহাংবা ফম অমত্তা লৈতে। মফম খুদিং মীগী মীমক্তা বুঙংসু নক্তা অদুবু ঐহাক হিংনবদি য়াদে। পাবুংগী আশাসু কায়হনবা য়াদে। ঐহাক অচৌবা ইনাক কৈরাক খুনবা, মরেক মহাও থোকপা পুন্সি অমদি ওইদবা য়াদে। নীংহন্নবদি তৌদে ঐহাক, শহরসিগী ইনাক কৈরাক খুনবশিংগী মচা মগুশিং, লাইরিক তাকপীদুনা ফংলকপা অরামম্না হিংলি পুন্সি অসে শহর অসিগী পীক্লবা তারাগী কা মচা অসিদা।

তৌফম খঙদে খহ্রবদা , বাখল পীকপীন্নকই, ইশা অসে শোম্নরকই। ইতোমতা আম্বাবাত তৌরগে হায়বকাও খনখি।

অদুবু পুক্লিং মহাক্লা কয়া কাখিবদগী মথোলগী থোক্তা, মীংতমী দি তানা থম্মোয় শোক্তা কপচখি। অমুকসু ইথক্লা হংজখি। ঐ অসিবু মীয়া ? মক্লপা হি মানবা জাংলা ? অসুক য়াম্না বানা তোহনা হিংবা পুন্সি অসিবু ঐগী লমহনবুক মপোক্লী কপগী কলনা . . ? অহিং পুনিং বাখল লংলাশিংনা লোং ভানবা খঙহৌদে। ইথৌদি লেম্না লৈত। চংলি। ইনাকখুনবশিংগী খুমদা, শিরুম নাকম হোল্লীবা নুংশাশোব অসে লেপখিদনবা।

চহী অমা অনীঙদংদি মীং-না চেজেং উইশিন্দুনা পৈশা খরা পুন্সিনবা গুব্রবদি করিনো থবক অমা তৌরগে হায়বসু লাইরিক তম্রিঙেদা কবিগুপ্তা খুংনা শুবা থবক অমতসু হৈহৌদে। কবিনো ' ঐনা তৌগদবা ? ঐনা তম্নুবিবা ইহে অসিবু অসুম্না পুন্সি অসি লেপ্পনবরা ? ঐনা লাইখিক তম্রিসিবু লাইববা খুদংদা পোকপা পাবুংগী' আশা কায়ননবরা ? হায়খি ' লাইবিক্তা, "পুন্সি হায়বসি থবক্লী, থবক লৈত্রবা মী অদুদি অশিবনি।" থবক ' থবক-থবক, কবদ্বা থবকনো ? ঐনা তৌগদবা। ঐ খনফম খঙত্রে , মব ফুনগংলকলে, আহ ' কয়া বানা খাঙখিবা। মপোক ফংতনা শেক্লকপগী দোষদা মসিবো ? ঐ পোকপদা ইমাদু য়াম্না বাখিবা জাংলা ? মতমদুদা মী খুদিংমক য়াম্না বানখিবা জাংলা ? লৈরিবা গ্রহশিংসু খোঙচং কায়খিবা জাংলা ? লৈবাকসি মীশি-মীনা য়াম্না থোকখিবা জাংলা ? ঐগী ইমা-ইপাসি কর্ম যোগ কয়া ফংলক্তবা জাংলা?

উম ! শোয়রোই। ইমা বায়মগনি। মীপুম খুদিং বানরমগনি। গ্রহশিং খোঙচং কায়রমগনি। মীশি মীনা থোক্লমগনি। কর্ম যোগ শোয়রমগনি। অদুনি ঐনা ঐগী মপোক্তা নিন্দা তৌরিবা। ঐখোন্দা ফত্তবা লাইশিংনা রোংশিন্নমগনি। ঐনা বানা খাঙবা উরপা মখোয় থাক্লা নোকলমগনি। পেন্নমগনি। ঐ মখোয়না পেনবা গুমজবী শক্তি পুথোকুনা ইতোমতা আম্বাবাত, অশিকগী খ্যাংতা চত্রশিন্না অম ' ঐ তাওরে, ঐ তাওরে শোথাকম খঙত্রে, ইথক্লা খোন্দা কোক অসে খুনিন্দুনা চৈমাশিং থাগলি। নুংঙাইবা, অরাবা,

লিবা, চঙবা, কল্পা, লোকপা । পুন্সিগা ঐগা করি মরী থোক্লবনো ? ঐ গ্যান তাশিল্লকত্রে । ঐসিবু শিরবরা ? হিংঙিবরা ? নোক্লীংবসু ফাওবকই। ঐগীসিসু পুন্সিনিকো । হুম, ইথৌ তৌগদবা বাংলি, লাইরিক তম্লিবা, চাক থোংবা, চবা, তুবা, পাবুংগী আশা , নত্তবদি পোংলুম্না ননথববা, হকচাং পুরিবা নুংশাগোর অসি লেপখিবা যাই।

লম্বীগী চিদাই, মীয়াম তিনবা মফমগী চিদাই চিদাইদা হিংনবগী মহাও লোক্লি নুপানা শাবা নুপীশিং, মখোয়না শাই শাথেক, জগোই, দিশে । বারবা চেকথরবা যাত্রিকশিং ঙাইহাক পোথাজরি মখোয়গী মনাক্তা। ভাবোকশিং অয়াওবা লুপা মঙা তম্রা লংশিন্নে অপেনবা ফোংদোকপা ওইনা । তিংথোক্লিবা ফিদুদা মঙা তবা চংশী নোটশিংনা শীক থল্লি । মখোয়গী পুন্সি কয়াম নুংঙাইনা লেল্লমগনি ? কয়া লাইনা তাল্লিবা শৈশানো ? অস ! পৈশাশিংদো ?

মাঙদা থিল্লিবা হকচাং চনবা মিংশেনগী মমাঙদা লেপ্লি ঐ। ঐসিবু শক থীব্রা ? কুচু পান্দব্রা ? ফিভম শোযব্রা ? লোল থোক্তব্রা ? মীনা নুংশিদবা শকপা ? নত্তে । অমত্তা নত্তে । ঐহাক্কী হকচাংদা অশোয়বা লৈতে । অরাংপা লৈতে । ও ! অদুদি । মায়দা ক্রীম, পাউদব, মীংতা কাজল, চীনবান্দা লীপস্টীক, ওইথংবা চীনবান ময়াদা অনপ্পা শম্বু, কোক্তা মনম নুংশিবা থাউ, হকচাংদা চা-চন্দন, খুদাংদা খুজি, খুংশাশিংদা নীংথিবা খুদোপ, ঙক্তা লীক, নাদা সনা পাবপ তৌবা গুক সার্ত ফুরীং, ভল নম্বী খোংগ্রাও। বাহ !! ঐসিবু ঐরানে ? নত্তে, ঐ নত্তে ।

শহরগী মফম খুদীং উংলি । ঐগী ঙমজবী শাথেক। ঐগী মীয়েংগী মীংচি । খাঙবা ঙমখিদে ভাবোকশিং । হৈথবকখি তবা, কুন, যাম্বে, চাম চংশী নোটশীং। নোটকী মথক্তা শারি মযাই কানা জগোই নোটশিংগী মযাইনা । শহর শীনথুংনা খঙনরকখী— শাথেক হৈবী, মীংকী তেন হৈবী, বাঙাং হৈবী খোইথুম্নবী চন্দ্রজীনি— চন্দ্রজীনি। অযুক। নুংথিল। নুমিদাং। শহরগী শেনজাও পাইবা নুপী-নুপা খাক্তে ইনাক্তা পোথাররী। নুংঙাইরবী । পেঞ্জরবী । হৈথরবী ইথক্তা মশীং থীঙমদ্রবা পৈশা-পৈশা-পৈশাশিং। লাথেক্কী মমল ওইনা, মমল ওইনা। অরাংপা লৈরক্তে ঐহাক। সনা, লুপা, পৈশা, মীচং, মীনাই মীশন, খুদংগী ইমা-পাবুংগী শেন্নবা অরাংপা খুদীং থিনহল্লখি ইনাইশিংদা অপাম্বা খুদীংমক। ঐনা হিংলিবসিসু ইথৌদাংসু মখোয়গী আশানি।

মতম অমগী চন্দ্র, ঐ ঙসিদি শহর অসিগী পৈশা পায়বা রাজনীতি বালাশিং, অটৌবা অফিসারশিং, ফমনাইবশিং, অটৌবা কারবারবালাশিংগী পোথাফম ওইররিবা মীচং-শঙ্গা লৈরবী, পৈশা পায়বী, মীনা শক খঙলবী, শথেক হৈবী চন্দ্রজীনীনি ঐহাক । তনখীনি পৈশা । পৈশিনখিনি ইরল-ইথুমা চীংদুম চীংদুম। পাবুংগী আশাগীদমক এখগনি ইমা-পাবুংবু নিংথৌ মহারানিগুম । ঐনা যুবরাজগুম । হনবা লৈরোই চেকথরোই ঐহাক । পাবুংগী আশা মডেল লোমগ্রীফাওবা তবা লাকএ (লীশিং লাকএ) চামা লাকএ । ভোকথরোই তৌগনি মখোয়গী পেন্নবা । লৌহৌগনি মমল মতিক চানা।

পৈশাতম্বু তানবদা চেকথদ্রবা হকচাংনি— ঙসিদি অতিথি অমত্তা যুমসিদা চংঙ্কল্লকনু, ঐহাক ঙসিদি পোথাবগনি । নীংথিনা লৈতেংলবা ফমুংদা লোংখাক লোংনা হিপলি । খঙহৌদনা য়েবকখিবা মচিন তুম্রবা শাফু অমনা ঐহাক পোথাকম খঙহনদে। ঙসিগী নুমিদাং অসিনা ঐগী পুন্সিগী শম্বুংফম ওইগদৌবিব্রা ? ঙসাইগী টেলিগ্রামদুদা— হয়েং মতম কুইববগী তুংদা ইনাক্তা লাক্কনি, শহব য়েংগনি নহাকপু পোকপা ইমা-পাবুং । ঐবু ইমা পাবুংগী মাঙদা ? মখোয়না ঐবু শক খঙখিগদ্রা ? ঐসিবু নুপীবা নত্রগা নুপারনে ? ঐঙোন্দা নুপী-নুপাগী খেংনবনা করি ? ঐসিবু পোকপদা নুপা ওইনা পোকপা নংত্রা ? ইমা-পাবুংনা ইবুংঙো কৌখি । মীয়াম্না চন্দ্রজিনি। মসিবু পাবুংনা পেনগদ্রা ? ইমানা হরাওনা পেঞ্জনা নোক্কদ্রা ?

ঐঙোন্দা নুপা অমা ওইবগী গুণ লৈরিব্রা ? যাওরিব্রা ? নুপীগী অপাম্বা, নুপা অমা ওইনা লৈরিব্রা ? মদু পুম্নমক ঐঙোন্দগী লায়া নাথেদুনা চংখ্রে । ঐ লেপ্লি । ইমা পাবুংগী অমতা পোকচবী, মতিক চারবা মপি মতুম "চন্দ্র"। মীরামশীনা জগোই শাবী চন্দ্রজিনি। ঐগী হৌজিক অরাংপা লৈব্রে, মীচং লৈরে, পৈশা পায়বা মীনা মশক খঙলবা মতিক চারবা মী অমদি ওইরে। অদুবু ! ঐ ইমা পাবুংগী মাঙদা লেপ্লদি ঐহাক

শুকওম ঙমলোই ! শুকওম ঙমলোই ! মচা অমা ওইনা। মসিবু ঐগী ইবাল্লা ???

ঐ ইশানা ইশাগী হক মাঙহনজবিব্রা ? নত্তে। নত্তে। সমাজসিনা ঐগী নূপা ওইবগী হক অদু মুনাখিবনি। হীংনবা লানফমদা পৈশাতা উখি। পৈশাত্তা খনখি। পৈশাতা নীংখি। পৈশা - পৈশা পৈশানানি পূম্নমক মৎখিবা।

হৌজিক ঐগী অবোযবা যিরেপ করি লৌবা তাই– ঐ মযম অসি থাদোক্লুনা চৎখিগদ্রা ? পাবুংগী মীতে ইমাগী তেংথাবা, ঐ খাঙবা তাবা ঙমগদ্রা ? ওইরোই, ওইথাকলোই ঐ মদু তৌবা ঙমলোই। উম !! অদুদি– ঐ শিবা তাই, শিবা ! অশিবনা ঐগী অমত্তা ঙাইরবা পনখেনি। কবম্না শিগনি। ঐ নুপানি। নুপা ওইনা শিগনি। নুপা থোক্লা কবম্না শিগনি। হু-চদুনা [illegible] হৈমা ইতে [illegible] কাপশিন্দুনা ! খুশিশিং [illegible] নত্তে। শিবগী অবাইবা পাম্বেনি।

ঐখোন্দা [illegible] কপাখিবা [illegible] ইখেঙশিং অসি [illegible] মা-পাবুং [illegible] ওইনা নুপা [illegible] শিগনি। [illegible] লৌথোকলে অনম্বা শম্বু মুহৎলে। [illegible] অমগী [illegible] ফিজেৎশিং [illegible] পায়বদুনা মখা [illegible] মখা চীক্লুনা [illegible] মখৌরিদা অমুকাং [illegible] ইশা পুম্না [illegible] তনা [illegible] নোকফেং [illegible]

অনৌবা পুন্সি

অশোক কুমার লৈশাংথেম
হিন্দি দিপার্টমেণ্ট

অযুক্তা ইমানা ফোন তৌরকখি "সনাথোইহ্, লক্ষ্মি সে ময়ূমদা অমুক হল্লরবোইহ্ হায়রি। হায়দা হায়জিল্লুবে, 'মথন্তা শিজন্নগেকো' নঙ লাকঅগা মাবু জ্ঞান অমুক্তা তাহল্লুউনে ইবেন্ম। ইমাবু তৌফম লাকফম অমত্তা খঙজিল্লক.ত্রনে।"

থবক অমতা খোয়জঙবা ঙমদ্রে। 'শিজন্নগে' 'শিজন্নগে।।'" খঙদ্রে কবঙ্গা লৈকংলাদনো মানা চহী ১৫/১৬ অসি লেল্লক্রিবা। কবিনো মানা পাত্রিবসি ? য়ূম পানববু চকথোংবী শাম্নবদৌনা, ওহোকপ্য নূপীনি। অহললশিং অসিসু কয়াদা রাবরা।

*** *** ***

ইচেগা ঐগা ইচিন-ইনাও ঐখোয়নিবত্তনি। ঐঙোন্দগী চহী অহমলোম হঙববসু পীক্রিঙেদগী ঐখোয়নি ইমান্নবগুম লোয়নবকখি। নোংমতসু থানখিদে। ইচেনা ইচম চমজবী, চীং লেপ্নী অমা ওইনা অদুগা ঐনা ওন্ন-তৈন্নবদা তথক তথকপী, ঙাওশিন্নবী অমা ওইনা হৌরকখি। ইমানা মতম পূম্নমক্তা রাজখিবসু ঐখত্তগীনি। কবিগুম্না থবক অমা চংথোক্লমদাই খুদীং ইচেদা পাউমেনখি– "য়েংঙোইহ্ লক্ষ্মি, মসি কন্না শেম্রৌকো। মীগা অমুক খংন-লাক্ররুনি।" অদুগা মথন্তা অমুক মূকম মূকম শোনখি– "নবানি থানদবসে য়াম্না ফববনি, নংলমন্নবদি মাদা শেম্নবদা থবক অমা ওইবদৌনি।"

ইচেনা ইমাগী পূক্রিং ফাথদুনা খুম্নী– "ঐখোয় সনাথোইহসে ইমা মপাহ্নোংদতা ঙাওজবনি, মনুংদদি জ্ঞান অত্ত্রবজাংনি।"

অশেংবমত্তি মকম খুদীংদা, মতম পূম্নমক্তা মানা ঐবু লমজিংবিখি। বি এ পাস তৌরবা মতুং ইকুই কুইদনা ইচে লুহোংখি। অহল মশেল হায়ন-শীংনবনি। হায়বা ইনবী মচা অমা ওইনা ইচেনা ইমা-ববাগী অনীঙবদু থুংহনখি। মশাগী অপাম্বা অমত্তা ফোংদোকখিদে। লুহোংঙমদাইদা ইমানা মঙোন্দা কবি কবিনো য়াম্না তাকখি– "মকু-মনেমগী সেবা কবম্না তৌগনি। কয়ম্না মপূবোইবগী পূক্রিং চিংশিনগদগে অসিনচিংবা ।" চংলমদাইদা ইমানা হায়খি-- "ইমু-মনুং, মচিন-মনাওশিংগী মরক্তা খেন্নবা থমগনুকো ইবেম্মা। ইমুংদুগী চংনবী-লোনচং নীঙথিনা ঙাকউকো ।"

ইচে চংখ্রে। মহাক্লা চংখ্রবদা ইমুং-মনুং পূম্নমক থরাই য়াওদবগুমখি। মতম চূপ্পা ইচীক-চীক্রবগুম খনখি মিংকুপ খুদীং ইচেগী মপাউতবু খৌবাংনা ঙাইহনখি। থা অমগী তুংদা উনখা নংলবা ইমুংদুদা য়েম্নীংথা পুবদুনা ইচে লাকখি মনেবোক্কা লোয়ননা। লক্ষ্মিতা লক্ষ্মিন। ইচানুপা অনীতং শুজবন্নবদি সনাথোইহসু ইমৌ ওইজবমগদবনি ।"

ইমাগী মায়থোংদু নুংঙাইজবনা ঙাক্তানরম্মী। ইমুং অমগী মত্তিক চাবী মৌ ওইনা ইচেনা পূম্নমক্কী থম্মোয়বু খুদুম চন্তরবনি। ময়ূম পানত্রবী মচাগী ইমুং-মনুংনা মচাদুবু থাগৎশিবদা হবাওদবা মমা লৈববোহ্।

চহী ২/৩ গী মতুংদনি। ইমা হবানি ইচেগী মচননূপী অমুরে লুহোংবা চংলম্মী। অউনপোংশিং অদু উবদা ইমানা হংলম্মী– "কদায়দগী শৈশানলোনে, ইবেম্মা, ওহোক্রসু য়ামখ্রেদা। মতমগী চংনবীনি হায়দুনবু।" ইচেগী ইমুং কা হেন্না নুংঙাই য়াইহব্বা নত্তে। ইমুংগী ভাব পূম্নমক ইত্তেনা পুখিবনি। ইচেনা খুম্নকখি– "ইমাখোয়না হান্নিরকপা সনাশিংদু কায়থোক্লগা শীজিন্নখ্রে।" ইমানা মুরুম-মুরুম শোল্লকখি–

"অলঙবী ! মত্তে খরা পাংনরগা অদুঙাইহ ।" অদুবু ইচেনা হায়বকখি– "ও-হো ইমা, অমুরেগী মহৎতা করিগুম্বা সনাথোইগী লুহোংবা ওইরম্লবসু ঐ মসিমক তৌবগ্রোইদ্রবনে?" ইমাগী মায়থোং নুংশুক-নুংজানববসু ইচেদি ঙ্কিদম্লিংঙাই ওইবী যুমগী মৌ ওইনা হবাও-অমাত্রম্মী। পূম্নমক ইচেবু থাগৎনবম্মী।

ইচেগা অতে ইমুংগী মীশিংগা হবাও অমাম্না লোয়নবিবা অদুক্কী মতিক ইতেগগী মরক্তদি ওইরমদে । হায়রম্মী– "ইমুংসিগীদমক অসুক যাম্না হোৎনজল্লিবসে মাগী মফমদগী নোংমফাওবা অপেনবগী বাহে অমফাওবা তাজবা ফংলক্তি। সনাথোইহ, লুহোংবা হায়বসি নুপা-নুপী অনীমক্কী পুক্লিং, বাখল, হকচাং অমত্তা ওইমিল্লবদুনি । মসিবু নুপীখক্তনা পামজববনে ? নুপীনা পামজবদি অবা-নুংঙাইগী চিন্নবা মিৎকুপ খুদিংমত্তা মপুবোইবগী তুং ইঙবা অদুনি।"

ইচেগী বাখলদু ঐ লাম্না ফংলমদে । মাগী হেঙ্গিম্না খনজনমনবা অদুমক্তনা অবাবা অমসু ওইহল্লম্মী। ইমানা মাবু কয়াবক থেমজিল্লম্মী– 'হৌজিক কালগী মতে-মনাওশিং অসিদি অমনা অমগী মতম যাম্না লৈত্ত্রপোংনি । ঐখোয়গী মতমদদি মচাদুনা ক্লাস কয়াদা তম্লিবগে হায়বফাউবা খঙদবা মপা যাওবিবনি।"

"মদুনা ইমাখোয়গী মতমগী বানি। ইমাসু খঙলিবা নত্রা, নত্তনুপী অহনসে উনবগী হাক্তত্তা নুমীৎ নিনি পোথাফম খঙদনা লেনববু নয়ানুপাগী মশক উখিবরা ?"

"নুপাগীদি থবক্কী থবক ঙাক্তনিনে ইবেম্মা । নুপীগী মনাক্তা ফমদুনা লৈথোক্লবা মতম কয়াম ফংলুগদগে।"

ঙসিসু নীংশিংলি, নুমীৎতু ইচে ঐখোয়নি ইতেগা লোয়ননা ফি-রোল খরা লৈনবা চংলম্মী। ইতেনা লাজ অমা যাম্না পামজনা ইচেদা পৌনবা হায়রম্মী। অহানবদা লৈরোংগী, অদুগী মচু মথংদা ফিদাগী মরমদা ঙাক্তনরম্মী। মুম যৌক্লবা তুংদা ইচেনা ইমাদা কপ্রদুনা পাউদম্লম্মী– "ইমা, লুহোংলবীশিং অসিসু মপানা পামজবা ফি-রোল শেং চাজবগী হক অদুকউবা লৈত্রবরা ?"

"অলঙবী, মপুরোইবগী মিথয়েং তুইম্না ফিজেং-লৈত্তেংবদুমু অশেংবী নুপী কৌবনিনে । মসিনিনে যুবনবা হায়মদে।"

অদুবু বাহেশিং অসিনা মাবু কবম্না ঈংথহনগদগে ? মপুরোইবগী ইহল খঙনবগী থৌবাংবদু লৈত্রবীনি। মাগীদমক লৈবা খুদোলদুনা মাবু বাহল্লে । হম্না হম্না হায়বম্মী– 'ঐবু নুংশিবীবা পাম্মী।" তৌইগুম্নসুং অফোংবা নুংশিবা অদুদি ইতেনা উৎপসু ঙম্রমদে।

নোংমসুনি। ইতেগা মখোয়নি সনা যেংবা চংখি। হল্লকগা ইতেনা থবায় যাওনা লৈ-জুরাদু উৎলকই । দিজাইনদু যাম্না ফজে । ইতেনা হায়– "ঐনা হায়ম্রা, সনাথোই ফাওবা পাত্রিবসিনি।"

"সিবু ঐনা ফত্তে হায়ত্রবনো ? অতোপ্পা জুরাদু ওইনা পৌসি হায়বতনি অদুগবু হা মদুদি ফজদে, পোং খনবা হৈত্তেবু হায়বনে ।"

মহাক কপখৎলক্রম্মী। ঐ ইকায়বনা লোইবম্মী। ইতেসু অদুম্না ইকায়বা ফংগনি থাজবমদে। ঐনা ইচেদা হায়বম্মী– "সিগীদমকপু বা যাম্নবিবা কবিগীনো ?"

"নঙনা খঙপোং নত্তে। মাগীদি মসিনা মতিক চাবর্বান। ময়াম মমাঙ অদুদা ঐবু ইকায়বা পীনবা মাগী হক লৈবরা ?"

হৌজিক মতমগী লাইরিক হৈবী যুমগী নুপীশিং অসি খজিক্তং ঙাংবা-চৈবা ফাওবা খাঙবা ঙম্বগী শক্তি লৈত্তে। পোথাবগা তাপ্না হায়নবা যাবা বাফমনি অদুবু অসুক ইশৌলাংবদি । নোংমতফাওবা মপুরোইববু মোমোন নোক্লা ওক্রমগনি হায়বা থাজদে। অসুম্না নুংশুক-নুংজাননা, ইশৌ লাংলবদবু করম্না চেকথববা যুমগী নুপানা মযুমদা হঙ্গিম্রিঙলমগনি।

মতমগী মতুংইম্না ঐসু যুম্নাক-শাগে ওল্লম্মী। ইতেগী মরাল থোইদোক্লা উত্রগসু ইচেগী নুংশুক-নুংজানবা মায়থোংদুনা ঐবু যুমপানবদা নীংহমহল্লম্মী। ইচেনা তংতনা হংলম্মী– "অচৌগী মওং-মতৌ কমদৌই ? বা শেংপবা ? শাউগনবরা ? অসিনচিংবা।"

"যাম্না কৈ, ইচে।" মসিখক্তনি ঐনা খুম্না। লৈমিল্লগক্লবনিনা নোংমকাদোকসু শাউনবা হায়বসিদি হৌনশানি। থবক ঙম্না তৌবদা ঋরদি অদুম ঙাক্তনরবনি। অদুবু মহাক্লা শাউরবসু ঐনা হায়রম্মী। মদুদা বাবদি লায়রদনা

নুংগ্তাইবদুম ফাওবক্রম্মী । কবি কবিগুন্ন মতমদসু ঐ শাউজন্নবম্মী । থম্মোয়নুংদা পেঞ্জববসু মাগী মথানুংদা ইপ্লনবফাউবদ ঐ ওইনজবম্মী ।

চান্দেললদা মাগী ট্রান্সফার ওর্ডর থোক্রম্মী । মফমদুদা পোৎচৈ খবা লৈনবা দুকান্দা চৎলম্মী । মহাক্না খনবা পোৎশক্তুমক ঐনা লৌবসি হায়লম্মী ।

"লৌবসি । লৌবসি হায়নবগী লাক্রিববা ? নশাগী অপাম্বা অমত্তা য়াওদ্রবদি হংগেংমথে তুং ইল্লক্কনু ।"

মাগী খোঙ্গেলদু রাংলম্মী । কনা গুম্মনা তা-লাক্রমগদবা হায়দুনা নাক-য়েং হাইযেং য়েংলুবগা 'কনাসু তাখিদেদা বম্বদুনা ঐ তুমিন্না লৈবম্মী ।

ইমানা অমুক্তা লাকউ হায়দুনা শাউ থাবক্রম্মী । মহাক্না য়াদদুনা ঐ মহাক মতোমতা লৈহৈগনি খনবদা চৎনীংল্লমদে । নুমিৎ নিনি ফাওবনি মানা তাক্রিবা– "মদু .ঐ, মদুনা তৌগনু ।" মহাক্না অদুম্মা তাকপদুদা অঙাং মচামক্তি নত্তবনিনা ঐ শাউনিংলম্মী । অদুম ওইনমক মশামক্কী ওইনা খঙবা অমসুং চেকশিঙবা মতৌদুবুদি হবাওজবম্মী । মীওইবনা কনাগুম্মা অমবু নুংশিজববদি অসুম্মা ঙাকশেঙবা অমসুং য়েংশিঙবা হায়বসি তৌনশানি ।

অসুম তৌনা যুম য়ৌবে । ইচেসু লাক্রম্মী । ইমানা হংলম্মী-- "নুপামচা, নঙ নুংঙাইহবিদনা ?"

"হোয় ইমা, নুংঙাইহবি ।"

ইচেনদি ঐবু চীংননা য়েংলম্মী । মানা পাম্রিবদি ঐসু মহাক্তুম্মা কবিসু লৈতবা রাহে অমদসু রাদুনা, কপ্তুনা ইমা-ববাগী থৌজাল্ল য়ৎবদুনি । মানা হংলকখি– "অটৌনা চৈ লাকপদি তৌদেদনা ? মানা ঙাম্রবনি হায়দুনা মাগী অনীঙবা অদুজা তৌহনদেকো ?"

' মদু পূম্মক থোক্রিবনি ইচে অদুবু ঐ অদুগুম্বা রা অদু নোংমফাওবা নীংশিংলুদে । মতৌ-মনাও অমগা অমগা হুম্নবা হায়বসি লায়না মথল অমন । কবিসু লৈতবা রাফম অমগীসু রাথোক ওইহল্লবদি কদম্মা পুন্সি চুম্মা যুম্মামিন্নদুনা লৈমিন্নগনি ?

"নঙনা হায়বিবসিদি মতম পূম্বদা তোম্বনা অদুমক লৈবগে অসিনিনে ? মানা নঙবু রাহল্লবসু মোমোন নোক্তুনা লৈতববা ? '

"ঐনা হায়জবদি মদু নত্তে । নঙোন্দা নুপী অমা ওইবগী লোনচৎতু রাংলে । নহাকসু যুম্মুরেম্বীনি । ইচেনা পাম্রিবসি ইফোং য়োংনা নুংশিবা উৎশিবা নুপানি । অদুবু শাউগনবা, নুঙ্গম্নবা হায়বসিদি নুপা অয়াম্বগী লোনচৎনি । নুপাগা চপ মাম্নববদি লৈকাই কুম্মৈ ওইবা নত্রগা যুম কায়বা অমদি শোয়দ্রবনি । জ্ঞান তানদবা কয়া য়াওববসু তম্না শেংদোক্লবনা অফবা ওইগনি । হৌখিবা রা পুথোক্তুনা তুংগী রানবা শানবীগনু । অফংবা খবদুদা পেম্বোকপা তম্বীয়ু । ফংঙোইদবদু থক তাম্নবীকনু ।"

মহাক তুমিন্ন লৈখিবম্মী । ইমানা হবাওনা হায়বকই - "নখাগী অঙাংনি, অদুবু কয়াদা জ্ঞান তম্রবনো ?"

নুমিৎ খর্বনি লৈবগা মহাক ঐবু লৌবা লাক্রম্মী । ইচেনা হায়বকই– "য়েংউ, নঙগীদমক কয়াদা খল্লিবনো ?"

"ঐবু লৌবা লাক্রবা ফোন তৌখবনি" হায়বদি ইচেদা কবম্মা খঙহল্লুনি ।

ঐনা হায়বম্মী– "মসি ফংনবগীদমক ঐনা ইশাগী পামজবা কয়া থাদোকপ্রবনি । মাগী অপাম্বাদা তৌববসু, শাওনবা কয়া য়াউববসু অরা-নুংঙাই নিংকুপ খুদীংমক্তা মাগী মতুং ইল্লিবনি । পৃথীদা ফাওখিবা মীওই কয়াসু ইমুং মনুংনা থওইদবা নত্তগা চৈফম ওইখ্রবনি । অদুবু ঐখোয়দি ইচম-চম্না মীওইনি । ইচে, থম্মোয়নুংদা অরাবা কয়া লৈদুনসু অতোপ্পগী অরাবা নুংঙাইতবদু য়েংশিনবীয়ু । মদুদা পুন্সিগী নুংঙাইবা মহাও শোইদনা ফংগনি ।

*** *** ***

ঐ হৌজিক কম্নি তৌগনি । উপাই অমা তৌদুনা ইচেবু জ্ঞান তাহন্দবা য়াদ্রবনি । মানা ইতৎ তত্তনা যুমদা লাকপসিনা ইমা-ববাদা পোৎলুম অমা ওইরবনি । অমুক অনীরকসু হায়ত্রবনি-- "অহল ওইববা ইমা-ববাগী মফমদা কপ-খোৎতুনা রাহনবগী মহৎতা মখোয়গী অরাবা খঙবা হায়বসিনা মচা ওইবগী তৌফম থোকপনি, ধর্মনি ।" মাগী অসিগুবা মওং-মতৌ অসিনা মচানিং অসিসু মপাগী মনাক্তা লৈবদি লায়বদনা মমি কাউবা উদনবা হোৎনরবনি । মী ঐতেন মপাবু নিন্দা তৌবদা চীংনবা পোক্তে । 'ইমা-ইপাদি মিংনা উবা লাইনি, পূজা তৌনফমনি' হায়বসি কাউবদগী ওইরবসু

নোংমতা মচা[illegible] হায়বমগনি এাজদে। মচানুপী[illegible]ং আসনা হয়েং ময়ুম পান্নুনা পুবোইববু ব্যবহার তৌখিনদ্রা ?

ইশাদ লৈদুত্তং অমত্তা পঙনা অরা শকফম পুদনা, মথুনবা মি [illegible] যবা শোং চাবগা ঐ ইপামদা থুংকনী। ঐগী শকফমদু উবদা পৃম্মক নুংবংনখিদুনা [illegible] ভাঙবা থাক্রমদে। মমেংদা ইচেনা তপ্ত ওনা চঙ্গালক্কুনা হায়বনই-

"সনাথোই ! নঙবু কবি [illegible]বগে ?"

ঐ মী-ফ[illegible] [illegible] লৈমনবা [illegible]বোই। থম্মোয়নুংদদি ইপুবোইববু অনুমা মিঙ্গৌবনি নুংঙাইতবা ফাওবনী।

'কবিনো নঙ[illegible] হায়দিবাসবু ।"

"অ[illegible]বনি ঐনা হয়াববাস। চহী ১০ মুক্তা মনা ঐবু ওৎলক্রবনি। নোংমতসু ইখূৎসিদা অনা অ[illegible]ফাওবা পাযহল্লকখিদ্রবান। অদুবু থংনবা মিংকুপ্তাদ ঐগী মবুক [illegible]বা মনিবেগতু নীংশিংলকই।

পৃম্মক ঐবু ভক্রা যেংনবনী। নোংমতসু অরাবগী মমি অমত্তা উখিদবী মচানুপীনা ওসিদি কয়াদা থম্মোয় শোক্রা [illegible]ংথাবননে। ঐ তৌজক ইপুবোইববু নিন্দা [illegible] অদুবু মসিনা ক[illegible] পুন্সিদু [illegible] চি[illegible] লমজিংদুনা পুশকদৌবদনী ক[illegible] ভক্রবনি ফত্তবা ওইনা মুম পাল্লদৌনি[illegible]না কাবগুম্বা হ[illegible] ওই হয়বসি অ[illegible] ইচেনবু খ[illegible] 'ইমা', ইচেগা [illegible] ঐ[illegible]

ইচেনা হায়বকই '[illegible]' অহল ওই[illegible] ইমা ববাদ ঐগা অঙাং [illegible] চাউবনা পোৎলুম অমা হায়বদু ওইববা।

ইচেগী বাহেদুনা ঐবু খ[illegible]হল্লনী। [illegible] কুইনা মরা[illegible] ঐখোয়না পামজবক্রবা অদুমক চাসিদি ইচেনা খঙলে। হায়বকই "অঙাংশিংগী [illegible] তাবান। মূল্লানবগী অর্থ কবিনো হায়বা ঐ [illegible]

থম্মোয়নুংদা ঐ মোমোন নোকচবনী।

ওসিদি ইচে হনখ্রে। মতুংদা মহাক্রা ইমা [illegible] অমুক লাকপা তাববসু অতিথি ওইনা [illegible] থাজবনি। □

ওইনবা

থৌনাওজম জেমস্
ইকোনোমিক্স দিপার্টমেন্ত (অবোয়ব, ৫ক')

– বেবীতানা কবি হায়বকইনো ?
– নঙসে নবুক য়াম্না ফৈ হায়বকই।
– নঙদি মাগা কবমনা ঋবী শাকবিবা।
নঙগা কলেজ তম্মিনবকই হায় চুম্লনে ?
– *হোয তম্মিন্নবকই , নঙগা কবমনা খঙ্গনকবিনো হায়বদা।*
– ইমান্নবী অমগা তিন্নবদগী খঙনবনিদা।
অদুবু ঋবী অতে শান্নিংবগি লৈতদুনা এগী ঋবীদি কবম্না শাকবিব।
– মযাম্না নুপাগী মবমদা ঋবী শান্নবগা– এথোযবীদি লৈতবনিনা নঙগী মবমদা শাকবিবা।
– নঙনদি বেবীতাদা হান্না শাকলা নত্রো ?
– ঐগীদ শানিংবহি লৈতববুদি।
– মান্নদি কবি কবি হায়বকপগে ?
অদুবুবো মানা নঙগে য়াম্না নুংশি।
– নঙদি কবম্না খঙলিবা ?
– খঙইজো। অদু হায়বিয়ুবা হায়বিনুবা হায়য়ু।
– হায়কবগা যাবক্রবাদি কমদৌবা।
– মদুগীদি খল্লুবনু – মশক হায়বে ফজে পৈশা হায়বা পাম লাইবিকসু হৈবনি – মমা ওঝা ওইবনিনা।
– হায়বিবসিবু নঙোন্দগী হেন্না যত্রনে ?
– য়াম্না ফবনি। মাগী হায়ববু খবা লাঙজবা অদুখক্তাই,
– নঙনা অদুক য়াম্না হায়নিঙলকইদুনা কবিগী ?
– অফবা হায়বসিদি লৌহম্নিংঙি। হয়েং মীনা নঙগী নুপী ফৈ হায়বদু ঐগীসু ইযায় নত্ত্রো,
– ঐগী নুপী ফবগা নঙগীদি কবম্না নমায় ওইদৌবিব।
– হয়েং নবান্নিগী ঋবীদা ঐগীসু য়াওবকওরোদ্রো ?
– মদুবা নঙনা পাম্রবসে।
– নঙনা বেবীতা লৌববদি নোংফাদোক কোযথোবকপস্ ঐবু তবাম্না ওকপিগনিদনা।
নঙ অদুমক হেক খনত্রনে ?
– *তৌবিবোইদ্রনে ?*
– ফবে অদুদি ঐনা বেবীতা কোযবসি নশানদি য়ানিংলেপকা।
ঐনা নমহায় হায়জিল্লকপা অদুদা মহাক তুমিনা লুকথন্ন লৈখি। তনৌববা মখং অদুনা তাইনফম খঙদদুনা ঙ মখোং অদুদা হৈবা লাপিদু থংগনা মংকেতুনা লৈরম্যদা নোনথদু লৈখ্রি। মাগী মুববা চোইনা তাবকইবা শদ্রাং অদুনা ইকাই নুংশা য়ান্নববা মায়থোংদু উইল্লবোই মতাগুম হুমাজিনখ্রে।
অমংবা নোংনা পূর্ণিমা থাজাবু খুমজিনখিবগুম তনৌবাদ মায়থোংদো খুমাজিনখি। মহাক বা লান ঙাংদনা তুমিন্ন লৈখ্রে। ঐ খঙাঙ্গ মানা বেবীতাবু কৈসু কোয়হম্নিংবা নত্তে। চুম্না মচিল অমা পাল্লি হায়বগী পঙাং ঙাংজবনি। অমুকসু খল্লকই কবিগী ইবাগ্রন অচিকপা মফমদা ফাম্লিংলিবা ? মাবু অসুক যামনা উনিংলিবনা কারণা ? থম্মোয়দা ঋাহং কয়া হংলি। মদুগী পাউখুমদুন ঐনা খুইহিববা।

খাজেতানা ঐঙোন্দা বেবাতাগী ঋাবা হৌদোবকপাসনা নুমংতো মহাক্কি ঋাখলদা তাউদুনা লৈখি। বেবীতা ইবান্নি য়াম্না লুনা তাম্নবকই। মাগী থম্মোযদা কবি খল্লি হায়বদু ফাওবা ঐ খঙবা ঙমাখ। অদুবু ঐহাক ফোংদি ফোংদোকলুদ্রে। বেবীতা মশক মতৌ ফজে কুচু ঙৌই। মীদি পংচাউ চাউবা নত্তে। অদুবু মৈত্তে নুপী অমা ওইবগীদি চপ চাবীনি। মহাক্কী মায়থোংদো হবাও তয়াম্না মায়থোংনি। অৱাবগী মমি তাগনদে। অবোনবা থমদে শং শং ঙাংথোকই। মী ইকাইনি ইকাইয়োই খঙদে

অশেংবদু হেক্ত হায়দোকই। মসিনসুনি মহাক ঐগী নাক্ত হেক হেক লাক্রিবদুসু। মহাক্কী চ্রবা থম্মোয় অদুগীদমক ঐনা মাবু নুংশিনা লোয়নবী। ঐঙোম্দদি মহাক মবুক য়াম্না যৈ। ঐনা হায়বা অমতা মহাক্না য়াদবা তৌদে। অয়াম্না মতমদা মহাক ঐগী নাক্তা লৈননবা হোৎনৈ। মসিনা মযাম্নবীশিংনসু মাবু শাউই। ঐসু মবক মবক্তা শাউনিঙদবসু নত্তে। মহাক্না ঐঙোম্দা অপনবা কয়াসু পীখিদবা নত্তে। কলেজগী ছাত্র ছাত্রি কয়ামসু ইবানিগী মবমদা লোম্ন লোম্না বাবী শাম্নখিবসু কোঙায়নি। মবক মবক্তসু ঐসু শাউদুনা মাবু চৈবীকই।

– বেবীতা কবিগীনো নঙনা নযাম্নবীদা হৌদ্রদুনা ঐঙোম্দা হৌখিবদি।
– নঙদি নবুক য়াম্না যৈ।
– নোংমা ফাদোক, চংমিম্নবা বাবী শাবনা অমনি। নির্তিগী ইনাক্তা লৈববদি মীনা কবি খনখিনি।
– ঐবু ননাক্তা চঙলকল্লনু হায়বিবো।
– নত্তে বেবীতা নঙসু খনদুনা য়েংঙু। ময়াম্না ইবানিদা য়েংলিবসে, ইবানিসে মীনা লান্না খনখিনি।
– ঐদি কলেজ কাবক্রগা নঙবু উম্নহৌদ্রবদি পুক্রিংদা অবাংপা অমা অদুমক লৈববোয় নিঙই।
– মদুগী হৈনবীদুদি নঙসু খবা থাদোকপা যৈ।
– নঙনা ঐবু তানথোকপিববা ? ঐদি ঙম্রোই।

মহাক য়ামনা নুংঙাইতনা হায়বকখিবা বাহৈনি। অশেংনা মহাক য়াম্না ইকাইখি। ঐঙোম্দা মুম্না য়েংজবা ফাওবা ঙমখিদে অঙৌববী মায়থোংদো ঙসং ঙাংখি। কবিগী হায়জকবা হায়বদু য়ৌই। মাসু অঙাং নত্রবনিনা। মচিম্দা ইকাই খাঙবগী হায়জববসু থম্মোয়নুংদদি কপলিবনি। নুমিৎতুগী মাগী অবাবা মায়থোংদো ঙসিসু উবি।

মহাক নুমিৎতুদগী ফনা কুইনা কলেজ কাবকখিদে। মানা কলেজ কাবক্তা ঐঙোম্দা বাবা হেল্লক্রে। ইনাক্তা লৈরে লৈহনিঙদে, উদ্রে হেক্তো বাই। মাবু অশেংনা ঐঙোম্দা বাবৌগ্রা ? মহাক শোয়দনা ইকাইবদগী কলেজ কারক্তবা ওইবমগনি। নোংমা মখোয়দা চংথোকলুই।

– হৈমা য়াম্না থাজদনা!
– কলেজ কাবক্তবদি কেদৌরে ?
– কৈসু তৌদে। নত্তোমতা লাকপ্রা ? করি চানি ?

চাদ্রসু য়াবে। কৈসু তৌদ্রবদি ঐ চংলগে।

– হৈমা লাকথোক্তনা লাকপনি। কবিমতা চাদনা হনবদি কদায়দগী য়াগনি। নঙনা চানিঙবা অমদি হায়দুনা, ঙম্রবদি পীজগে।
– ঐদি নহালগীদুদা নঙ শাউদুনা লাক্তবরা হংবা লাকপা।
– নত্তেদা, চুম্না থবক লৈদুনা তৌবনি। ঐনবু নঙোম্দা শাউব ঙম্রনে ?
– নঙ ঐঙোম্দা বাবৌবমালে।
– বাবৌদেয়ে – নঙনা হায়বিবদু চুম্মি– কানাদেসে চানিংবদু হায়বো ?
– কৈসু চানিঙদেদা – নঙনা পীজানিংবা অমা হেক্ত যাইদা।

ঐগী বাহৈদু মহাক্না নুংঙাইবমগনি থাজদে। মানা ঐবু শোয়দনা বাবৌবমগনি। ঐসু থম্মোয়দদি নুঙাইতবা অমা অদুমক ফাওবি।

মহাক হান্নগুম্না কলেজ কাবক্রে। অদুবু হান্নগুম্না মহাক ঐগী ইম্নাক্তা চঙলকপদুদি তৌদ্রে। ঐসু মাগী মঙংদুদা নুংঙাইতদুনা ঐনা হেক হেক হৌবাকই। যাখবা ইম্নাদ ঙংই হায়বদুনি। মহাক হান্নগুম্না ঐগী নাক্তা লাকপা হৌবকই। হন্দক্তি ঐসু মহাক নুংঙাইতনবা খক তৌবাকদ্রে। মাগা বাবা শাম্নবগা লৈমিন্নবসি ঐগীসু ইথৌ অমদুম ওইবক্রে। মসি মাবু বাবৌখিনি হায়না তৌকবা নত্তে। অশেংবদি ঐনা মাবু নুংশিকবদগীনি।

নোংমা ইবাম্নি বেবেম্দাদা ফম্মিন্দুনা লৈরিঙেদা খঙহৌদ। নোংমতা উখিদ্রিবা নুপী অমা কাইনৈত্তিক হোম্দা অমা তোংদুনা গেত্তা থৌজিন্নকই। নুপীদু সলাবাব অঙৌবা অমা শেংলি, কুচু পঙৌ ঙৌবা নত্তে। মৌশমী চাটবজিগুম্না মহাক্না য়াশংদু পোই। নোকপদা য়াপি লৈ। হেক য়েংবদা মাবু থী হায়বা ঙমলোই। ঐনা মীৎ কুপ্তনা য়েংবদু উবদা –

– আদগী নুপী অসিদরো নঙনা য়েংলিদুবো।
– মাবু ঐখোয় কলেজতা তমব্রনে ?
– তম্মি।
– নোংমতা উরেনা।
– শত্রগদি হায়নবিয়ুরো।
– নঙবু ঙমপত্রনে ?
– বারুগনুদা নঙগীদমক্তদি ঐ লৈরিবসিদি।

মানক্রবদি নঙ্গু ইকাইবোইদ্রো ?

নঙগীদমক্তা ইকাইবা নঙবদি ঐ কিদে॥

- নঙগু অমুক চোপতুনা ?

কেন্না চোপ্লোইয়ে – ঐগা মুয়া খঙনেয়ে। ঙসিমক হায়বসি হায়বিরো ?

কোন্না হায়মুদা।

ঐদি মেকব ওইহৌবগা লোইরে।

বেবীতানা অদুম্না মচিন্দা ঙাংলবসু থম্মোয়দদি কবি খাল্লবগে হায়বদদি খঙদ্রে। মহাক নুংঙাইবমগনি হায়বদুদি ঐ খঙদে। ঐবু বেবীতানা মীনি হায়না হায়খিগদ্রা ? মাগী থম্মোয়দু উবা ঙম্না পোৎশক অমতং লৈবম্লবদি – মানা খল্লিবা হায়বদু খঙলমগদবনি। অদুবু অদুমক্তি ওইখ্রিদ্রে। ঐনা খাইদগী ঙকপদি হবাও হবাও য়াবকখিবদুনি। মসিনা মাগী কবম্না হোংলকপা ঙাখল।

থংগী নুমিৎতা বেবিতানা ঐগী নাক্তা লাকুনা, ঐ হান্দা হায়রে।

সুবস নুংঙাইবা পাউদু তাহক্লগে কবিনো অমদি পীজৌদনা পাউ নুংঙাইবা নুংঙাইতবা হায়বদুদি অতাবা মীনা লেপকদৌবা নত্রা ?

ঐনা পাউসিদি অতম্বা মীনা লেপ্লবনি।

- অদুবু মবম অদুদি হায়বকওদনা।

ঙবা মদো ঐনা হায়খিবনি।

মানবু কবি হায়বকপগে ?

পনাগা বাদ লোইনা মাহৌদ অরাংপা হায়ববু নঙগী লাক অমা হায়বকপা অদুদা খঙলিরে।

অশেংবগী নঙ হায়দি হায়রেকো।

- হৈমা ঐনা নঙোন্দা ফাগী অমুক তৌগদ্রনে ?

নঙনা ঐগীদমক যাম্না রাবিরে – কবিনা লমন শিংগনি।

লমন হায়ববু ঐবু কাউবিদ্রগা লোইরে

ঐনদি নঙ্গু পুন্সিগীদি কাউবরোই। ঐগী ইফমদা নঙগী শকক অমদি অদুমক কন্দুনা লৈহৌববনি।

- মদু না ঐগী নিঙবা থুংবা শকচবগে।

মহাক যাম্না নুংঙাইতনা হায়বকপা মাল্লি। মহাক্কী রাহংদু তাননা ঐ যাম্না নুংঙাইবক্তে। ঐগী তৌঙ্ঙবা থম্মোয়সিবু হম্না হায়চেরে। কাবগীনো ঐনা মাবু তমথিনা লাক্লবীবিবা ? মাগী কবম্না মবালগীদমক ?

ঐনা সপনা কোয়খিবা নুমিৎ অদুদগী – মহাক ঐগা ইনাক্তগী তম্না তম্না লাপথোকখি। মাগী মতৌদুনা ঐহাক হায়নিঙঙাই লৈতনা রাখি। অসুম্না শাংলবা টি ডি সি গী অহমশুবা চহীদু লোইখি। ঐনা এম ইউ চঙলক্লে। মানা কদোমদা ? কলেজকী পুন্সি লোইগুবা মতুংদদি ঐনা মাবু নুংশিবা অসুম হেক্লংলকই। মানা ঐগীদমক রাবিখিবা মযামদু খল্লুবদা ঐহাক হায়নিঙঙাই লৈতনা রাখি। ঐনা সপনা নুংশিকবদগী পুন্সিগী কাউবোইদবা পবা অমদি ফাগৌবি। থাক খেন্নবনা নুংশিনবা রাংলি হায়বা অসিমদি ঐসু খঙহৌরে।

— কবিগীনো অশুক যাম্না থেঙলকইদি ?

— ইমান্নবী অমনা কেমপাসতা চঙখিসি হায়দুনা চঙলুবিনি।

— নঙনা মসিদা চংখি হায়বসিদি খঙহৌব্রা

— খঙলমলোইদা।

— অদো ঙসিদি বেবীতা থেংনবকত্রো,

— অশেংবগী হায়বিরো হায়বিরো।

— ঐদি হায়বদ্রনি হায়দুনা লাকইনি।

— হৈমা ঐদি হায়বমদ্রে অদুদি – হৌজিক চংলুসিবা।

— থেংনদ্রবদি কমদৌবা !

— থেংননবা তৌবগা লোইরে।

— নঙবু নশানদি য়াবেকো।

— নঙগী অপাম্বদা ঐনা কবম্না য়েংকদোইনো ?

— ফবেনে নশানবু য়ানিঙলবদি।

— নঙগা ঐগা কবি থোক্লদুনা ঐগী অয়াবা লৌগদৌবিনো ?

— অদুদি নঙনা সিদা লাকইসিদি কবিগী ?

— চংলো হায়বিরো ? (মহাক ফুক হৌগংখি)

— কবিগীনো নঙনা অশুক থুনা চংনিঙলকইসিনা।

— হয়েং কোন্না অমুক উনবসি। কবি হায়খিগে হায়বিনো ?

— হৌজিকসু ফমখিসি হয়েংসু উন্নসি।

— কবি হায়খিগে হায়বিনো ?

— নঙ যাম্না চংনিঙলব্রো ?

— হয়েং উন্নবসি।

— ফবে অদুদি – নঙনা চংখিবদা ঐনা থিংবা ঙম্না নত্তে। অদুবু ইবাম্নি উন্নবিবসিগী মরম অমদি হায়রম্মু।

— অদুদি নঙনা ঙাইহমজিবসিদি। (অমম্না)

– মদুনি ঐনা অনিঙলিবা, ঐনা মফমসিদা নঙবু ঙাইহিবিবনা কবিগী ? নঙনা লাকইহসিনা কবিগী ?

মহাক খুমফম খঙদ্রদুনা মহাক তুমিন্না মমায় লুথদুনা মখুৎ নোইব নোইবদুনা ইকাইখদু থাঙলি। কবি খল্লিবনো খঙদে মবক মবক্তসু ঐঙোন্দা য়েংলকই। ঐনা মখা তারুই –

– ফরে চৎলো – হয়েংদগীদি ইবান্নি উন্নবগুমসি।

ঐগী অশাউবা মাল্লবা বাহেদু অবদা মহাক মপি ইয়া চেল্লক্লে। কয়ামুক থম্মোয় শোকত্রবনো খঙদে। অঙৌরবী মায়থোংদা ঙসং ঙাংশিনখ্রে। মহাক্না কপনিঙবদু ফাজিন্দুনা

– কবি হায়দোইহনো ঐ চৎলবোই। (মানা ইনাক্তা ফমথবকই)

– ইবান্নি বাবী শাগদৌবা য়াম্না বাংলি।

– ঐ নঙগীদো শোয়দনা হায়বিবনি।

– হায়কবগা বাদি মাঙলোইহকো ?

– ঐবু য়াম্না থাজদবগী বাবা ?

– ঐনা নঙবুদি থজে – ঐনা চিংনবিবা অসিদি নঙগী থম্মোয় অদুবুনি।

– ঐনা নঙগী থাজবদু মাঙহল্লোই। ঐনা বেবীতাবু শোয়দনা য়ানবা ঙাঙনগনি।

– কবিগুম্না য়ানবক্লগনা নঙনা কমদৌবা ?

ঐগী বাহংদুদা মহাক তুমিন লৈখি। ঐ খঙভি ঐগী বাহংগী পাউখুম মানা পীবা ঙম্রোই হায়বদু। মাগী থম্মোয়না কবি খল্লি হায়বদু ঐ খঙই। মহাক বাবনা খম থেংলে। ঐদি হৌজিকফাওবা মাবু লক্লনিঙলি। ঐনা মখা তারুই -

– নঙ অমুক হন্না ঐগী ইনাক্তা লাক্লরোই নত্রনে ?

– বেবীতানা ঐঙোন্দা লান্না খনখিনি।

– অদুবু নঙ ঙমলত্রা অমুক্তা খল্লু।

– নঙগী ননিং থুংহনবদা – ঐগীদি ঙম্নদবা অমত্ত লৈতে।

– নঙগী অবাবনা ঐগীসু অবাব ওইহল্লবদি।

– ঐগীদি করিসু খনবিকনু – নঙগী নুংঙাইহবনা ঐগীদি অপেনবনি।

– নঙ ঐ করিসু থোকনদে হায়রগা কবিগী ঐগী নুংঙাইহবনা নঙগী অপেনবনি হায়বিবদি।

– সুবস মদু হায়কব্বগী কান্নবা লৈতে।

– মদুগী অর্থনা কবিনো ?

– সুবম মখা তাবগুমসি। থোকঅসি ঐ য়াম্না বাবে।

– বীজেতা নঙ অশেংবা হায়বম্মু।

– ঐ হায়ববোই – য়াববদি ঐ চৎত্রগে ?

– ফবে নঙনা নঙগী অশেংবা হায়মু য়াত্রবদি ঐগী অশেংবা হায়গে তাও।

– নঙগী অশেংবনা কবি ?

– বীজেতা ঐ নঙবু অশেংনা নুংশি,

– নঙ মিনস্বনি নঙ মিনস্বনি!

– ঐনা হায়বিবসি অশেংবনি বীজেতা – নঙ ঐগী পাউখুম শীবমদনা চৎখিবা য়াবোয়।

– অশেংবগীবা ?

– ঐনা নঙোন্দা অমুক ফাগী তৌখিগত্রা ?

– অদুদি করিগী বেবীতা হায়মু হায়বিবা।

– নঙগী নঙৌ য়েংগে তৌবনি। মদু নত্রগবু ঐনা নঙবু মফমসিদা কৌগদ্রো ?

– নঙগীসিবু অশেংবরো ?

– মসিদগী অমুক্তা হেন্না শেংহনগে হায়রবদি কবম্না শেংহনগনি। ঐনা ঋাইদগী নুংশিবদি নঙনি – নঙ।

– অদুগা ঐবু য়াম্না বাহনবা।

– ঙসিদগীদি বারুরনু – বারৌচাউবী ,

– চো! নুংশিদে কৈসু॥ ☐

ঐখোয়গী মণিপুর ঃ তেঙ্গোল অহুমগী তঙ্গা

এম. সি. অরুন

কলচবগী মহৌশা ওইনা অনৌবা ইতিহাসকী তাংকক খুদাংদা অনৌবা মওং– মবিল অমা লাকই। কলচব হায়বসি হোংলিবা খুন্নাই অদুগা ইবোয়ননা হোংই অমসুং অনৌবা তাইবঙ লোনচৎ অমদা খুন্নাই অদুনা চাশিন্ননা কবম্মা হিংগদগে হায়বগী মখৌসু তাই। কলচববু মাঙলমচৎকী নীবোলদগী শমথবকই, অনৌবা মীবোলনা তশ্মি অমসুং মসি খুন্নাইদুনা পাক্তক্রা ইন্দুনা চৎলি হায়বগীদমক "সোসিয়েল হোবতেজ" ওইনতা লৌবসু য়াওই। অদুবু হেবিতেজ অদু মতম্গী চাংয়েং অমসুং অনৌবা খুন্নাইগী এক্সপবিযেন্স কয়া তোংশিন্নগা ইতিহাসকি তাংকক অমগী কলচাব ওই। অদুননি নিঙথৌপানবা মতমগী কলচবগা লোইলম কলচাবগা খেৎনবিবা। অদুননি " ঐবু লোইবা লৈমাবা " হায়বম্বা মতমগী কলচবগী মশক অদুগা দেমোক্রেতিক কলচব অমগী মশক্কা চাউনা মান্নদ্রিবা। ইনিংথৌ পাল্লিতৈ মতমদা নুপানা খুল্লিংবা খুন্নাই অমদা পোৎথোক মবি খুদীংমক নুপাগী য়াকা য়েংদুনা শেমগৎলম্বা অদু নুপী নুপা থায়দনা দেমোক্রেতিক ওদব অমা লাকপদা হোংদবা য়াবক্তে। নুপীগী অপীকপা মকচবেল মচাক খুদীংদা থুংনা য়াওহন্নবা অনৌবা কলচব অমা চঙলকই। অদোমদা হোংলকপা নত্রগা হোংহনবা অমা মখৌ তাবকই।

মতাং অসিদা ঐখোয়না কলচরগা খুন্নাইগী ইতিহাসকী তাংকক অদুগা লাকশিন্দুনা য়েংবা মখৌ তাই। খুন্নাইগী থাক্র নেমহৌবা অদুগা কলচবগী মপান্দগী লাকপা শাক্ৃদগী মচু ওল্লকপা কলচাবনা মওং মরিল নাইদনা হোংলকপসু য়েংবা চঙঙি। অদুগা নাকল অমদনা খুন্নাইগী কয়াৎ কয়ান্না অনৌবা হিদেন তাফম অমরোমদা হোংশ্রগা কলচরনা লেংঙম শাঙমদবা মওংদা লৈহৌবসু নীঙথিনা উবা চঙই। ফি:এ অনীমক ঐখোয়না উরিবসি চাং মান্নদনা খুন্নাই অমসুং কলচব অনীমক হোংবগী মওংনি। মসি লৈবাক থন্নাইবু মপুং ওইনা উবা ঙমদবা সবকাব অমসুং লুচিংবশিংগী অশোইবা খোঙথাংগী ফল ওইগল্লি।

ঙসিগী মণিপুরদা কলচবগী থাক য়েংবা তাববদি অনৌবা শক্তি অহুম্মা তকখাইনবগী মশক অমা উবি। সোসিয়েল হেবিতেজ ওইনা কলচববু লৌবগা ময়োম কায়দনা থাম্নংবা কাংবু, অনৌবা মেদিয়া কয়াদগী অপুবা সেন্সিবিলিতিদগা মপানথোংদা মচু শংবা পাম্বা ওপব মিদল ক্লাসনা হুমদুনা পবা কাংবু অমসুং হৌজিক উত্রিবা খুন্নাই অমগী তুংদা লাক্কদবা কলচব অমগীদমক অবক্নবা খোঙচং চংশিল্লবা কাংবু অংম অসিনি। তেঙ্গোল অহুমগী থেংগাইনবা অমসুং মুক্রবদা শমুক্রবা, কাংলম চেনবা, বুধি চমম্লবা কাংবু মচা কয়ানা মলক মবক্ত খোংলকপদি উবা ফংঙি। অদুবু মখোয়শিং অসি॥ পোফমতানা হোংলকইবা কলচবগী মশক, মইয়োন অমা তাকপা নত্রগা কলচবসিং অসিনা চেম্নবা কলচবেল থিম, ইকোলোজি অমগীদমক পাম্বোম তিংবা ঙম্বা নত্তে। মখোয়দি অতোং চবী মবনাইগী ইন্তরেস্ত নত্রগা পৈসাগী পোমিৎ য়েংদুনা ঙহাক্কী ওইনা লৈরম্বা খক্তনি।

হৌখ্রবা মতমরোমদা খোজুল থিবা ঃ

কলচববু হৈখ্রবা মতম অমগী হেরিতেজ ওইনা উবা অদুগা মদুবু লেংহন্নদনা থম্বা পাম্বা মীওই কাংবুশিংনা হোংলকইবা মতমগী মশক অসিগী অওইবা ফিভম খঙদে। মখোয়দা হৈখ্রবা পোৎলকশিংনা শক্তাকচবা, থোকখ্রবা থৌদোক অমদা ওবসেসন লৈদুনা উংথতুনা লৈবগী মওং

তোয়না থেংনৈ। মখোয়না উজবা হৌখিবা মতমগী অবংবা ফজবা ফিভমদুদগী মালেমগী লেপ্পা নাইদনা হোংলকইবা খুন্নাই অমসুং কলচবগী ফিভমশিংবু মমল লেপ্পবা হোংনৈ।

অসিগুম্বা কাংবু অসিদা নমপাক তানা মুক্রবা অমসু উবা ফংই। হিন্দুইজম্না খুন্নাই অসিদা পাক্তক্লা লাক্লিংঙৈগী মমাঙগী কলচব অদুনা মুমফম ওইবগা তাইবঙ মীয়োং থম্বা নাকল অমগা হিন্দু ইলিমেন্তশিংগা শাগোন্নববা কলচববুনা মপুং ওইবনি লৌবা নাকল অমগা মুক্রবা অমা চাউনা উই। সংস্কৃতিক ইলিমেন্ত লৌথোক্রবা লক্রবদা ইতিহাসকী খোঙচৌ কয়াবু কা হেন্না উখিদুনা লৌবকপা কোন্ত্রা—একলচবেসনগী সাফুদা ফন্দমেন্তেলিস্ত অমসুং ফেনাতিক ওভবতোম্ন লাকহৎপা নাকনদদি পোন্ত—হিন্দু মতমদ লাকপা অহোংবা খুদিংমক তাথিবগী মওং অমা লাকই। অদুগা নাকল অমদনা হিন্দুগী আদর্শ অমসুং মদুগা শাগোন্নবা ইন্সতিত্যুসনশিংনা মণিপুবগী ইতিহাসপু মাঙবোমদা পুখৎলকই হায়না কা—হেন্না থাজবশিংনা সংস্কৃতিজেসনবু অফবা প্রোসেস অমনি হায়না লৌই। মখোযনা মণিপুবগী কলচব হায়বগা হিন্দুইজম্না মণিপুব মৌবক্রগা হোংখিবা মশক অদু ওইনা উই।

নাকল অনীগী মুক্রবা অসিদগী মণিপুব কলচবনা অনৌবা তাইবঙলোনচং অমদা চঙসিল্লে হায়বা খঙনা অনৌবা মীয়োং অমা শাগৎপদি মখোয় ঙমদে। নিঙথৌ পানবা লৈবাক্কী 'ষ্টেট' এপেবেতস ওইনা শেমগৎলম্না কলচবগী মশা মবেংশিং অদু নিঙথৌ লৈঙাক্লা কিম্ব্রবা মতুংদা মবোমদোম লেপচবা ঙমদনা কিম্বক্লি। কিম্বরকলিবা মশক অসি লাইনিঙগী দক্ষিকোন্দগী য়েংলগা ওন্সিনদুনা উংখৎনবনি। কলচবগী মচাক মথুমশিংবু সেকুলার ওইবা মীয়েং অমদগী মমল লেপ্নগা অনৌবা মতমগী কলচম অমগী পইখে তাক্রবা হোৎনবা নত্তে।

মতমগী নোংলৈদা লশিং মকোল ঃ

১৯শুবা চহীচহৌমৎলকপদগী মণিপুর খুন্নাইনা লোইলম চৈথেং অমা কাদুনা লাক্লি। অমগী মখুত্তগী নায়েক্লনা বৃত্তিস অমসুং মখোয়গী পুঁজিদারগী নাকোয়নবা নত্রগা হকবেংবা লোইলম লৈজাক অমগী মখানা মচু থোক্তবা পুন্সিরোল অমদা লৈরকলি। বৃত্তিসনা পুন্সিরকপা মেহৎকী শেলমীৎ কাংলো' অমা যৌবকপদশ' হায়গী খুনাইগী যম... কায়থবকাখ। অদুনা নপচবাগী হৈনবা অমা শেমগলব... নত্তনা মীনাইগী কলচব অমা মাখ ফোংলকই। মখোঙ লৈবাক তাদবা, লমদম অসিগী মীয়ামগী অশেংবা মশক্লা মিদল ক্লাসকা কলচব অমা " নোংচুপ লৈবাক্কী " সোপ্সাবাদীত পুব... শেমগৎলকই। মখোয়গী তাইবঙ মীয়েং অসি য়ুরোপিয়া... নত্রগা ইন্দিয়াগী কলিং ক্লাসকি কেতেগোরি, ক্লাসাফকেস। অমসুং ব্রাহম্লোক পাবংনা হুমদুনা পুই।

মখোয় অসিনা ফজবা নীতাথিবা, লেমজবা পুন্স শত... অমা য়েকপদা অপুবা নাবক্লোনগা নাপচৈ কয়ানা ওান্ন। ... অমসুং শেন্দোংগা থলদা অবিবা মতম নত্রগা হিন্দু মণিপুব... তোপ তোপ্না মশক নত্রগা চাংদা তাবা মণিপুবা কা... মচাশিংগী ত্রাইবেল হৌবতেজপু লন্নোন পোং ওই... য়োনবগী হৈনবা অমা লাকলি। আর্টকী মচাক কয়া, পর্যো... আর্ট য়াওনা মালেমগী কৈথেল কমাদা যোনবা হোং... অসিনা অহিংবা খুদম্নি। আসগুম্বা কাংবু পংথইল্লবা লা... অদুগা হিন্দু মণিপুবীশিংগী স্তেতস কোইন্ত লাইনদসু চঙনবগা মিত্রাংসু হৈ। অদুনা মতম মতমগী পত্রিক ওপিনিয়ন্দা তোংদু... চংলগা মখোয়না শন্দোকইবা লোইলম কলচব অমগী মশক উদবা খুৎসা কয়া ফন্দোকহনবনি।

পোকত্রিবা কলচর অমগী শাফু ঃ

মীগা মীগা থেংনবা লৈবোতদবা খুন্নাই অমগী মীয়েংদগীদি হৈত্রবা মতমদা লৌখবা নিঙথৌ পানবা লৈবাক্কী কমলোন অমসুং শিনয়েলবু ওয়েক্লা তমথনা মীবু নেংৎপা... হায়না লৌগনি। মান্নবা খুন্নাই অমগী নৈহৎ—তুহৎপা নত্রগা মীনা মীবু নমথবা য়াওদবা তাইবঙ লোনচং অমগী শেমগৎলকদৌরিবা কলচব অমদা পুন্সি মবেল অমগী সঙম লাকসিনবনি। শাগে—জাং, নুপা—নুপী, শেয়োক—মরি... অরাং—অনেম থায়বদু লাই অমসুং লাইবক্তি লীলানি লৌবা বাবক্লোনগী মাইয়োক্তনি। অশোনবদু পাঙদবনি, কত্তার লৌবগী মহক্তা খুদোংচেবা শেরিকনা নৈহৎপীবদগী লাকপা মহক্লনি য়ানা ঙৌবনি। নীঙতরগী অমৌবা মাহক্লোক্তি। মীতমগী পুন্সিয়োলদা মুক্তম ওইরগা মীপুম তিংনা মপুং কাবা নীঙতরগী মশক থোকপা মীশক অমমম ওইহন্নবা শাগৎলকপা

কললচর্বনি।

অসিগুম্বা কললচর অমগীদমক মগু মগুলিবা কাংবু অসিনা মণিপুরগী অশেংবা মশক খঙনা, কিষ্টবক্রিবা খুন্নাইগী মবম খঙনা পোনম কাঙলি। অদুবু তেক্সোল অহুম অসিগী মনুংদা তেক্তস কো থুগাইবা পাম্বা কাংবুদি মখোয়দা ওইবনা মকপ মপাং যামদে। অদুগীসু মথক্তা মঙলানগী মচু খেংনবগী মতিক কবি গুপ্নদা মমাং থকপা খবনা কললচবদুমক্কি এসেংকা য়েক্রবগী এক্তেন্দগা খন্দোকপা হৈতবদি অদুমক উই। মখোয়শিংগী মগুলানগী শেক্রুম অসুম অসুম যান্নবক্তুনা অনৌবা তাইবঙ মীংয়েং অমগী অপুনবা খোংজং লার্বথিগনি।

লৈবাক অসিদা লৈরিবা কাংবু অহুম অসিগী মুক্ত্বা অমসুং নমপাক নাইনা চিংথাইনরক্তে মতম অসিদা নোংচুপ অমসুং নোংচুপকি যাকা য়েংবা ইন্দিয়াগী মাস মেদিয়া কম্নানা হুম্রকপা নোইনেনা অনৌবো মণক অমা শেমক্কই। মখোয় অসিনা পুন্সিগী মাঙদ ভাবিবা শীংনবা কম্না কাওথোক্তুনা "ঙসিনা নুঙাইথোকপা অদুগা হয়েংনা থোকঅ থোকঅবা" হায়ববোমদা চঙশিল্লি। মখোয় অসিনা মতমগী নুংশিত্তা লশিং মযোল ওইনা পাইথিগদবা মরক্ত য়াওথিগদবা ওইববসু ইতিহাসকী হাপু মশীং হেনগৎলকপগী অৱাবদি থেংনগনি।□

পুন্সিগী অরোইবনি

বুধিচন্দ্রা হৈস্নাম্বা
এম এ প্রিভিয়স
হিষ্টরী দিপার্টমেন্ত

পুন্সিসিদা মসিদগী হেন্না ইকাইবা, চোম্না, ইচ্ছংমাঙবা থৌদোক অমুত্তসু থোকখিদ্রি। পূম্নমকশে ঐহাক্তি কবিমতা খঙজদবা অশেংবনি। ঐবু লান্না লৌবীনু ইবুং ইপুরাশিংগী মফমদা ঐহাক্না হায়জবি। মবক থংলদুনা ময়ামগী মবক্তগী অমনা অসুম্না হায়বকই— ইবেন্মা কপশিন লাউশিন্নবদি চংনবোই, শেংনা হায়যু নত্রবদি নহাবোল ক্রব ময়ান্না চঙদুনা নঙ নক শোয়দনা কেক্রগনি। নুপী মচা অদুনা মপি চদুম চদুম তাদুনা কপ্না কপ্না হায়জবদু বা ওইনা তাবিবগী মহুত্তা মকক্কোকশে, শুনু মাইঙং তৈশে, কৌতা পবেং শিত্নশে, মথোয়শে লৈবদগী লমদমসিগী নুপীগী খুন্নাইগী ইজ্জং লৈখা তাববনে। থিক্রে ময়াম তপথমক্রে। ঙমক্রগা খাইদা পুথোকপিবকউ ঐথোয় তৌজগে। লৈকাইগী নহাবোল নুপী নুপা ময়াম খান্না মাদনা হোংচিন্নবকই। কদোমপগীনো খঙদে খাদংচেং লাকপা মীওই খরসু লাপ্তক্রা লেপ্রমই। মমক অদুদা লৈকাইগী মচিন চংপা অহল অমা থোবক্তুনা কপ্তুনা লৈবিবী নুপী মচ অদুবু কনবিবা শাবদুনা মা হংলকই —

— হায়মু, হায়মু ইবেন্মা হায়মু ইপাদা কবিমত চিংনগনু অশেংবা মাদু হেক্তা হায়মু। নঙনা কনা লাক্রবসু ইপাহোয় লৈবিবসিদি ইচাবু নু হেক্তা কোকপা মত্রা ? ময়ামগী লাউথোংবা অদুনা পাখংপগা লোয়ননা থিক্ল থিক্ল কপলিবী নুপিমচা অদুনা অসুম্না হায়রকই— ঐনা কনা অশেংবা কনা হায়জরবসু মীরম অমিনা ঐবু থাজবিবু মরাক্তবনা ঐবু করি তৌজৌ হায়রিবনো ? ঐনা অশেংবা কনা হায়জরবসু মরামনা থাজবিক্রবনিনা ঐগী পুন্সিগী মরী পুম্নমক লীজরবদি ঐবু থাজবিগদ্রা ? নুপী মচা অদুগী থপ্নোয় শোকপা মতেংদা অং। অদুনা খান্না মাত্রিবা ময়াম অদুদা অসুম্না হায়বকই ... পুম্নমক অমুক্তা তপথবিয়ু নুপী মচা অসিনা মহাক্ক ... মাবী অদু ময়ামগী মফমদা লীজগে হায়রবি মসিদা মহাক্ক ... কবিওন্না অমকপা অমতং লমমলবদি মায়াম... মহাকপু থোজোইনবিবদা মশানা মাবে হায়বিয়ে।

ময়াম পুম্নমক মদু ওইববদি মাবে হায়দুনা অমওা ওইং... খুত্রকই। অচুম অবান খঙদবা ইনখংলকপা নহা খর্বাদ খাপ্না ম্নাদবসু ম্নাওবকই। মামত্রবা মীফম অদুনা ইকোয় কোয়াশল্ল ... নুপী মচা অদুনা ময়াইদা লৈবগা থোক্লেম নিক্রদুনা মাবা লী... হৌবকই —

ঐগী ইমাদো জগোই শাবীনি। মতম্নসিগী জগোইদা মহাক মমিং চংলি। মতমগী যৈরকপা পুংলোন, তান পুম্নমক মহাক্না খঙনবা লৈতে। ইমানা জগোই শাই হায়দুনা ময়াম্না ঐবু জগোই শাবীগী মচা হায়না লক্লবি। ঐ পেক্লবা মতুং ঐনা মাম্না পীক্রিঙেদা জগোই শাবা তোক্তে হায়দুনা মবানা ইমাগা খাইনখি হায়। ঐদি মতম অদুদা ইমাগী মতুং ইনদুনা চংলমই। মবাগা কান্ননয়ে হায়দুনা ইমাদি মাগী হায়গী জগোই শাবীগা হৈনবীদুদি ত্তেক্লমদে। মপামদা লৈ হায়দুনা ইমাদি মুমগী মখাদা অহাং অমা কাওবা লেনখিদে। মহাক্তি শজ মান্না লৈ। চহী খরা লৈরগা ইমানা মবুং থৌশুক্না শাবা মবাং অমা থেজগা মহাক মবানা মহাক হাসিজিন্নবনি অহকপা চৈরাক পীগনি হায়রে।

ঐথোয় কনাগে মাশক মান্না চেংলি। মাগী মাশক ... ঐনা ... অবাবা তাখিবনি। মালবু নিঙত্রবদি পুং

অতেকপগুম্বনি। ইমাগা লৈমিন্নগদগী শকক মূমদা লৈবথোই হায়দুনা চংখিবদগী ঙসিফাওবা ঐখোয় ববাদো লৈবিব্রা শিত্রব্রা খঙদ্রে। মসি হায়বত্রগা নুপীমচাদো অমুক অহীক্লনা কপম্রে। অদুবু মহাক্কী অশেংবা তেংথাখোল তাবিনবা কনা লৈত্রবা মফমদুদা মহাক মনীং তম্না কপচবা ঙমজবমদে। মহাক্কী বাবী মবক থংনা অহল্ল অদুনা হংলকই — ইবেম্মা নঙবু কৈমুম্রো? কবম্না মূম্নাক শগেদা পোকপনো? হায়মু, হায়মু?

—"ঐগী শাগে, ঐগী মূম্নাক" হায়বগা কপ্নম্না নুপীমচাদো কম্না তোকখি। মহাক্কী পিবাংতনা থুমহংলবা মায়থোং অদুদা শীংনবগী মমি তাবকখি। অদুগা মানা অসুম্না মখা তাবকই - যাম্না নুংঙাইবম্মি হায় ঐখোয়গী শাগে। অনীশুবা নিঙথৌগী কোনুংগুম্বনি হায়নে। অদুবু হৌজিক্তি য়েক্লবনা খুনতাক লানশিত্রবা নীংতম্না মুনবিত্রবা লৈবাক অমাগুম লৈখা তাবা হায়বদো ওইবে। অদুগা ঐসু মুথবকলবা শগে অসিগী নিঙোল অমনি। ঐনা মীবোল তাবক্রবা মতমসিদা হংই ঐনা তত্তনা ইবেনবোক্কী মফমদা কবিগীনো ঐখোয় শাগেনা লৈখা তানা শাইববকলিবা? ববানা ইমাগা কবিগী কায়নবিবনো? ইবেনবোকনা খুম্মি নমা উচেক্লুদা হংভু পূম্নমক মহাক্রা থোকহনবনি। ঐ ভাব তাবকই ইবেনবোক্কী বাবীদা। পূম্নমক ইমাগী মবাম্নি মহাক্রা অশেংবা মমা অমা ওইনা পূম্নমক চিক্নোল নাউকোল্লম্রবদি মফম পূম্নমক শান্তিগী তুংনফম ওইবমগদবনি।

ঐগী পূম্পিগী হৌখিবা শকক পূম্না ইমাগী মকম থুম্না চাউবকই। চুম্নতগী পুং তালগা লোয়ননা জগোই শাবম্নী ইমানা মদু তোকথোক্লগা নিঙথৌবেন সমবাও বাদশাহগুম্না ঘুখিংখাও চোনবা অখাম্নবা ভাবক খবতগী ওইনা জগোই শাবা হৌবকখি। বাবীগী মবক থংনা তাবিবা মীয়াম অদু শাউবকই। হায়বগে পন্দবা খবনা অসুম্না হায়বকই — নমা লমচং লুদবী অদুনা পোকপনি অদুনা নঙসু শোয়দনা লুবম্রোই। ময়াম্না হায়নরিবসি শোয়দনা চুমগনি। ময়াম অমুক্তদি তুম্মিম্না লৈবীবু কৈদৌবগে মহাক্কী বাবীসে লোইবা ফাওবদংদি তাখিসি। অহল্ল অদুনা লাউরবকই। ময়াম তুম্মিম্না অমুক লৈনখি।

লাম্দা লানফা ওইদুনা মিচং লৈত্রবা লাম্নী অমগুম কর্নবিনবা কনাসু লৈত্রবা মফমদুদা মাগী পূম্পিগী অশেংবা বাবীদু অমুক মখা তাবকই— ইমাগী অফা অপূম্নবা যাওম্রবা লমচং অদুদা ঐনা মাবু যাম্না বাবৌজখি। মসিদগী হেন্দোক্লনা ঐনাসু কম্নাবক খংনখি। অদুবু ঐদি নুপীমচা অপীকপনি ইমাগী মীংয়েংখাদা চাউজবকপিনি। ঐহাক মহাক্কী মনাক্তগী খোঙ অসি থাংদোক্লনা চংলগে হায়দুনা কম্নাবক খনখি। কদায় ফাওবা চংপা ঙম্বগী পাঙ্গল নুপীজা ওইবী ঐগী বাখল্লা লাম্না ফংখিদে। শাউনিঙলুবা কম্না থংনবা মিকুপ্তা মহাক্কী মফমদা তুংযম ওইখি।

মতম খবা লৈবগা ঐ কলেজ তম্রে। ঐবু থবক তৌহনগনি হায়দুনা ইমানা ওফিসার কম্নাদা বামোম বাচংপা হৌই। ঐনা হায়র্জখি ঐ থবক তৌজবোই ইমা, অচুম্না, অশেংবা লৈত্রবা মতমসিদা ঐগুম্বী মীচং লৈজদবী লাইববা মচা ঐখোয়না থবক তৌবা ঙম্রোই। ঐগী বাহেগী মবক থংলদুনা ইমানা হায়খি— হে অপংবী ইমাগী শঙ্গ ময়াম অমা লৌবিবাসাদ। সবকাবগী থবক মচা অমা তৌবগীবু কবিসু নুংশা থিবদ্রা। ঐনা হায়জবা পূম্না তবীদনা ইমা-ইচাখক লৈজবা মূমদোংপোক অদুদা মশক খঙদবা মশা নানবা ময়াম পূশিন্দুনা পীজ-পীথক তৌবা হৌই।

কেবদা লম য়ৌনা হৈববী ইমানা প্রেটফোর্ম কম্নাদা পূম্নমক্কী মীং থকহনবা ঙম্নী ইমাগী তান যাওববী খুংশা অদুনা পায়দুনা হৈবকপা অঙাংবা মহি অদু যৌবোম থম্না চিংলবা ফাওবা পেম্রদুনা চবাম্নববা লমহইগী মীংয়েংগুম ঐগী ইফমদা য়েংলকখিবা মখোয়গী মীংয়েং ঐ নুংশা থিদবা ঙমখিদে। ইচীক হম্না থেংলবা অহীংদুদা ঐবু যু লৈবরাও হায়দুনা কৌবকখি। ঙম্রোই হায়দুনা চেম্নবফাও ইমানা ঐবু ভক পায়দুনা ইনশিল্লকখি। ইমানা ইক্লকপগী কল্লবা শাক্সু অদুনা যু লিক্রি, গ্লাস ময়াম লৈবিবা মফমদুদা উপথুননা তুশিনগে তৌবা মীকুপতুদা শবাক তম্নীংবগী মীংয়েংগা লোয়ননা [illegible] ঐগী খুদাং পায়বকখি। খুংপাই অদুদগী নান[illegible] পাজল ঐগী ইফমদা লৈজখিদে। [illegible] উপাই লৈত্রবা মিকুপতুদা অনকপদা অদুনা লৈম্নিবা লিম্নি অদু থুগাইরগা লেমহৌরিবা শকক অদুনা মিনুংশি লৈত্রবা মা অদুগী মথুক্তা কম্নারক হম্না থিনখি। মতমদুদা ইমাদি মী হাংজে হায়দুনা মপাম্দা চেনথোকখি। নুপা অদুগী মপাদগী চোংলকপা

অঙাংবা ইখেঙতনা ঐগী ইশা অপূম্বা পূম্নপ লুপখি।

মবক থংনা ময়াম্না হায়নববকখি— চুম্মিনে নুপীমচা অসিনা হায়বিবশে। মানা শেংলিবা ফিবোল পূম্নমক ঈতনা পূমঙাং ঙাংনা তৈবে। ঙসাইমখে খাম্বা য়াদনা শাউবম্বা ময়াম অদো নুপীমচা অদুগী অশেংবা খঙবা হৌবকপদগী তানিঙবনা ঙাইঙমদদুনা হায়বকই— ইবেম্মা নঙগী অশেংবা থাবীদু মখা তাবকউ, নঙনবু চুম্নবদি ময়াম লৈবিবসিদি। সতি সিতাবু মৈনুংদা ইক্কদবগী শিং য়াংলম্বা বামঙাক্তঙ্গবা ময়ামদুগী মবক্কুদা নুপীমচা অদু থাখল খিতং চাউখৎচবগুম তৌখি। মহাক্না অসুম্না হায়বকই— শোকপদগী চম্না লৈজবকপনা অকি-তুজুংবা থৌদোক অমফাও মীৎনা উজবক্তে। অদুবু নুমিৎ অদুগী মীকুপ অদুদা ঐ মী হাংলুববনিকো হায়না খল্লুবদা ঐহাক অকাইবা লীক্লি অদু পায়না পায়না লৈমাইদা থানথখিবা খঙহৌদে।

ঐনা গ্যান তাবকপদা অহীং অদুদা ইমুং অদু কনামত্তা লৈবমদ্রে। ঐহাক অকিবা অমগা লোয়নননা মিকুপ অমফাও পনথবমদনা চেল্লক্লে। অসুম কিনা কিনা লাক্লিঙে লম্বীদা মশক খঙদবা মীওই খবনা ঐবু লমচৎ নাইদবী ওক্তবীনি হায়দুনা ফাগদবগী তাম্নবর্কাখ। পাজল পূম্নমক লোইখিবনিনা শাংনা চেনবগী থৌনা লৈখিদে। লম্বীগী উক্কুল মবকতা খুদি থীদুনা তুশিনখি। ঙৈহাক নোনথক্কবদগী হৌগৎলকপদা ময়াম্না ঐবু কোয়শিন্দুনা লৈবমই।

নুপীমচা অদুগী থাবী অদো তাবদা ময়াম পূম্নমক্না মায়থোংশিং অদু ঙাঙনা চক্রবা মৈবীদগী মুখখিদুনা অমুবা তানথি ওনখিবগুম শকফম হুনজিম্নখি। মীৎলুদগী অনৌবা পিবাংগী ইনোংকা লোয়নননা নুপীমচা লৈশাবী অদুনা অসুম্না হায়বকই— হৌজিক্তি ময়াম পূম্নমক ঐগী তশেংবা থাবী তাবিববনিনা অচুম্বা বিচাব তৌবিবো। মহাক্কী থাহৌগাদা ঙসাইমখে মক লুকথদুনা তাবম্বা অদুনা থাখল হায়বপ তৌবগা অসুম্না হায়বকই— ইবেম্মা ইচা কবিসু লান্দে। লাল্লিবদি ইচাগী ইজ্জৎপু তেমশিংনবিবা মিনুংশি য়াওদবা মখোয়দুনি। অদো ইচবু য়ুম তাম্না থিনবিয়ু হায়ত্রা ? নুপীমচাদুনা অসুম্না হায়বকই— বাজি নচাবু নুংশ্বিবীববদি য়ুম অদুদা চৎলো হায়বা থাহে অদুদদি হায়বিবগনু। মহাক্না থাহেদুদা পুকচেল চাউবা কনাগুম্বা অমত্তনা ইপাগীদা লৈশি, ইবুংগীদা লৈশি, ইচেগীদা, ইমাগীদা হায়বা থাহে অমফাও হায়বিবকখিদে। মমেথংদা অহন অদুনা অসুম্না হায়বকই - হৌজিকপু নহাক কদায়দা ওইনা চৎকে হায়বিবনো ? নুপীমচা অদো ফিজিনা মপি তৈথোক তৈথোক্লদুনা তিম্রীবা মায়াম অদুগী মরক থাইনা তম্না তম্না চৎপা হৌখি অদুগা শোনথাংননা হায়বমই, 'থাংলিবা খোঙথাং অসিনা ঐগা পুন্সিগী অরোইবনি'। ☐

ব্রারী অনী, ইতিহাস অনী

নরেন্দ্রো লৌবেম্বম
মনিপুরী বিভাগ

নুমিদাংবাইবমবু মৌশিল্লক্রবদি, থবকপু হেক লৈযক্ত্রা, ফুবিংথাউদা চাথকশেল্ল থরা হাপচিল্লগা বাকিংওই কবিওই খাই বাজাব অ্রকপা হায়বসিমা হৈনব্রবা নিশা অমা ওইনা তৌখৎলক্রি। থায়না মমাংঙৈদা লৈকুৎ-লৈরাই পাংওই, ঈশিং ঙাক্ত লৈবল্লদগী হাম্না কংঙি হায়দুনা কংলা কৌনখিবা, অদুদগী ইরমদমসে কংলৈপাক কৌবিবগী বাবী ঙসিসু থাজনবি। পুম্নমক্তো ঙসিদি মমি ফাউবা উদ্রে। মতমদুদগী কাইনথং ফাওবা লমদমসিদা মীশিং য়ামজবমদনা, চবা-থকপা বাংচদনা পাঙ্গবল্লা, কদায়দগী লাকপা মীশিংননো মণিপুব হায়না খোনজিনবীবমখি, অদুদগী অমুক ভাবত হায়বসিদা অমুক নপশিনখিবদগী ঙসিদি মশক মমিং খঙদবা য়েংবদা কুমলায়না মাল্ল-মাল্লবশিংনা লল্লোনবনি হায়দুনা লার্কখিবদগী চাব-থকপাদা নিঙ থুংনবক্তে। শিবমান খঙনা খঙনা মখোয়গী মশা-মপুনা থব্রদ্রা ইম্খোলগুম বাংল-বাংলবা ফুবা-দলান কয়ানা অতিয়া খেংনত্রে। থাঙ্গাল বাজাব, পাউনা বাজাব হায়না লৈবিবা ইম্ফাল সহবসিদা মৈতৈগীনি হায়বা ডুকান থিবদা কোক ঙাওনবক্রে। খৃৎতা হাম্লিংলগা চানিঙবা মৈতৈ শুনিঙদবশিংনা মশা-মশাগী ডুকানবু মীতোপ্তা যোম্লেক্রুবগী ফলনা ঙসিদি খোঙথাগী উফুলগুম মীগী মখোঙদা নপচ-হায়জদুনা জিবিকা ওইনবা হোৎনরিদো। চহী থবসিদা শাথিনা হোংলক্রিবা ইবমদমসিগী মবমদা খন্দুনা চংলিঙৈদা ঐনা হেক হেক চা-থকপা মফমদু হেন্দেক্রেমগদৌরে। মদুসু মীয়ানচাগী মৈতৈমচা ময়াম্না চাওখৎহনগ্রিবা। মচু-মচুনি, মখল-মথেলনি, অঙক-অঙকপনি, মৈতৈগী ওইঁবিবা ইম্ফাল শহরসিদা নুমিদাং বাইবম ওইশিল্লক্রবদি— ময়াংমচা অঙাংশিংনা বাহি-চাই, সহরসিদা মৈতৈ মচাশিংনা মমা-মবেন, মবী-মতাশিংনা মীয়ানমচাশিংগী মমাংদা ইকায়-ইঁক হুন্দোক্তুনা লুকমাই পান্দুনা মনা-মশিং, হৈরা খবগী শেন্দোং ফংনবা হোৎনহৌবি হায়বসি কাউথোক্তুনা কোইচং চংলিবা ফনদুম নোক্রিংলুই খল্লুবদা।

(চিনবান্দি হায়যেং নোক্কে তৌকবদগী লেংলুবমাে।, হোটেল বোই অমনা)

—কবি শীবকউগে বাবু ?

—চা অমা শিংহাব অমা (বাবু কৌবকপদুদা হবাউবোই কবিবোই শং হেক্তা হায়দোকখি)

মী অদুক য়াম্না চংথোক চংশিন তৌবিবা লপীদো ঙসিদি ঐগী মীৎলমসিদা ইহাঙ হাঙবোই নিঙই, মীৎসিনা কোয়না য়েংলুবগা পূক্রিংদা খল্লি— "হাইস কবিনো ঙসিদি শামো অঙাওবা উদেনা নহানমখেদি হোটেলসিগা মায়োক্রবিবা ফুট পাঠ মথক্তুদা ফল্লগা অচং অওঙশিং উক-উকবগা মথন্তা চীনগী অবাই অখুম তৌবনি। ফনা নুংঙাইবনি, অবদা, য়েংবসু নুংঙাইবনি মহাক্রা তৌবদো— মতমসিগী ইনখৎলক্রিবা নুপীমচাশিংনা ফিল্মদা থেংনখিবা হকচাংগী মমি উবা ফিবোল শেং চাদুনা মমাঙদা শমদুনা চংখিবা উববদি কদায়দগী ঈশেনো— "ফজেহে-ফজেহে পাপীহে" কাইনগা লকচিল্লিপোৎনি। নুপীমচাশিংদুনা মায় ওহোক্তুনা নোক্তুনা হায়ফেংকা য়েংলত্রবদি, লোইয়ে শামোগী হয়াওজবা, থশোয়গা নৌথরদনা, ইকায় থীবা শাদুনা খুবী মতোন ঈক্তুনা খাঙহৌবিপোৎনি। কথুলোংদগী হাইদোয়কপশিংনা হাইরং-হাইরংগা লাক্রবদি মতম চুম্নদা থানদবা চৈ অশাংবদু থাঙ-শাংগুম হাইর-হাইরদুনা চোংলিপোৎনি। পুলিস, থানা সিফাই নত্রগা মীবোল লোনবা সিফাইশিং লাক্রপদি— চৈদুনা

নোংমৈগা শাবদুনা মবেংবান্দা থাংগৎলগা সলামবু কোৎশিনবও। মকমসিদ শহবসিদা হাই বাজাবসিদা মহাক্কা হায়দগী যানত্রিবদি খোজোনি (কৈথেল ফম্বীশিংনা থোনবীবা সন) খোজোবু লাকপা উববাদি, মমাঙদা চৎখিবা থেংনববদি, শামো অঙাওবা মচি মকমদা লৈশিনখিবনি খঙদে, চাবমদাইগী ফিভমদ, মখৃৎকী চৈ অশাঙবদুনা মশাবু ঙাকথোচনবা, য়ৈথোক্রববু মাঙ-তাকহল্লগে হায়বগী মতাঙুম শেম-শাদুনা লৈখিবা অউবা খুদীংনা শাক্কিনি, ময়াম্না তোয়না উনববনি। মসিনা কবদ্বা মওংনো, কবস্না লম্বেলগী হূইনো ঐতদি খঙবা ঙমখিদে। অখঙবা খব লৈবস্নদি য়াই। চহী ৪/৫ দি হাই বাজাবসিদা শামো অঙাওবগী মিং খঙদবা লৈবস্তে। শামো অঙাওবগী মতৌসি মথৌ শুনিঙদদুনা, মখল কম্মাগী নিশা শীজিন্নমনবনা নত্রগা মাবু নুংশিদবশিংনা ফুখীবদগী নত্রগা শেমজিনখীবদগী ফিভমসে ওইবকখিবা ওইবমগনি হায়বাস ঐগী থাজবনি। অশেংবা, তাংদাংবাঅমদি খঙদ্রি। থাজিন হুমজিনবা য়াংপনবা নত্রগা 'চৈথাবোল কুম্বাবা পাকবনবা' মদুদসু যাওবমগনি থাজদে। অমবোমদা মানা খোজো ঈ'বক চৎপদা মীপুম খুদীংনা। মক ওইনা কৈথেল ফম্বী। কিনবিবা খোজোগী মওংসু অঙকপনি। জীব পানবা অমত্তা হূৎ-ফেৎ তৌবা ঙম্মদ্রবা কৈথেল পোৎলকসিদা মহাক্তংদি নিঙলকপদা কনাগী মমল য়াম্না য়ামদবা মহাক্রবু চানিঙলবদি লেম্না চঙশিল্লগা শায়-শায়দুনা থোবক্রিপোৎনি। মঙোন্দা লম হেল্লি হায়না ফুবা চৈবা তৌববসু কবিমত্তা নাচুংবীপোৎ নত্তে, হাকচবা হোৎশীবত্তম মমেগা হাইর-হাইরদুনা তুমিন অদুনা চৎখি। মহাক্কী মফমদা কল্লকপা, মীহৌবা, অশাস্না, য়েংখিবা, য়েক্রবা অমত্তা লৈতে, মহাক্কী হায়ববু কুম্নরদগী হৌগৎলকপসিদনি— ময়াম্না মাঙজৌননা চেকশিল থৌরাং শায়খৎনহৌবিবা। তশেংনা খোজো নিঙথৌনি হাই বাজাবসিগী। নিঙথৌ ওইবদসু মতিক চায়, নোংথি-চাউরদনা, থৌনানা কবিবা, মহাক লৈবতনা থতে জীব অমত্তা হায়খিল্লকপা ঙমদ্রিবনি। খোজোগী বারী, খোজোগী থৌরকক্কম মনুং হখিল্লা খঙহ্রনসু অা-অথায়দগী চেক্কখিবা ওইরমাগে। মপুদুনা কাদুনা মখুমল পুকবা ৩/৪ কক শুক্রসে হায়নে অদুবু থৌবী হেক্কা থনংদুনা নাহ্রোকপকক্নাগে, মপুঙ্গু কায়মরোই পনত্রমাগে অদুম লৌরশিদ্রে, অদুগী খোজো

মনীঙ তৌনা মনামশিং মোলথাশিংনা লাকপ নোক্ক নোক্ক তাদুনা মপুন্সি লেল্লকাখি।

ইহে উকাউ কাউইদনা ঐদি খোজো', শামোগী য়াখলদা চা-গা থকপা কাউকখেদনা লোইনা ইংলত্রনি (হায়গুরদনা ইংলদ্রে) অমুত্তদা 'গৎ, লাউনা চিংশিল্লখে। চাত্রিবা শিংহাবদুমদি হোটেল মপুদগী চে মচেং অমা লৌবগা য়োমশিন্দুনা শামোগাদমাক্ক খন্না পুদুনা লাক্লে।

"কদোমদা চৎত্রবনোনে কদায়দা লৈত্রবনোনে" খন্না খন্না খোঙদি থাংবা লেপ্তে। অচৎ- অওত্তা হংগে খল্লবসু মতা অমা ওইনা লৌখিনি খল্লবদা তুমন্না অদুম চৎলি। মীংনা নাকল নাকন্দা য়েংবদি লেপ্তে, অনকপদসু অবায়দসু। শাম্ মখোঙ মৌবকপদা খঙনিঙ নীঙশিংলকই, ঐখোয় সনাদো মশা ঙমহৌদবনি, "লফোই লফাং অমতংদি য়েংবাখিবদি যৈনা" খন্দুনা চঙলকপনি। অদুবু ইমা-ইবেনশিংগী হাবীদুদা ঙকপোই কবিবোই— 'হা কমদৌবা' হেক হংলুই।

— হো শামো অঙাওবদো শিদুনা লৈবস্নে-এ

— হাঃ কদায়দা (ঙকপগা লোইননা হংলুবনি)

— নাগা মশালগী কৈথল শঙ মনুংংদনি। নুংঙাইতেদা শামো অঙাওবদো, অদুমাইনা ওইরকনি হায়বসি কনানা থাজরকগনি। ঈম্নবগী নোংদম হায়বসিসু অঙকপনি, ইও ইমৌগসে বাজাবদা লক্কগনু হায়নিঙলবনি।

— কনানা, কমদৌনা শিরম্বনো ? খঙবীত্রা

— ইমাহোইদি অদুক থৌনদি খঙদে, খোজোদুসু ঈবিং নাহিং শাদুনা হাংতেকপীরে,

— ইমাহোইবো শামো অঙাওবগী মমমদা খঙবীত্রো। (খঙনিঙবনা লাংজক্কদুনা হংখিবনি)

— কবিগী খঙদনি, ইরেকাই মতনি, মমাপুসু নুমা তিত্রবা। মমিংদি শ্যাম কৌজবনি, বাজারসিদা ঙাওদুনা লাকখিবদগী শামো হায়দুনা খঙনম্রে। ইমুংতো বারীসে নীঙশিংলুবদা তুকু চুংইদা কপনু কপনিঙইদা (মখীংতে কিজিনা নাম্নোকই, মশিরা খঙদে) কনাম হায়নবো তাঅশবনো— "শীরোল লৈজবীনিনে ইমুংবো। মশানা শীক্কপা খুপোকশীরকনা মমাদুনা কনাগা বানা মী ওইহ্নক্কখিবা। খমক মত অমা কংখিবগী নুংঙাইলকক্কবনি। নুমিংতো তাম কবে মুমিংনি হাকদুনা হঁত-মনাও, শীক্কিল

[illegible] নামা শম্নদুনা মখূৎতা ঙা-ও, ফিবোল-ও। মাগী ইবেম্মদুনা মশক্লা মশক কক্তবিবা, অঙাংদুনা শামু মচাদুঙাহি, বূপ-বূপ লাউরমদনা, মমীংনা তবাউ-তবাউ। য়েংবদা নুংঙাইমনৱদুনা লক্লবোহি কবিবোই– 'নমাদা শীজনবা লফোই অমত্তং য়েংখোদনা''। ঐগী ৱাহেন্দ্রদা মঁতে-মনাওনা নোকমি নোকমি চঙলকখিবদো। মীংসিদা উবিদো (অমুকসু মপি তৈথোকই) অদুদগী খোজোপো– খোজোনা ললোনবী খবগী মনা মশিং চাইখায়কবমাক্লে– মমাম চঙদুনা তাম্লকপদগী মায়কে অদোমদা তফিং তফিং চেম্লকখিবদো। (ৱা মখা তবা ঙমখিদ্রে, ফুনাগংশোই কবিবোই– ইক-আ তৌদুনা ঙাইহাক লৈকখগা, মপি অমুকসু তৈথোকই) ইমাঙসিদনি, ইমাঙমত্তদনি– খোজো শ্যামগী ইবেম্মদা থেংদুনা মমা মচা কৈনা তুখিবদো– অদুদগী মতুং তাবদুদি য়েংহৈদে (মচিন্দা বিষ্ণু-বিষ্ণু শোল্লকই) মীং উইশিন্দুনা খাঙই। বাজাবগী অচৎ অওকশিংদো পাখংনা ইন্দ্রি যুকপা মান্না লাউনবকপা ফাওবা মীং উইশিনখি– হাই-হাই-হাই, নুপী খবদি খাঙবা ঙমদনা– "কবিনোনে তৌবিবসিবু, উবিসিবু মঙলনে, হায়দুনা কম্লবকপগী মখোল তাবকই। খোজোগী চাউববা, লুমলবা মখোঙদুনা অঙাং মমাদুগী মখোঙদা নেংঙম্নদা নত্তনা নৌবিবা অঙাংদুগী মকোক্তা অমুক । লফোইগী মমল হংলম্না শ্যামদো থাজঙমদ্রবা, মীকুপ খবগী থৌদোক্তুদা, লোংনা অদুম হাইথদ্রে, মকোক্তগী তাবকপা ঈ মবক্তুদা গ্যান অদুম মাঙদ্রে। ঐনা কৌবমদ্রবদি মঁতে-মনাউদো নুংশিববা মচাদুগা নেক্লা নোক্লা মমূমদা হন্দ্রগদবনি খল্লুবদা ঙসিসু ইমানা তুমিন-তুমিন কপ্লিনহে। মখোল নীক্লকই, মপি শীঙ্খবকই। হৌজিক্তি নুপীদুনা নামা শোইববী অমা ওইনা শোল্লবী মনেমদুগা কম্মাদা ৱানা হিংমিন্নবিবা।

ৱাবী তাবিবা ঐসু মায়কে খঙদনা লমকাংনরকই ৱাখলনে, খঙহৌদনা ঈ-বা ইহৌরকই। তৌঙম খঙলক্লদুনা– ইমা, অদুদি ঐ অমুক চংলুখিগে হায়বদ্রগা ইমীংসিনা অবোইবা শক্তম অমখক য়েংনিঙবদগী প্রপ-প্রপ লাক্লে। লফোই য়োনবীদুদি মমিং নোইয় নোইবদুনা তুমিম অদুম ফমহৌবি। চংনা চংনা খল্লি– অশিবা শামো অঙাওবগী হকচাং কনানা লৌশিনবীগনি, কনানা সংস্কারগী মৈবী চুবীদুনা তেংথা নাওইনা কপ্লিগনি। নুংঙাইবগী মমি তম্লকপদা ঙাইবিবা শামো অঙাওবগী শোইনাইববী নুপী, অশোনবী মমাদুনা পাউসে তবগনা কবি ফিভমদা লৈবমগবা ? ৱাখলসে খল্লুবদা ইতোমতা "অঙাওবা ওইনা উবদ্রগনি অচৎ-অওকশিংনা" খন্দবা ঙম্রক্তে।

কৈথেল শঙদো য়ৌবকপদা মিউনিসিপালিটিগী টাটা অমা খামদুনা মীওই খবা মখূৎতা বোড়া পায়দুনা খোজোগী হকচাং থাংগৎনবা হোৎনবদ্রি। মনাক্তা লৈবম্নশিংনা ঙাঙনবিবদো তাকই– খোজোনা তুদ্রিঙেদা মনিহোইগী শীংখায়নবা থম্না শীংজংদুনা যাম্লগা হাংপা ওইবমানে, শীংজংগী মমি ঙাক্তা। শামোনা কমদৌনা শিবা ওইববনো হংনিঙলকই, অদুবু হংলুদ্রে। মহাক্কী হকচাংদি হান্নবা থাংগৎথ্রমানে উবা ফংখিদে, উনিঙবা শক্তমদো।

ইমাযদা কাবক্লিবা হুমাং মবিকশিংসে তৈথোক্কে হায়দুনা ফুবিংখাউ হম্নুবদা থেংনবকই– শামো অঙাওবগীদমক য়োমশিনখিবা সিংহাব ময়োমদো। শামোনা কবিগীদমক খোজোবু উবদা মচি মরুমদা লৈশিল্লিবা, কমিগীদমক চায়নবগী ফিভমদা শেম শাখিবা, মখূৎকী চৈ অদুনা থাঙলাংনি খন্দুনা মতম পূম্বদা লোইনদুনা লৈবক্লিবা হায়বা মতম কুইনা ঐগী থম্মোয়নুংদা হংজদুনত্তা লাকখিবা ৱাহংশিংদুগী পাউখুমদো হৌজিক্তদা ময়েক শেংনা খঙলকই। ☐

ইরাল

এন. ডি. হোদাম্বা
মণিপুরী মনগু

– ইতেম্মা, ঐবু লানথ্রবরা . ?

– লানদে। লাম্লবসু ইতেম্মা লানজগে। মতম খরা লাইরিক তম্বগী লাকচবিবা নঙোন্দা ঈম্বনসু লাম্লি হায়না খনবিদবা ওইসনু।

– ঐনা খঙ্হৌদবদগী থোকখিবনি, পুম্নমকসি ।

– নত্তে, নত্তে। অদুম্না নশানা নশাবু নরাক পীশিনজদুনা ইতেমবু অমুক ইকায়খা পীগনু। নঙনা ঐঙোন্দা কায়হৌবকপসু নত্তে, ঐঙনা ঐগী ইথ্রিবু খুদুম চনবা ওঅদদুনা নঙগী নকমদা চঙলকখিবনি।

– অমোনা করিগুম্বা !?

– খঙহন্দনববুদি হোৎনশানি অদুবু খঙথ্রবসু কায়দে। মাবু মসি খঙননবা তানজা লৈরিব্রনে ? ইচা অমখক ফংজরিবসিসু ঐনা কম্না হোৎনজখদগীনি। নঙ অমোগী মতৌসি ঐনা হাম্না খঙজবথ্রবদি ঐ মাঙোন্দা যুম পানজমথ্রেইদবনি। হক্চাং কয়াংতা মাগা ঐগা থেম্রজখতনি, রাথম্রোনদি চপ মান্নে। ইথ্রিগী ইথৌরাংবা কেম্রনবা ঐনা নঙোন্দা চঙলকপগুম মাসু পামজবা মমাম্নবা নুপী থিদুনা তিম্নরিবনি। নুমিদাং কম্না হনজিম্নকখিম্রবনি, কদায়দনু লৈরিবা মাতনা খঙই। নঙদি করিসু কিরুপনু, ইতেমনা নঙবুদি কনবিগনিদা

পুনখৎপিহৌদ্রবা শমবুল

সেবাম নেকেন
পোলিটিকেল সাইন্স ফাইনেল

হিয়াঙ্গৈণী নীনী পানবা শগোলশেন, নীঙোল ওইইবশিংগী মপাম লমদম পাংলকপা, নিঙোল চাকৌবা নুমিৎনা। নুমিৎ অসিদা নিঙোল ওইবি কয়না লৈজবা পুখোক্লনা, কেন মপাম লমদম পাংনবি। নুঙাইববা নীঙোল ওইবীশিংগী অমত্তা ঙায়ববা কুমহে অসিন শ্রী শবক পূম্ব মীগী মী ঙাক্তা, গাডিনা খুবক হাংদ্রি। ঐসু কুমহৈদু ঙাইহাক য়েংলুপে থনদুনা সডক থোকলুই। ঙাইহাক লমদগী অচং অগুক য়েংলে। য়েংবা হৈববদি কুমহেগী কুমহে ঙাক্তনি হায়বদুমক তশেংই। চিঙ্গবা গাডি মবক্তুদা অমনা অমদগী নংহৌববোই মতাঙুম থগল লৌনাব। অমুকসু নুপী ওইবীনা নীঙাথজনা কেদুনা, সনা-লুপানা লৈতেংলদুনা, মপাম লমদম পাংলকপা য়েংবগী পেনবা নাইদে। থবী লাইবিক্তা য়াওবা লম্ফি পাক্ববক্তিগুম নিঙথিজে। 'চিঙ্গবা মীবক্তুদা স্কোতকী অঙাংশিংনা লম্বা ড্রেকলবদু য়েংদুনা, হায়ফেৎ হায়ফেৎসু লকনাবঙে মথগুদা, হায়ফেৎতং উখি নীংথিজববী মৌনহা অমা। অঙাংবা মচুনা লৈতেংদুনা, মথাদা অঙাং অমা পম, বিস্কো তোংদুনা লার্কালি। য়েংনিঙবা অমনা লাংতক্লদুনা মৌনহা অদুদা য়েংলুই। ঐ কুইনা য়েংবা ঙমখিদে, মাসু ঐবু য়েংদুনা লৈবাম্ম। মাগা ঐগা মীৎ হেক চান্নকবদা, মহাক ইকাই নুংশি মাননা লুকথাখি। ঐঙোন্দা খঙহৌদনা হায়ফম খঙদবা চৈনা অমনা হনজিন হনজিন চৈথেং পীবকই। ঐহাক মাবুদি মীৎ কুপ্তনা য়েংনিঙথনি অদুবু ইকাইবগী ফিজংনা ইমীৎ অনীসে চেংনা পুনশিনখি। মাগীদি ঙসিসে নুঙাইরবা নুমিৎ অমা ওইবগ্না য়াই অদুবু ঐঙোন্দদি অৱাবা পোৎলুম অমা হাপজকখি।

নুমিদাংদুমা ঐ তুমবা যাখিদে, মাতম্বু নীঙশিংদুনা লৈখি। মা ঐগী অকাউবগী লৈথোলনুংদা নমাশনথ্রগে খল্লুববা ইতিহাসকী লমায়শিংদু তপ্না তপ্না ফাকতোকপা হীবকই। প্রেমিতা ঐগী থৱাযগী খুইদগী নুংশিজবী নুপীনি। অমুকতসু মপুং ফানা কৌজবা ঙমহৌদে। 'প্রেমি' হায়বা ৱাহৈসিনা ঐনা মঙোন্দা খুইদগী নুংশিনা কৌজবা মমিংনি। ইবানি খঙনখিবদো, যাওশংগী কুমহে লোর্টশনথ্রগা মখা শমথবকপা ওইনা ঐখোয় লৈকায়দা লীলা অমা তৌখি। ঐসু হবাও কুমহৈদা থৱায় য়াম্না যাওজে। লিলাদো অথেংবনি, ঐনা যৌবা মতমদা হৌবমদ্রি। অদুবু মীনা পিক থল্লমলে। লিলাদে ঙাইবা ওইনা, ঐসু হায়ফেৎ নুপীবোমদা য়েংলুই। পাখঙশিংনা লৈশাবীদা য়েংনিঙবা হায়বসিমদি মীওই মপোক্কী হৌনবী ওইবা তায়। লৈশাবীশিংসু অদুমঙাই।

"ৱা কয়াদা ফজত্রবা! কনাবু ওইবিগবা, অমুক্তসু উখিদ্রে! মাবু ঐখোয় লৈকাই মচাবনে ?" ঐগী মীৎ অসিনা য়েংবগী পেনবা নাইখিদে। ঐনা লৈকাইসিদা অসুক কুইনা লৈবকপসিদা মহাক্তি অমুক্তসু উখিদ্রি। মাবু ঐখোয় লৈকাই নুপীবা নত্রগা মবী মতা লৈদুনা লাকলিত্রা। ইশ্যসে খঙনিঙবনা লাংতকনবকখি। ঙাইহাক লৈতনা মঙোন্দা হবান হবান য়েংলুই। মবক মবক্তা মাসু ঐঙোন্দা য়েংলকই। তান হেক চান্নদুনা মীৎ চান্নকবদা, ইকাইথিবী মায়থোংদো, ইকায়দুনা লুকথখি। মহাকসে কা হেন্না ফজবদি নত্তে, অদুবু মাগী কিতম মুক্তি, লাংনা তাবকলিবা অমুবা মশম অমদি লমঙানবা ফুচুদুনা মহাকপু ফজদে হায়বমকতি ঙমলোই। ঐনা মঙোন্দা লোয়া লোয়া য়েংলে হায়বসে মহাক খঙত্রমাক্রে। মহুক্রা ঐবু ইকায়বা

শীবগী মহক্তা থোইনা হেন্না ময়াই কাহনখি। মাগী শাংতক তৌববা মুবব শমলাং অদুদা মথুংতুনা হাইফেং হাইফেং নাল্লগা, মচিনবান লেঙম-শাঙমদনা মথদাং হাইফেং চিংলগা নোকললকপা মিনোক অদুনি ঐনা য়ায়দগী হেন্না চকলিবসে। মহাকসু ঐগী ইতৌদুদা নোকমি নোকমি তৌবগা, মাগী ফাজিন পুনশিনবিনবা য়াওদ্রবা চেইনা তাবিবা শমলাংদুনা, পূর্ণিমা থাজগুমবী মায়থোংদো হাইফেংতং থুমজিনখি। মিকুপতুদি বাহ্না উমলবা থাজগুম ইমম্ মমশিনখি। মসিনা ঐগী থম্মোয়বুসু হেক হেক মমহললি। লিলাদো হৌদ্রে, ঐদি মদুদা থবায় কয়া য়াওকদ্রে। লিলা য়েংবদগী মাবু য়েংবনা শকক চামা হেন্না নুংঙাইখি। ঐগী মীৎ কুপতনা য়েংবা মিৎয়েংদুদা মহাকসু তুমিন্না লোম্না লোম্না নোকখি। মাগী বাসি লৈবী মিনোক্তুদা ঐগী পৃক্লিংসে হেন্না ময়াই কাখি। মাগী নুংশি মৈথীবা, থম্মোয়দা তম্না তম্না চাকপা হৌবকই। মাগী মতৌদো য়েংলিঙে, লিলা লোইখিবা খঙহৌদে। ঐদি লিলাদো পাক হেক লোইহননিঙদে। মসি ঐনা লিলাদো য়াম্না য়েংনিঙলুবগী নত্তে, মাতম্ হেন্না য়েংনিজবগীনি। হৃক্রুগা অহীংদো ঐ তূম্ব য়াখিদে, মাতম্ উখি। মাবু নীংশিংলুবদা খঙহৌদনা ইতোমতা নোকথোকখি। তশেংনা অঙাওবা হায়বদুমক ওইখি। মহাক কনানো হায়বা য়াম্না থুনা খঙনিঙলকখি। ঐনা মাবু অসুক য়াম্না নুংশিকবিবসিনা কবিগী? পুন্সিদা কজ কজববী নুপী কয়া উদ্রে অদুবু থোইনা কন্নকপা কাওখিদে। ঙসিনা কবিগী। কবিগুম্না লৈকাইগী নুপী ওইবক্রবাদি কমদৌবা। ওইনিঙবা ওইবসনু ঐদি মাবু নুংশি, লৈকাই নুপী ওইববসু ঐদি মাবু নুংশি।

নোংমা নীনীগী মনুংদা ঐনা থিগৎতুনা য়েংলুবদা, মহাক ঐখোয় লৈকাইগী নুপীনি হায়বা খঙখি। অদুবু নুংশিবা মাদি ঐগী থম্মোয়দা তুকুনা লৈখিবনা ঐ মাবু হৈক কাউথোকপা ঙমখিদে। নুংশিবনা হেলখিদুনা অক-কক্তা অমত্তা খন্দনা ইয়েক্কবী অমগী মতেনো মত্তোন্দা পাউ হৌহনদ্রে। ইয়েক্কবীদুনা ঐত্তোন্দা পাউ নুংঙাইবদো তাহদ্রে। ঐ হায়নিঙাই লৈতনা [illegible]খি। [illegible] কনো [illegible] কপে [illegible]খি। ইবানিগী [illegible] উনবা [illegible]তো, ঐ থম্মোয়সে [illegible] লাক্তৌরনে। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] পাবখীদি। মহাক ঐগী [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]।

— প্রেমিতা ঐদি নঙবু অমুকতা উথিদ্রি।

— মুমংগী মপান কয়া থোকতেয়ে!

— নঙদি ঐবু হান্না উদ্রববা?

— উম উদ্রে।

— নহান লিলা নুমিৎতো, ঐদি নঙমু ফজনা য়েং'নঙবানি অদুবু নঙগী কমহেনবী নশমদুনা হেক হেক খুমাখদুনা ঐবু কয়াদা লাংতক্রহনখিবনো।

হৌজিক্তি ঐবু 'নতিগী উবা ফংলনিয়ে, কা[illegible] য়াকখনু।

— নঙগী নশমদো ফজনা পুনখৎলবদি, নঙসে কয়াদা নীংথিজগদবনো?

— অদুদি হয়েং ননাক্তা লৈবকানদা।

— নহানগী লিলাদো নুংঙাইদ্রা?

— নঙসু য়েংলিদুদি?

— ঐদি নত্তোন্দা ঙ ওবিত্তেল লিলাদো মথোং মথম খঙহৌদ্রে।

ঐগী বাহৈদুদা মাগী হি য়াই চেন্নবা, বাশি লৈবী, ঐবু শুমহৎপা ঙমবা মিনোক্তো নোকলদুনা লৈমাইদা মক লুকথখি।

- *প্রেমিতা নঙগী অদুগুম্না থুনোক্তুনী ঐনা হাইদগী হেন্না চাকলিবসে।*

ঐগী বাহৈদুদা মহাক থোইনা হেন্না ময়াই কাখি।

তেন্নবা মিকুপ অমনা পৃংজা অমা, নোংমনা চহী অমগী শতম লৌ, তেন্নবা মতম খরদংদা ইবানি অদুকী মতিক নুংশিনককখি। নোংমতং উহৌদবদা অয়াংপা অমদি লৈয়বোই খল্লি। নুমিদাংবাই খুদীংগী ঐসু মখোয় থোজাল ময়া লান্না চঙনিঙলুই, মাসু মঙাংবা সনাকুল অমা য়েংতুনা তুরেলগী [illegible] পোকপা থোরকখি। লৈকাই নুপী নুংশিনবগী কাম্বা হায়ববু, [illegible] মতমদা উমবা ফই। ঐনা কমি তৌরি, মানা কমি তৌরি হায়বা খউনে। লৈকাইনা থোকপা থৌদোক [illegible] [illegible] ঐখোয়নিগী [illegible] । [illegible]-[illegible], [illegible]-[illegible], মৈত্রী লাংপোক, লৈকাইদবু থোকপা [illegible] ইবানি [illegible] [illegible]। [illegible] '[illegible] [illegible] [illegible]' [illegible]। ঐগী [illegible] [illegible] মহাক [illegible] [illegible]। ঐনা [illegible] [illegible]

নুংশিবদি নক্করগা হেল্লি হায়বসিতনি।

— প্রেমি হয়েংদি চৈরাওবনি, চীং কারুসিদনা ?

— চৈবাওচীং কাবসে থুংনগদে হায়দাইনে।

— ইবেম্মা, নঙদা পুকচেল শেংনা লেপ্লিয়ু, ঐখোয়নি থুংনরোইদবা কৈসু লৈতেয়ে।

— ঐনা চিংনবীবদি নখোয় নুপাশিংসিনি, নতুং ইনদুনা কেইসেন সেন্নবা ঙমবসু নত্তে।

— প্রেমি, ঐদি নঙসে হেক উরুবা মিকুপতগী, নঙগীদমক্তা লেপলগে হায়না খনখ্রবনি।

— ফরে অদুদি কনানা থম্মোয় শেংবা হায়বদু য়েংনবা তাবেদনা।

মতমদো ঐখোয়নি তেয়না উনমনবদগী লৈকাই শবা-শল্লবনি। মবক মবক্তা মানা মিপাইজনা শোনজে। "কবিগুরুদা নঙনা ঐবু হনদোকপিবস্না থোক্রবদি " ঐগী পুন্সিদা কাউবা য়াবরোইদবা থৌদোক বাথোক্তনা পীক থম্না লৈবি। নুমিৎতো কাংলোম্নি, লৈশাবী ফাবী মানা, অঙাং মচাগুম মঙকতা মঙ্গল শবেং অমা শি, পুডৌ ফনেক অমা শেৎ, কাংগী হৈক্ক কংপা য়াওদুনা, লাইদা কংপা থমবাল অমা নিদুনা লৈবম্মি। মাগী মতৌদুদা ঐহাক্না কয়াগী মতিক নুংশিজবা। ঐসু চঙশিন্দুনা থম্বালদো নিবা য়াওকই। ইবানিগী মতৌদুদা বামোনদুনা থম্বালদো পীবকখি।

— লাইগী নির্মল ওইরবা থম্বালদি খোঙনা শোকপা ফত্তে হায়বনি।

— ঐনা নিজবা ওইবমলবদি থম্বালসে চম্নফম খঙদনা অদুমক মাঙলম্বসু য়াই।

— অদো ঐনা নিববনিনা কৈদৌববা ?

— থম্বালসিগী লৈফম অমদি ঐঙোন্দা কন্দুনা লৈহৌবনি

— থম্বালদো ঐমক্তি নত্তবনিনা, কবিগুরুনা মদুদা শরুখ্রবদি কমদৌবা ?

— অদু ওইবগনা থম্বালসে, ঐখোয়নিগী নুংশিনবগী খুদম ওইহৌরেদনা।

— অদুদি, ঐসু ঙসিগী কাং নুমিৎসে কাউদনবা, নঙগী ঙকশমগী মঙ্গল শরেংদো নিজহৌরগেদনা ?

— মসিদি নঙনা নিম্রবসু ঐনা খুদোল ওইনা পীরবনি ঐমকনি খনদুনা চেকশিন্না থমবিয়ুকো।

— মসিনা ঐগী ইকমদা নঙগী মফম অমা অদুমক কনদুনা লৈবগনি।

মহাক চৎখ্রবসু মঙ্গল শরেংদুদি ঙসি ফাওবা ঐগী লৈকাং চুরবা উখোকতেনদুদা য়ানদুনা লৈহৌরি।

লেপত্রবা মণিপুরগী হরাও কুমহৈনি। চহী অমগী ইমাগী তম্পাক্তা শোকপিরমবসে শাবি-শানৌ ঐখোয়গীদি য়াইদগী লাইবক ফবনি। মণিপুরমুক হৰাও-কুমহৈ কুংবা মফম অমা পৃথিবীদা লৈবমলোই। হায়নবা লৈ— মণিগী লৈবাক মণিপুর।

— হয়েংদি ঐ কোনুংদা ঝুলোন য়েংবা চৎকনি।

— ইমাখোয়দি য়াওদ্রোইরা ?

— হোই ইমাগা চৎতোইনি।

— অদুদি ঐ য়াওবা নুংঙাইররোইনে ?

— কৈসু কায়দে— লাকউ।

হৈলম-লৈনমনা থল্লবা গোবিন্দগী মান্দবনি। মীনা কুক-কুক ইম্নবা মবক্তুদা ঐ মাবু থিবি। মহাক ঐবু লাকপবা হায়দুনা মঙক থাঙ্গৎতুনা কোয়না য়েংদুনা লৈবম্মি। ইবানি মীৎ হেক চাম্নকবদা মানা কয়াগী মতিক হৰাওজবা। অঙাংবা সিন্দুরনা লৈতেংলবী তঙৌববী মাইথোংদগী মীনিলগী অশাবা হ্মাংনা ওবো-ওবো চেহ্নবি। মৈঙালদুদা মাগী মায়থোংদো তঙাং তঙাংবা চাবদা হাউবগদবা হৈয়াই অমুনবমুক নীঙথিজে। *মমাঙদা মা-ঐ কোনুংদা কয়ারক চৎখ্রে। কৃষ্ণ জন্ম, থৌরানি* জন্ম কয়াদা লাকখ্রবনি অদুবু নুমিৎতুগী নুমিদাংদুমক নুংশিবদি অমুক্তা য়াওখিদ্রি।

য়াওশঙ অমদা ইবানি নুংশিনরকখি, য়াওশঙ অমদা ইবানি কায়নখিবনি। ঐ খল্লুবদা য়াম্না নীংঙমলকতে। করিসু নত্তবা থৌদোক মচা অমনা, মৈরিকতগী মৈজাওবী হৌবগুম, ভাব তানদবদগী মা ঐগী নুংশিনবদু কায়হনখি। নুমিৎতো ঐ কাউদ্রি, য়াওশঙ স্পোর্টস লোইশিনবগী শোং চৈ লোইশিনবা য়াওবিঙেদা, অঙাং অমনা ঐবু প্রেমিনা থাবল চোংবা লাকউ হায়বকই হায়দুনা পাউ হায়রক্মী। ঐ ঙকপনা খম থেংখি। করি কবস্না বাখলগী মানা ঐবু থাবলচোংবা হৌরকলিবা ? মমাঙগী চহী কয়াদা ঐনা মাবু থাবল চোংবা হৌখ্রবনি। মদুদা মানা য়াখিদে অদুগা ঙসিদ্ম করিগী ? অদুসু ঐখোয় য়াইরবা

নত্তবা অবাম্না মীগী লৈকাই অমদা শাইদাংদুনা চোংলুগদবা। ঐ মাগী মওংদু চিংনদবা ওমদে। মরমথি য়াওশঙ মনুংদা উম্নবদা মানা য়াফমসি কবিমতা শক্লকখিদে। হান্নসু পাউ হায়খিবা লৈতে। ওসি তনহাব হেক হায়বসিদি ঐঙোন্দা ফজববোই হায়না তৌবা মাম্লি। ওবাংসু মোটোব তোংবা নুপা অনীগা য়াথী লাম্নখি হায়। শোয়দনা ওইবমগনি মহাক ঐগী মকমদা অতোপ্পা নুপা অমা।

ঐহাক চংলগুমলিবা খনবনি অদুবু মাগী মওং য়েংলুগে হায়দুনা চংখি। মহাক নুপা অমগা য়া য়া নোকমিন্নদুনা কম্না থাবল চোংলি। ঐহাক শাউনিংবনা তৌফম খঙখিদে।

হেক চঙশিন্দুনা ফুনিঙবা হায়বদু য়োঁই। মখোয়গী নোকপা খেবদুনা ঐঙোন্দা অশোম্না থিনবগুম থোকখি। হৌজিক্তা খঙলকই মানা ঐঙোন্দা থাবল চোংবা হৌবগী মবম। মানা ঐগা অশেংনা চোংমিন্ননিঙবা ওইববদি ঐ লাকত্রিবা ফাওবা ওইদুনা লৈগদবনি অদুবু মাদি ঐগী নামাদা খুদোংচাবা লৌবনিনা হবাওনা চোংলি। মাগী মতৌদুদা ঐহাক থম্মায় নুঙইতনা নীঙবা কায়না হল্লকখি।

য়ূম য়ৌবক্লবদা থাবল চোংবগী মখোলদুনা ঐবু খোয়রাং খোমশাউনহনখি। খোনগী মখোলনা ব্রজ তাবগুম থোকখি। হৌখিবা য়াবী কম্না নীঙশিংলুরগা শাউনিঙবা অসুম হেক্লকতুনা মমাঙগী য়াওশঙ মরাদনি—

— প্রেমি হন্দক্তি হৈবানি অবোইবা ওইনা থাবল অমুক্তা চোংহৌসিদনা ?

— করি কামদেইহনো, চহী মতাংসিদা

— মমাঙদসু য়াদরে হন্দক্তি চোংহৌসি। হয়েং য়ূম পাক্লখি য়ারোইদ্রা।

— চোংব্রগা করি তৌই হায়বগে ? হৌজিকপু অতাং নত্রবসিদা খরসু লেমখোকলসি।

মতমদো ঐনা কমায়ক হৌখিবদা মানা য়াখিদে। ঐবু মাসা লেমহৌনিঙদুম তৌরিবনি খনুনা মহোন্দা শাউরদে। অদুবু ওসিদি অমঙমঙে। মসিবু মাসা ঐবু নুংশিবগী খুদমনা। নত্তে ঐহোন্দা নমথাক তৌবনি। মাসা ঐবু শামবে [illegible] হেক্না লেপ্নবনি। মসিদি মাসা ঐবু শীলনবনি। ঐ মত্রা লেনখিদে। হৌখিবা পুন্সিবা মানা [illegible] ওইবদ, [illegible] মুদী

য়াহেশিংদো নীঙশিংদুনা অহীংদুমা অদুমক নোংঙানখি।

মথংগী নুমিৎতা মানা ঐবু উননবা পাউ পীবকই। ঐ চংলবোই খনবনি অদুবু অশেংবা অমদি খঙনবগে খন্দুনা চংখি। মহাক ঐবু ওইদুনা লৈবশী। মশাদো য়াম্না ইকাই হংগোইবা মাম্লি। ঐনা কবি হায়বকন্দগে খনবদা কিবসু মাম্লি। মবাল লৈবা মীদি শোয়দনা কিগনি। মহাক য়া লান অমত্তা ওাঙদনা তুমিন্না ফমদুনা লৈ। মাগী ওবাংদা কেরুবগী মুথংপা শেংব্রবা শিঙুম, মীংকী অমুবা কাজল উকবদা ঐ হেম্না খোইদৌ শাউগংখি। ওায়হাক তুমিন লৈববা তুংদা মানা অচীকপদু থুগাইখি।

— ওবাং লাকত্রিবদি কবি তৌবে ?

— কবিগীনো নঙনা ঐবু অদুক য়াম্না লাকহম্নিংঙিদুনা, হায়বমদনা তুমিন্না চংপা য়াদরা ?

— নহান মথৌদি নঙবু থাবল চোংশি হায়বদাইনে।

— মদুদা নঙবু য়াখিববনে ? (খবা শাউরগনা)

— অদুগী শাউদুনা লাকত্রে নত্রা।

— খঙলে প্রেমি তেকলসি। ঐনা খনজবগা নঙনা তৌথোকপগা য়াম্না চান্নদে। নঙগী ননিঙথুংনবা ওবাং ঐ লাকত্রিবনি।

— নঙগী য়া অসিদি ঐবু ইয়াল শীগে শিনিনে। ঐবু ওরাং করি তৌব্রবগে ?

প্রেমি ঐসে নঙগী মতম লেমকমনি খল্লিবদু লানগনি। নঙগী নীংবা থুংনবা মতম খরদি ঐখোয়নি উন্নখিগুমসি।

মহাক মথা অরকখিদে। খিকুন খয়া.মকমদো পুমচিক চিকখি। ঐনা শাউনিংনা হায়দোকখিবা য়াহেশিংদু অবদা মহাক মক নুকখি, মমীংতা ইরা চেনখি। মাগী মীংলুগী অয়োনবা শিরাংশিংদো উমবনা ঐ মকমদু খাদোক্লুনা লাকখি। তাব মেন অয়বা থৌদোকতুনা ঐখোয়নিগী মতম কুইনা শাগংচেনকপা নুংশিবদু লৈতেইগী খুমাওগুম খুদক্তা কিনখি। মা-ঐ পুন্সি চুম্না কাখনদি। অশেংবনি নুমিংতে মা লানথে লাকলিবনি ঐনি। ঐ মত্রা নীংজখিদে। অদি ঐবু অশেংলো নুংশিজবনি অমত্তোনবা ঐবু মাদু খা য়েরা নুংশিবনীনি। [illegible] নুংশিবনা [illegible] মতে। মাগী [illegible]

[illegible]

চোংখোকখিবনা পুন্সিসে অসি য়ৌনা তম্লথিহল্লখিবনি।

মতম অমদদি মখোয় খোংগান এপাদা ঐবু ঙাইদুনা লেকমনা। অদুবু হৌজিক্তি মখোয় খোংপালসু উহাঙ হাঙলে। লেকাইনগা চাউবনো হনগাৎ-হনদা তোমনা চংপসু ইকাই হংগোইবা অমা য়াওবদগী চংলুদ্রে। মতম অমদদি ঐবু হেক উবদা চেনখোকলকাখিবনি। অদুবু ঙাসদি পুম্মক খোংত্রে। অসুম্লা ঐখোয় অনীগী মরীসু ওন্না ওম্না মমি শামজিল্লকখি। কাং, ফুলোন, লাই হবাওবা, য়াওনঙ পুম্মক মথং মথং লাকই। অদুগা এদি য়াওবকখিদে এখোয়গী মবক্তা। দপালোনগী মরোবা মৈঙালনা মালেম পুম্বা ঙালহনবা ঙমলবসু ঐগী খঙ্খায়বদি ঙালহনবা ঙম্মিদে। ঐ নাইতোম তাবগী পুন্সি হংথবদুমক ওইখি।

মতম কুইববগী তুংদা নোংমা ইথা থাজদনা মহাক ঐংঙোন্দা চিঠি অমা পীবকই। মিকুপতুদি ঐ কয়াদ হবা ওজখিবা অদুবু থংনবা মিকুপতা, ইঙাগী অকন্নবা নোংহৌগুম ঐগী মাংলু অনীদগী পিবাং হৌরকখি। পীক্রবা চেবাং অদুদা মাগী নীংঙমদবা ৱাহৈশিংদো ইবি–

"নঙসু ঐগী পাউ তাববা নত্রা ? মমগী অহন লমনগী অনীঙবা মতুংইন্না, ঐ ঙসিদি শকথঙদবা লমলানবা অমগীদমক পুন্সিসে লেল্লুবা তাববা। ঐদি নঙবু থমোয় শেংনা নুংশিখিবনি অদুবু লাইবক্তা তমলমত্রমাল্লে। নুমিৎতুদা নঙনা শাউখিবগী মবমদুদি, ঙসিসু খঙদনা অদুমক নীঙমদা নীঙমল নঙবু থাদোকতুনা চংপা তাবে। ঐদু মাবৌগনুকো।" ❑

নুংশিবগী পন্থুংফমদা চৎপদা

নিঙোম্বম ইমো সিংহ
এম এ অহানবা
ডিপার্টমেণ্ট ওফ লিঙ্গুইষ্টিক
মণিপুর ইউনিভর্সিটি

য়াওশঙ নুমিৎনি। টেবলদা লাইরিক খরা ফাত্তোকুনা ইমোবা ফম্রি। হাংদেক্লেবা মীহুৎথোং ফাওদুনা তাম্না য়েংলুই। য়েম্নীংথা লাকপগী মথুম-মবাং হৌবরা প্রকৃতিনা মহাকপু কৌবিরগুম খল্লকই। অসুম্না পুক্নীং লৈতাদনা ফমলিঙে শ্যামো চঙলকপা খঙহৌদ্রে। ইমোবগী থাজদবা মতৌদু উবগা শ্যামোনা লক্লবকই,

"য়েম্নীংথা লাকপগী পাউজেল মবকসিদা কবিগীনো ঙসিদি থোঙনাউ হাংদোকুনা তাবমদাইগী ঙাঙাম্নববা লৈচিল মবক্তা রাখলনা উচেক মচা ওন্দুনা পাইদুনা শান্নবমলিবসিবো।"

"হায়, শ্যামো! চঙলকউ। ফমসি লাও। নহাক্কী কবিগী রাঙাঙদো ঙসিদি য়াম্না মমল লৈকো। ঙসিগী নুমিদাংবাইরমগী ফজবশিংসে মাঙদনবা শৈবেং অমত্ত ইহৌকলাও।"

"নত্তে, শৈবেংক্কা লায়রি। চৎলসি কি লোইশিল্লো।"

"কদায়দনো?"

"করিনো মসিনা অসুক য়াম্না ভাব অদ্দবশিবো। ঙসিসে য়াওনঙনে য়াওনঙ। অচীকপগা রারী শান্নদুনা কান্নয়োইহিয়ে। থাবল চৎসি।"

"কদায়দগীনোদা থাবল চোংবসু হৈত্তবা ঐত্তেন্দ্রা।"

"হৈত্রবসু চৎসি। মী য়েংহুনাও। ঐথোয় চোংথোক্কে। নহা ওইবগী মরসু ডাওথোকপা তম্মু কৈদৌবগে।"

নমদুনা শ্যামোনা ইমোববু পুদুনা থোক্কে। থাবল চোংকম হৌরে থাবলচোংবা হৌদ্রে। শ্যামোনা ইমোবদা থাবলচোংবা য়াওরসি হায়রবু মরাম্রবরা মখনজ চঙলগা য়াওদ্রে। অইহাক য়াওরমলবা ইমোবগী মনাক্তা থোরকুনা

হংলকই,

"নহাক সুক্ক্যাও য়াওরবোইদ্রো?"

"হৈসু হৈত্তনা কম্মাই য়াওদৌইনো?"

"অদুদি নহাক অমত্তা খল্লকউ। নহাক্না খনবদো পায়বগা চোংগে।"

শ্যামোনা কয়া তকশিল্লকপদগী ইমোবা থাবল চোংলিবা ময়ামদুগী মবক্তা মমীং থম্লুই। কনাগুম্বী অমত্তসু মমীং থম্না য়েংলক্লিবা ইমোবা ঙসিদি কনাগুম্বী অমদা মীৎয়েংগী পন্থুংফম ওইকদবে। থাবলগা লৈতেংমিন্নবিবা মৈঙাল্লক্তা কোইরাওনবা মীৎল্লা অনীদুনা থরানমিচাকুম তগুপ-তগুপ্লিবা, মায়থোংনা পুর্ণিমাগী থাজমক্তা পাংখক্লবরী, থাবলগুম ইপোমহৌবরা, সমুদ্রনা ঈথক হৌবা মাল্লবী মহাকপু উরবদা ইমোবনা নুপীমচাদুনা মথুৎথিন্দুনা খঙহৌদনা হায়দোকখি,

"অসি পায়কবো।"

"অসি নত্তে। শংবান্নবী সান্নী লেংশিসে?"

"উম্ব।"

"হায়রে মরুপকী থম্মোয়দো পীরকও। মসিগী শকহেনবীলিবা হেক্তা খুৎশিন্নক্লগে।"

মখানি লোকমিন্নরগা শ্যামো চঙশিনদ্রে। নুপীমচাদো পায়রগা শ্যামোনা ইমোবদা ইঙ্গিৎ তৌরকই। নুপীমচাদু ইমোবগী মীৎয়েংকম ওইদ্রে। ইমোবনা লেপ্লিবা মপা হৌরকপা খুদিং নুপীমচানুসু হেক্কমক য়েংলকই।

থাবলচোংবা হায়রকপদা শ্যামোগী হৌনবী হৌরকই,

"থম্মোয়গী লৈরাং ঙসিদি লৈনাং অমত্রে নত্রা? লৈনক লেপ্লি, লৈমু মীৎশি! লৈখোঙ শত্তবা ডাংদৌরিব্রা?"

"কনাগীনো হায়রিদুবো ?"

"ঐগী মকপ ইমোবগী। ঙসাইগী শকহেনবীদো। মমিং খঙনিঙব্রো ?"

"মমিংনা কৈদৌনদোইনো ?"

"বাহেদুনা যারোইয়ে। ঙসিদি থম্মোয়বু লৌনমগে খল্লনো ?" থম্মোয় অত্যিয়াদা পাইরকপা নোংখোং হৌরবা লৈটিল ঙাসিদি নোং ওইনা চুদবা যাবোই। লৈরাং লৈখোক্তা নুংশি জরিক থীক্তবা যাবোই।"

"তোকওবা নহাক্কী কবিগী অঙাওবা চোইবোলদো।"

"ঐবুদি তেক্লগে। মিংদুদি খঙখোবা—প্রেমিল কৌবনো।"

"যারে, যারে মদুগী বাদু লোইশিল্লসিসে।"

বাবীদু লোইশিনখি। অদুবু নাইতোম তারক্লবা অচীকপা অহীংদা ইমোবগী থম্মোয় পোথাফম খঙখিব্রে। যমুংদা লোংনা হীগুনা মীং চেজেং উইশিনবা লাক্লরি। অচীকপগা লোয়ননা কনাগুম্বী মহাক্তো ইমোবগী বাখলদা লাকই। অহীংগী অচীকপশিংদগী হেম্রা টিক্লবা খোঙ্গাংনা ইমোবগী থম্মোয়দা কৌরক্লি মনাক্তা লাক্লো হায়দুনা। ইমোবগী কনাগুম্বী অমত্তগী মমি তাব্রিবা থম্মোয়দুদা ঙসিখক্তা থেংনকবী নুপীমচাদুগী শক্তমতনা থনগ্রে। খুৎহেবা অমগী ফজবা পৃম্বা হ।র্ণচিম্রবা অহিংবা মূর্তিদুনা ইমোবগী থম্মোয়গী মফম খুদীং কনশিনব্রে। মথক্তা বাহং কয়াগী মরক্তা চেন-চোংদুনা শাম্লকই— "করিগী কোইরাওনববী মীংস্রা অনীদুনা ঐঙোন্দা হূনা হূনা য়েংলিবা!" অচীকপসিদা মশানা মশাফাওবা থীবা খঙজদনা ইমোবা লেপ্লি। অহীংচুম্না শোক্লরিবা থম্মোয়গী লানফমসিদা ইমোবা যাম্না চোকথবে। অদুবু থৌনা লাকই। মাগী নুংশিবা ফোংদক্লগে লেপখ্রে।

নোংঙানবগা ইমোবা শ্যামোখোয়দা লাক্লে। ইমোবগী মত্রৈ খঙলদুনা শ্যামোনা থওইদবা মতৌ উংশিন্নে। মহাক লাকপা উবদা পারমদবা লাইবিক পাশিন্নে। ইমোবা থাবিবা চৌক্রি অমদা তুমিন ফমথব্রে। শ্যামোদসু কৌদে, বা অমত্তংসু হায়রুদে। মতৌদো খঙলদুনা শ্যামোনা বা হৌদোরকই—

"কৈনো, নহাক্লা তুমিন লাক্লপা অঙাওবদৌনা ফত্রিবসিনা ?'

ইমোবা খুমদে। শ্যামোনা নোকমি নোকমি মথা তারকই,

"ঙবাংগী শকহেনবীদুনা অহীংগী অচীকপদা লাক্লগা থম্মোয়দু হুদুনা নুংশি লৈনম্না থল্লবা লৈকোলদগা হন্দোশিনম্রব্রো।"

ইমোবনা মবক থংনা লাঙজক্লনা হায়রকই,

"মরুপ নহাক মঙোন্দা ঐগী নুংশিবা ফোংদোকপিবা ঙমগদ্রা ?"

শ্যামোনা ইশি-শিনা নোক্লগা হায়বকই,

"অদুগী ওইবে নহাক্লা তাইবঙশিগী অবাবা পৃম্বা পুদুনা ইনাক্তা বাকংলবিবসিদি। নুপীমচাশিংদা অদুক লূনা খল্লনু।"

"খন্দবা যাদবনি মকপ। অহীংচুম্নসু তূমদনা খল্লক্রিবনি। মহাক কনানো কবিনো খঙদে অদুবু অহানবা উকবা মীংকুপ্তগী ঐগী থম্মোয়সে মহাক্কী নুংশিবত্তগী তুংনফম ওইরক্লে। ঐগী নুংশিবসে মফমদা ফোঙদোক্লগে চপযুংনা লেপ্পবনি।"

"হোয়নে, নঙগী থম্মোয় ঐনা খঙখ্রবনি। মানসু শোয়দনা খঙলম্রনিয়ে।"

"অদো ঐগীদি পুন্সিগী অহানবনি। অহানবাসনা অবোয়বসু ওইগদৌবিবনি।"

"নুংশিবসে খুমাঙ চাওশিললক্লেকো।"

"ফাগী তৌবনু মকপ। ঐগী পুন্সিদা মহাক থেংনবমদ্রবদি নুংশিবা হায়বদো মশক খঙলদ্রবোইদবনি।'

"মরুপ ইমোবা।"

"তশেংবনি মকপ। নুংশিবসে যাম্না শাংবা খোঙচংনি হায়নবদাইনে। অদুবু ঐঙোন্দা মীংকুপ অমদা পুল্লপ চেনশিল্লকপগুম তৌরক্লিবসি কবিগীনো ?"

মকপকী থম্মোয় খঙলদুনা শ্যামোনা ইমোবগী পুক্লিংবু থেমজিল্লকই,

"নুংশিবগী অহৌবা মীংকুপ্তা অদুম্না হেক হেক খনগনবনি। সে, নুমিদাংবাইরম মখোয়বোমদা চংখোক্লসি অদুগা মহাক্কা শকখঙনথোকসি। মতুংদা ফনবা ঐনা লোইনা শীল্লগে।"

"অদো, মাগী খঙন-চাম্লবগা লৈরম্রবদি

"লৈসনু কৈনো"

"নত্তে, মদু হায়া খঙদোকবাসে। মীগী নুংশিনজবদা শেক্তোক থাইদোক্লদুনা ঐগী নুংশিবগীদমক লাজম্রবা

থম্মোয়গিনিং চৈনা পীবদু ঐদি পামদে।"

ইমোবগী বাহৈসিদা শ্যামো খুমকম খঙখিদে। ইমোবগী বাখলদি শ্যামোতনা খঙবনি অদুনা মবক থংলুহ্রে। ইত্তিং তিংনা হায়রকই,

"উম । মাগী খঙন-চান্নবা লৈবমদবা ওইসনু।"

নুমিদাংবাইরম মবাম্রি প্রেমিলাখোয়রোমদা চংলুই। প্রেমিলাদু মমাম্নবী অমগা থোরকই। হোটেলদা চঙদুনা ঙাইহাক পুক্লাপ ফমিন্নদুনা শকখঙ মায়খঙনরে। প্রেমিলাগী লৌথুপ-লৌকোহ লৈজদবা মতৌদুনা ঙসিদি ইমোববু অমুক অহকপা মুর্তিগুম পুমপং পঙথহল্লব্রে। হায়হৌগে খনবা বাহে অমত্তসু হায়হৌদরে। "ঙসিগীদি চঙলগে" হায়রক্লগা চঙখিবদু ফাওবদা ইমোবা অসুম্মক তুমিন্না ফম্রি। শ্যামোনা মশা নোমদুনা "চংলসি" হায়রকপদা ইমোবনা ইকিং কিংনা হায়বকই,

"মখোয় চংব্রবরা ?"

"চংব্রে। করিনো নহাক্লা তৌরিবসিবু।"

"ঐদি মহাক্তং উরম্বদা থম্মোয়সে পুমথন থনখিদুনা ঙাইহাক্তি অরাংপা অমত্তা লৈত্রবগুম কয়াদা নুংঙাই মঙলান অমদা অউক্লরবনো ?"

"মরুপ, নহাকসে ওনথোকপনিদকো। ঙসিগীদি চংলসি। নোংমা অমুক লাক্লসি।"

লম্বী চংনা চংনা ইমোবনা লাংত্তক্লনা হায়রকই,

"মরুপ মহাক উম্নগনি খনবদা ইথন থল্লা লাকপা থম্মোয়সে মহাক লৈহৌরে খল্লুবদা পুমহাঙ অমুক হাঙলবগুমলে।"

"মদুদি হৌনশানি। নুংশিবদি কংলগত্র পেনবনি।"

মাম্নী শানা-শানা চুম থৌবা খঙহৌর্রে। ইমোবগী পোথাকম খঙদ্রবা থম্মোয়না নাইত্তেম অমুক লৈনিঙব্রে। শ্যামোগা লোয়ননা মমুমদা চঙমিন্নরকই। ইমোবা কমুংদা লোংনা হীপব্রে। শ্যামো মনাক্তা কম্রি। অতিকপনা হেক হেক লৈমিন্নরিবা মবানিকাওবা ওইথে লৈতনা থায়মলখত্রে। ইমোবা মথীং পানো পানো শিরাং ইহৌরকই। শ্যামোনা মতৌবু উরগা অতিকপদু খুনায়দুনা খৌরকই,

"ইমোবা"

ইমোবা অশাংবা মোর মশী অমা হোম্পেত্তপা শায়োন্না

য়েংলকই। মহাক্কী শোম্নবা থম্মোয়বু নমথায়দুনা চেৎবাক্রবা শিরাংশিংদো থিংবা ঙমহৌদে। শিবাংদো তৈথোক্রগা লম্রবা খোম্মাংদা হায়বককই,

"শ্যামো, ঐগী থম্মোয়গী নুংশিবনা অসুক লাকংঙ্‌ কাঙমন্নিবসি করিগীনো। ঐ নুংশিবদা মিপাইবসু পোক্রক্রে। ঐগী থম্মোয়বু মশক খঙবিব্রবদি নীংজকবগীনি খন্দুনা মোমোন নোকচগনি নত্তদুনা থম্মোয়বু মশক খঙবিখিব্রবদি পুম্পি চুম্নগী লাপথোকচবা নত্তনা কবি ওইহৌগনি।"

"ঙসিমক্তি লোম্না লোমবু ওইববসু ইনীঙত্মা য়েংঙবা ফংলিবসে মতম্রদুদদি অমুক ফংলরোই। ঙসিদি মাবু উজবনা ঐগী অপেনবা ওইরি মতমদুদদি কবিনা ওইগনি।"

"ইমোবা, নহাকসে নুপা মাঙখিব্রেদা। নুপীনা ঙাওগদবা রা ঙাক্তা।"

"নুংশিবদসু নুপা-নুপী কবি খোম্নবগে ? থম্মোয়গী থৌম্নাংবদি চপ মান্নদব্রনে ?"

"অদুবু ঐখোয়দি নুপামচগী থৌনা লৈরিদ্রা।"

"নুপামচগী থৌনাদুনা মীগী অনীং বা থুগায়রক্লবদি।"

"নহাক্লা মাম্না লুথনা খনমনব্রেদা।"

"বাখলসিনা ঐবু ঙসিদি মাম্নমক বাহন্নিবনি। ঐবু বাহক্লবসু মসিনা মহাক্কী বাইকবা ওইবসু মাই।"

অসুম্না কমায়রক্তি মবাম্রি ঙাঙনখিবা। য়েংনখিবা। ইমোবগী থম্মোয়গী নুংশিববু খঙলবা শ্যামোনা তত্তনা হায়খি, "মরুপ পুম্নমক কোংদোক্লসি।" অদুবু ইমোবনা মাখিব্রে। প্রেমিলাগী থম্মোয় অমদি নুংশিবা মপামক্কী ওইহ্নবনি হায়বা ইমোবনা খঙলে। ইমোবনা খনখি-নুংশিবা অমদি থম্মোয়দি অমুত্তগী হেন্না পীরকম লৈতে।

প্রেমিলা লুহোংব্রে।

